ইব-তমসে, একলব্য !



জি.সি. তোংব্রা ।


ইব-তমসে, একলব্য !

জি·সি তোংব্রা।

EBA TAMSE AKLEIBYA

By : G.C. Tongbra

Price : Rs. 40/-



অহানবা ফোংবা : মাচ, ১৯৯৬

অফোঙবা : ঙইবা মশানা রাইটর্স ফোরমগীদমক ফোংবা

কপি মশী : ১০০০ (লিশিং অমা)

কপি রাইট : অইব মশা

নম্বা : পি, এস, প্রিন্টিং এণ্ড ষ্টেসনরী

সগোলবন্দ, মাইরাং লৈরক মচিন।

মমল : লুপা ৪০/-

লায়রিক্তা য়াওব ঃ

ৱাহোংদোকপা

য়াম্নীংব ৱানাট খর : অহানবদ য়াওরিব ৱারেং অসিনা ইকোন কোন্ন ইখিবন, লীলা-নৌ-ভায়োন বারীনৌ ভায়োন—খুদম ওইন ইরগ পীব ওমহৌরে? মনাংইদা ইখ্রব রেডিও লীলা ২খক এ-আই-আরগী কর্ন সীদে পীজরে, খর নৌন ইরকখিব মতাং ৪ শুব লীলা অমগ। ইং ১৯৯৫গী স্টেটকলা দ্রামা ফেষ্টিভেলদা রুপমহল আর্টিষ্টশিংনা মায়পাক্ক অমুক্তি উৎখ্রে।

ইনিংবদি খুদম পীনদ নাইতে চানব ৱারীবু ওইরম্ লীলাবু ওইরম্ খর ভায়োন্নব ৱারীরা লীলারা ইরগনা কনবনি। খংনা খংনা ভাবোক্লা নুংঙাইহৌ হায়বিগদা কিবনা মখোয়না হৈনগদবা মথংদা ফদিগোন পাখোন, নোক্লিং কপ্পিং মশলা খব থাকপদা মশক হেক্ক থীখি। ইরগী পান্দম্ অতুম্ ঐভং হায়দি নুংঙাইহনবনিনা, ভাবোক্ল চালহাও খর খিবিরে। খর ৱাংব স হিংগা থোরক্কনি।

রাইটরস ফোরমদা শেন থংবিখিবন লায়রিকসি ছাপ ফোংজব ঙম্নি। মতুই লম্নম ভোঞ্জরি ফোরমগী, মচং মচং শিংংদনব। মথংগী ভেলুদ ইব ৱাংহৌব : Essay on নীংশিং মহাল ইরু খুংই + A.I.R. Play Competitionদা Humerous groupতা ফার্ষ্ট পাখিবা লীলা + জেনেরেল groupতা সেকেন্দ পাখিব লীলা অমগ কনদৈ শেল শোংলগ ফোংগদগে খঞ্জরি। মণিপুরদদি ভজিকমক্তি লায়রিক মশীং য়াম্ন ফোংলগ লায়র ভান্নব মতম ওইরিং ইকাইনদ্রবস্ত্র।

লেখক

(ওজা শাব)।

ফোরমগী ৱাফোল

খুঃ চহী ১৯৮৮ দগী হৌদুনা রাইটরস ফোরম, ইম্ফালনা হৌজিক ফাওবদা মণিপুরী অইবা/কবি ৩৯ গী লাইরিক ৩৯ ফোঙদুনা মীয়ামগী খুৎতা শিন্নজখ্রে। লাইরিক ৩৯ অসিগী মনুংদা ২০ না শৈরেং, ১১না ৱারীমচ, ৩না নৈনবা ৱারেং, ১না ড্রামা, ১না লমকোয় ৱারী অমসুং ৩না উপন্যাসনি। হন্দক ফোঙদোকচরিবা শ্রীজি, সি, তোংব্রাগী 'ইব-তমাস, একলব্য' কৌবা ড্রামা লাইরিক অসিনা ফোরমগী ৪০ শুবা খুদোলনি।

সাহিত্যগী ওইবা মগুণ লৈবা লাইরিক ফোঙদোকুনা মণিপুরী সাহিত্যগী পূকৈদা হাপচন্নবা অমসুং অইবনা মশাগী লাইরিক ফোঙ-জবদা থেংনরিবা খুদোংচাদবা বয় কোকনবা হোৎনবনা ফোরম অসিগী মপুং ওইবা পান্দম্নি। শেন্দোং তানবগী বাথল লৈজদে, অইবা মশেন খুৎশন্নদুনা মণিপুরী সাহিত্যগী পোথোক পুথোকমিন্নবনি। লাইরিক অসি মীয়ামগী খুৎতা শিন্নজরি।

বিরেন্দ্রজিৎ নাওরেম

জেনেরেল সেক্রেটরী

রাইটরস ফোরম, ইম্ফাল।

ইম্ফাল

২৬ ফেব্রুৱারি, ১৯৯৬ ইং

অহৈবম একলব্য মণিপুরীচা
(তোংব্রা)

ওন্নকত্রবনা তাকখিব, ওন্নিবনা পাংখোকপা "ছি হু কেন, দজ, ছি হু কেম্নোট, টিংচেস" হায়ব জি-বি-শোগী পাউতাক্তুনা তারে। হুজিক মতমসিদা মীতৈরোন্দ ইবশিংনা মীৎয়েং চংদোব মাইকৈদি এন্টি-নোভেল এন্দ এন্টি-থিয়েটর য়ারীনৌ তায়োন অমদি লীলা তায়োন নত্রগা য়ারী-শাদোক য়ারীনৌ, য়ারী-নোক্ল য়ারীনৌ; লীলা-তায়োন, লীলা-শীদোক লীলা নোক্লা লীলা। হিংনব, ঐখোয় হোংদোকই হিংল হিংলগ হোংদোকপা অহুম হেল্লি। মৌয়েং খুৎই ইনৌংবশিংসু হোংদোকপ ফগৎহনব হায়দগি হেন্নব লাক্লব ওওাইকদে। হেন্ন থীথিল্রা?

আচৌব লমশিংদ ফাওখিব লেখক কয়াগী খুৎই, মখোয়গি লায়রিক পারগা তম্ব কৈ। নৌবো-য়োমান এন্টি-নোভেল য়ারীনৌ তায়োন ইবদ ফাওখিব থরবু গুরু দ্রোনাচার্য্য ওইহন্নব খিব তায়। লীলানৌ তায়োন হায়গত্রা, এন্টি-থিয়েটর ইব কাংবু এবসর্দ প্লে ইবঙাৎশিংগী মতৌ তম্ব হৈরোইদ্রাও? মী মতৌ তম্ব হৈবগি মীবু মী কৌনরিবনিনা করিগি হৈহ্ৎদগে? ইং ১৯২১/২২ দা আসাম Diamond Circus হায়ব অম থোরক্লনা মণিপুরদ কুম্মৈ উংখি, ঐ য়েংহৌই বেঙলী স্কুলগী ক্লাস কোরদা তম্মীতৌদ চহি থরগি মতুংদা মীতৈগিসু সার্কস পার্টি থোরকখি। শিব কিনদে তম্বদা। ২০ শুব ইং কুমজাগি ময়াইদনি হায়রুগে শুরাই ওঝা কাগী খুৎতামচান, সুমাংদ মমাই তৈরুগ কাগী তৌব থোরক্লগ (মথন্দ শোঙব) স্বগত অমদ "ঐনা তৌরিবসিবু করিনো? ঐবু ঐরনে? এঃ এঃ এঃ কপ্পাই নোবপোষ্ট মথন্দ ওন্নুংদ হুম থিগচৈ: মাগি পুক্তিদা কাগী পুগি মখোক্তবু মশাবু মশান উজবা Self Conscious ওইরকএ।

ঐসু লীলা অমদ কুপী হন্নুরণ তৌবি অম শাহুনা থোক্ল্বদ হুমাং শোয়ক ইচিন খুম্ব থিহু নাহখিব খংহৌদ্রে; ভাবোক মীয়ামা জা জা

নোঙ্গরকখি— "মকোই মকোই, —হুমুবী মকোই" ! ঐ অমুক ফিজিনা ইকোই থুমখি, কপ্পিংন খঞ্জখি "মীবু মুংঙাইহন্নব ফাগীদ য়াওরিব ফাগী লীলাগুম ঐন ইহুন লাক্লরিবসিবু ফরিব্রা কান্নরিব্রা ?" "ঐবু ঐ শেংলব্রা?" মীগ মীগ মহৌশাদি অতুম মান্নবনিন পৃথিবীগি মকম তৈংলসু Art শিংন Self Conscious ওইনরক্লুন হংনকপ তানরবালে "ঐখোয়বু বরিবো তৌরিবসিবো ? ফরিব্রা ? ফজব্রাও ?" Novel, Painting, drama শি শৈরেংনি হায়তুনা তৌজশারিসিবু কমদৌরিবনো ? হোংদোকপ শেম-দোকপ ফগৎহনব য়াররাইব্রাও ? A Change for the better চাউখৎপ ফগৎপ পান্ন কাংবু বাংতে। অসুম তাইবং ঈর্থাল ফগৎনীং লিচীংনা anti-novel, anti-theatre anti-painting ……… নৌসেম নৌরেং কলাই সাহিত্যগি কজপোৎলম থোকহল্লি। "ঐবু ঐরাও ? শেংলব্রাও ?"

বারীনৌ (novel) শীদোক্লগ অনৌব শাগৎপ, শাগৎ শাগৎনা শীদোকপ হায়গব্রা থর থোরকপ উনরে। শ্রীমতী নেথালে সারাউতি anti novel, quest-novel (থিগৎপ বারীনৌ) detective story লক্লবগুম তৌবজাৎ, মপা হন্নবগ মচান্নুপী নহা নব্রবী অমগগি বারী :- লোল্লা মতৌয়েংব, মতুং ইন্নব লাপ্ল য়েংব, করম্ন তৌরম্নি, করম্ন তৌরম্ব য়াই, ভাবনা শাংলগ ইশিনব অচুম্বনি হায়বদি য়াদব, ওইরম্ব য়াই শুম্বগি বারী। voyeurs অরোংপ কিজুং, অরোনব থৌরম উরগ মুংঙাইজব-শিংগিদমকতি কান্নব বারী জাৎনি।

ভলাদিমির নোবোকোভকি "লোলিতা" সু কাংলুপসিদ চনবা য়াই নীপা মীয়াই চল্লব অমনা মুপীমচা চহি ১০-১২ অমবু কল্লকপদগী মমা লুপ্লাবীদা কোইবা, থেম্মগা লৌবা, মমৈদা, মমা শিপ্রব তুংদা মুপী মচাহু মথুং চনব কোইপুপু আমেরিকান সহর কয়া কোইমিন্নব অহোংব মোটেলদা হরাওতয়ান্ন মতম লেনমিন্নব, মমৈদ মুপীমচাহুন মাগি বোই ফ্রেন্দ অমগ চেনমিন্নখিব, নিপাহুনা পাথওহুবু হাংকে তান্নবা ………… অসিনচিংব অরোন-অথুপ থওনীং-উনীং মীওইবগি অশোনবহু মেৎলগা

শিজিন্নব বেষ্ট সেল্লার ওইখিব য়ারী জাৎনি, (ফিক্সনদসু) অনৌবা খুৎই অনৌব ঈৎহৌ, anti-novel anti-theatre শি য়াওলসিদ, মীতৈ অইবশিংদি য়াওব য়ারোইত্রাও ? কনান থিংনি ? সরকারনা থিংগত্রা ? … … তনগত্রা ? য়াওসে— তমসে— তাক্লসে !

কনা কনাদে তম্মি ?

করম তৌনা তম্লগ হৈগনি ?

১। নেথালে সরাউতি (১৯০২—রুশ-ফ্রেঞ্চ-জিউ চহি ২দা মমা, মপা থায়নখিব ……) মপাগ অমুক লৈ মমাগ অমুক লৈ রুশ-ফ্রেঞ্চতা নত্তনা জার্মন হৈখি, ইংলিশকি লাইসেন্স ফংখি ১৯২১-২২ দা, ওক্স-ফোর্দতা ইতিহাস তমখি, মথংদ Sociology তমখি বার্লীন্দা, পেরিস্তা Law মথংগী চহি ১২ দা মচা মুপী অহুম পোকখি Law Practice তৌন তৌন। অতৌনব য়ারেং ২৪ ইরগ ফোংখি ১৯৩৯ দা ইহান্ন হায়, হিরমদি: Tropismes পাম্বীন মুংশা থিব মচিঞ্চাক থিবদ চাংখারকপ থিন্দোক্লকপা, লীম্না শিন্নবফাওব মমৈদি হাইগুম্বা মুংদাংফাও…… Ruth Temple ন হায় : "This is not stream of conciousness but the sea of the subconscious from which that stream flows. In this sea there are vague tidal movements from and towards the Persons and objects of Expericence. Tropisms are microdramas." প্রাউষ্ট, জেমস জোইস, ভর্জিনিয়া উলফ থোয়ন শিজিন্নখিব খুৎই : থওনডাম্ব ইন্দুন ইব ঈচেলছ নত্তে, ঈচেন্দুই হৌরককম সমজ্রক্লনি। সমজ্রক্লদা জুরার কাব কুম্বগুম ময়েক শেংদব ঈথক ঈনোৎন হুঙৎ হন্দা চৎ শানরি মী অমসুং থেংনরুব পোৎশিং মরক্তা। ট্রোপিজমশিংসি কুপক্সব মহীক-লীলাভারে।

রুথ টেম্পল হায়রিব পণ্ডিতসে ঐসু মশক থওদে। মান হায়রিব জুবারগী ঈনোৎ অহু ঐগী Experience তগী খুদম পীগে, ওইরব য়াই থাজে :

হৌখিব জুলাই থাগী তাং ৭ তা ইং ১৯৯৫ গী, রূপমহল থিয়েটরগী ৫৮ শুব মপোক কুমওন্দ "বীরটিকেন্দ্রজিৎ" ইরম্ব মৈত্রম বীর এক্টরস এৱার্দ পীনবা থৌরমদা ঐহাকপু প্রধান অতিথি ওইজৌ হায়রূন মতম কুইরে উন্নদব থল্লবগী তুংদা লীলাশঙ উন্নবদা করি করি Subconscious mind (খঙগুম খঙদবগুম তৌব পুক্নিংগী লৈরোন মথাদা) করি করি লীলা microdramas শান্নখি ? S. Nabakant না মনা কংনি, M. Bina গি 'বীর টিকেন্দ্রজিৎ লীলাগী' Royalty তুংথংপ ঐখোয়গুম মমাংঙৈ লীলা মচা কয়া পুখোকমিন্নখি 'লৈবাক হৌব আন্দোলন' লীলা পুলিশ গাড়ী মপোং কয়ানা থমকা তৌগুনা কোইসনিখি মী ৫ তিনব য়াদব থানাগী থারা ১৪৪ Theatre Hall দা চালায়খিব পুলিশ ইন্সপেক্টরনা লীলা হৌখিরোইদ্রাও ওঝাবু, ফানীংলেদা ওঝাবুমক্তি হায়খিদেকো । ঐদি অইবনি, লীলা উৎতৌরিবা খুৎপুদা হংঙ্‌ ইঙো ... ... ।

"রূপমহল" থিয়েটরগী শঙদনি, সিনেমান নপচ তাংজগুনা কার-বারগী রাইবনি । সমাজ শেংদোক্নব পঙলবা চাউথংপ রাংলিবা, লায়র প্রজা লথা কয়াগী পেন্দব তাম্নব চাউথংলম্বী থিংগুন লেপ্পিবা জয়দর্থ কয়া ইস্তুনবা নীংথাত্তম্ব মচেৎ মরীক ভোট অমমম থাদব ফংবগুম্বদ নত্তুনা চাক লাম্ব কোক্তিব, লন থরাই ঙাকপ ঙমগ্রিব কিব কগ্রিব পোৎমমল রাংথংপ থিংব ঙমগ্রিব কৌশংবাইদ সিকি অনা মথাই অমত্তা পিরম্ব লম্ব লুপা ১৫০/২০০ পীশল্লক, ইমা ইমা লাওগুন য়ুহারাবগী অক্নিবা কোক চিল্লিব ঐখোয়বু লৈবাকসিদ লৈব মুংঙাইবিরিব্রা ? করি খুন্নি ? কদায়দবু চেন্নুদগে ?

শংত্রিক য়েংবদা "রূপমহল" রাংনা চাউনা থিল্লি থানাদ মমীৎ শুক, কমিসনরগী বাঙ্গলাদা, এক্সেলেন্সী সাহেব ইকাইথুম্নরব গভর্ণরগী শঙ্গাইয়ুম্ভমদা মাই ওন্সিন ।

ওহ ! তম্র চোকথনা চীক্ন লেপ্পনা লৈয়মেদা ! মতমসি মণিপুরব্ন থাং অশাবদ ভৌরি রাজনৈতীক অর্থ-নৈতীক, সমাজিক সমস্যা কয়ান

ঘী থাও ওই, য়াঙং মসলা তীলহৌ চনম থাক। চাক চানদৌরি হাওনা, জগোই ইশৈ থাবল চোংবি হিংচায়াতম্ব কনা কনাননো? কংস, জরাসন্ধ রাবন, কুম্ভকর্ন …… কনা কনান হাত্তব য়াওদৌরি।

Nuclear head পানব missile কাপ্পি্ব করিগনো 'রূপমহল'? anti air craft gun শিজিন্নরগ হিংচাব অতিয়াদ পাইবশিংন্থু কাপথরো। কৈদৌরে খুমজিববো? "রূপমহল" মরূপ, honourable Hero! Party হোংলব্রাও মরূপ, করি ওইজ ওইথক কেরানীভম মন্ত্রীভম য়েন্নথাদ খিন্দোরকপ্রা মীহৌহন্নবা হে মরূপ পূকচেল চাউ। কনাবু কিরিবনো হিংচায়াতম্ব নীংথা তম্বগী য়েক্রব পূম্ব টন তাকপগুম তাকখ্রে খেচ্রা পাম্বাগী মুংশাদা।

মীৎকপ খোক্লো মরূপ, করি মও মওলিবগে? নত্তে ভায়, নহাকস্থু "Nero was fiddling, while Rome was burning" হায়বন্থু তৌরিব্রাও? অঙাওব নেরো রোমগী নিংথৌরেল খৃষ্টানশিংদা তায়ননব রোমবু মৈদা থাদোক চাকহন্নগা ভাইওলিন খোংবন্থুই মতৌ তশ্মিব্রা?

লৈবাকশেম্বদ অতক ফরব থিয়েটর হোলনা মণিপুরগী লায়বক থীন ঙৌরব মতমসিদা তুমিন্ন তন্না লৈরিবসিবু—

সেন ইথোক খোকপ ওমজ্রবা অঙাং মুবী মওরারী চৎব্রবা?

প্রধান অতিথিগী ভাষন মতেক অমা শীব কান্দ কলাকারশিং থুবাকইশৈ শকপী শকপা লীলাই হেরো ভিলায়েন শিংনা মথা লাওনকা, কল্লক পেন্ন ঙাংব শকপন্থু থম্বাল চামনিপাল অঙাংবন অঙৌবন মপুং ফান কল্লক পেন্না শাংতোকপনি লেখকশিংস্থু লৈজব থা ঈগ মুক্ত ইবগুম্বনি। তাইবং মী হকচাং ফনব পুন্সি মহৈ য়ান্নব খৌরম্নি। অকাওব কলাকার টিকেন্দ্রজিৎ শাব খোয়ন ভাবোকপু মুংঙাইহনব, পেলহনব নীংদোন তিং তিং থমোই থুক থুক লাওহন মী অনৌব অম ওলহনবন্থু মন্ত্রী অম সেক্রেটারী অম দিরেক্টর অম ওইবগ কনানা

হেন্না মীগী কান্নব তৌরম্মি হংলবদি কনান হেন্ন লৈবাক্তি সেবা তৌরবগে ?

পৃথীবীদা হৌজিক ব্রানরিবসি মী যক্তবা মশীং য়ামখৎপননে। কংস, জরাসন্ধ শেঙ্গাব থুমজাব অঙম অখো মন্ত্রী, মীওৎপ হিটলর ষ্টেলিন মশা মুংঙাইর লোইরে অতৈগী য়েংদব মীনুখাং য়ামখৎপ। Tropism না ইঙ্গিং তৌরকখিবগী খুদম অমত্তংগা "রূপমহল" গা উন্নখিব মতুং নোং হেক ঙানব তাং ৮।৭।৯৫ ইং পুং ১১ রোম ঙাব মতমদা, মকন্না ট্রাইবেল রাইটরস ওফ মণিপুর-গা writers forum of Manipur গা মুন্ন কন্মিন্নখিব মফম দিস্ট্রিক্ট ইনষ্টিট্যুৎ ওফ ইডুকেসনেল ট্রেনীং, D.M. College Campus মমুংদ চিফ guest ওইন কব্ব ব্রাওখি। য়াম্ন ব্রাঙাং ব্রাতা হৈব নোক্লহায়ন বা ঙাংব ভগ্ন তাঙখুল কবি অমনা শৈরেং পাখি "হারৌ", পান্ত্রিভৈদ তাঙখুলগ মীতৈগগি নকুব মরী দ বা ঙাংখি ঐখোয়গুম্না মখোয়সু য়েক-শলাই ও নিংথৌজা-খুমন-লুরাং লৈনচিংব ঙাংখি। হারৌব চীংদা খোংবগী মতাংদা ঐতোন্দা film গী montage গুম চীংদ লংক্লেদ থেংনখিব শীন কয়া নিংশিংহনখি। বিষ্ণু-প্রিয়া মণিপুরী, লক্ষিপুর, খোবুম তম্পাক খোংখিব হারৌ জিমাপুর লম্বীদ খোংব তাম্না হরিনোংনাং ··· ··· ঐতোন্দা করি ঙাংগনি ? নহুমদগী শেম শাহনা ঙাংনব রারোল পুরক্ত্ুবা নত্রা- অহল হমুব শা চহি খরসে (৮০ য়োৌভৈদগী) মণিপুরী হায়ব ব্রাহৈসি বিষ্ণু-প্রিয়াদৈ ফুক্তোন্নগ— (১) তাঙখুলদা পাইতেদো হাপ্পদা কনানা থিংগনি ? মণিপুরী তাঙখুল, মণিপুরী কবুই, মণিপুরী মাও, মণিপুরী পাঙল, মণীপুরী মীতৈ ··· ··· ? মণিপুরদ পোকপ, মমুম ওইরব চহি ১০/২০, মণিপুরগী হরা-মুংশিং মুংশা-লৈহাও-ঈশিং-হৈনরব চুনরব মণিপুরী লোন্ন থৈদেন কাব, খুন্নক্তা ব্রান্নী শাব ঙম্মবা করিগী মণিপুরী ওইরোইদগে ? মনিপুরী মারবারী, মণিপুরী পঞ্জাবী ··· ··· ··· মণিপুরী মশেন মুংশিনসে।

(২) অতোপ্পা ব্রাফম অমনা সাহিত্য (litetature) সি হৌজিক মতমসিদ Leisure দা ইশান্নব-পা-শান্নব অতনব সাহিত্য পোথাক্কন

লৈহনব য়াত্রে। Dynamic Literature, Literature in active Service ওইহনবা তারে। সাহিত্যান তন্নবসু লেখক্না active ওইথং-মতমগি ঈন্নাং থেংনব ওন্নবা। Writer শিংগী duty করিনো? চাখিব থকখিবগী লমন শিংব ওইনব মুংশি বারী মচা অম লৈখিত্রব মরূপ নিংশিংব ওইন চেংথা ঈশৈ শৈরেং অম ইত্নন শান্নবৃদ্ধি হুক্কিক-হুজিক্কি সমস্যা লৈবাক চিংথায়রসে নত্রগা ঐখোয়গি পেন্দবখৈ থুংহল্লো লাওনরিব নোংখা তম্ব কাংলুপ-কাংলুপ মশীংথীব ওমদব শিংদ কান্নব বারেং, শৈরেং বারীচা-চৌ ইনরসে। মতম্না ইশিং ত্রোং ত্রোং শো মনিল অশাব ওন পাইরগে পাইরগে মশা খপ্পরব কান্দ literature for leisure hours for idlers তুম্ব য়াত্রগ পানব মুংশা থাংবদ পানব ইদোশকক— লান থিংনব শান্তি পুরক্কব খংনব থাদোক চাননব কাংলুপকা কাংলুপকা চান্ন-চিন্ন সেগা মাইগা লেংঙ্গান্নব চাউখংলম্বী শেমগৎ শাগৎপদ থুং শম্নহন চৎমিন্ননব ইসে।

(৩) অরোইব ওইন ঐন থাক্কৎনৌংবদি— Tribal writers ইচিন্নাও-শিংগ মতম কুইনা তিন্নহুন joint effort ওইনা forum অমক্তা purpose অমগী দমক পুন্না fight তৌমিন্নবগী will অম উৎমিংবনি। খুদম ওইন হায়রবদ Magazine (monthly or fortnight) অম কোংমিন্নবনি— in Multi language হায়গত্রা on communal harmony (কাংলুপ লেঙ্গোন্নব) or ঐখোয় ময়ামগী মণিপুর or চৌং-তম মণিপুরগী ভাক্কি ... ... etc. ... ...

চাং-তম রাইটরশিং পুনশিন্নরগ মণিপুর পুন্ন থমসে, নয়া পৈশা কায়খোক্লগা য়েন্নখোক্লসে! নখোয় ঐখোয় অহল লমন্না মণিপুর কায়খোকউ হায়রমদে।

ইচে নেথালে সারাউটিগী রচনা উপন্যাসকি মরমদা ইবা The age of suspicion (১৯৫৬)—চিংনবগী যুগ— মতৈ মনাও থাজনদবা হিন্নম অসি মুংঙাইরব বান্নী ওইব য়ারোইত্রা? নিপা নত্রগা মুপী হংই; "মাবু মবুক শেংত্রবাও? ঐবু থংহন্দনা কনাগ করি?" ... ...

শ্বাইদে হেন্না খণ্ডনবা ফাওখিবা লাইরিক্তি "Portrait of a man unknown"— (খণ্ডনদব নিপা অমগি শক্তমলাক) বারীছু First person দা লীবনি মমিং য়াওদে, মগুন তাক্তে নিপানি মীয়াই চন্নবা। অতোপ্পা মীশক অনীনা মপা ১, মচ'নুপী ১ (নহা নত্তবী) কুইন পুন্ন লৈমিন্নরকখি অমনা অমবু ওৎ-নৈবোই চৈনা-লাওন খায়-দোক্লবস্থ য়াদ। মপাছু লীকই, নাপল্লি, নুপীছু তোল্লিদ খঞ্জে, তঞ্জে, মীবু নাহল্লগা মান পেঞ্জবীনি। হিংললোইরেগী মীৎয়েংদদি মখোয়-নীমক মরাল লৈখি থাজনদবগী, মমৈদ মখোয়নীমক মী ওান্নিন অশোনব মরান চেনবছুন থাদোক্লব য়াখিদে। বারীলীবছু ইমুংতুগী মরুপনি, কোইন চমন্নন লী, ওইব য়াই মহাক মপাছুই মহুৎ, নত্রগা ৎপ্তুচোর, অমস্থং অতৈস্থ অর্থলৈব সীন অমদ মপাছুন অহিং নোংয়াইদ খোঙঙ্প তোংদনা হোগৎ চাকশঙদ চংলগ মচানুপীছুন ছাবান মচেৎ হুরানব কানীং মশামক্ল উনা ... ... হাকথেংননা। লীচৎ-শাজৎ বাঙাং-বাতা হৈনরোল-শিংছু মান্ন উৎলি। বারীলীবছুন উৎপ মশাগী সমস্তা মান পামজব মশক্ত তাকচবন চিংবদৈ খঙব ঙম্বদি Novel তুগী মরু ওইব হিরমদি "অচীকপনি" নি, তাইবং থরাইনা পামজরিবনা লৈমিন্নব অতৈগ পাউফাওনব। মপা মচাছু অতৈমক ঙমন্নবস্থ অমগ অমগ অরেপ্প নাইদনা ওৎ-নৈনবছুন পাউফাওনৈ।

বারীলীবছুই বাকমদি লুরি। মমাংঙৈদ হোলাণ্ডগী মিউজিয়ম অমদা উখি— "মশক খঙদব অমগী শকতাক" লাইয়েক অমা অর্টিষ্টস্থ মশক খঙদব। মীৎয়েংছুন, ফীভমদো বারীলীবছুদ করিগুম্ব অম হায়খি। মান হায়নীংলিবদি মীগ মীগ পাউফাওনবসি শাথীন লুরবস্থ ওই-থোক্তবফাও ওইরবস্থ কলাগী সংসারদদি চাওরাক্ল পাংথোকপ ঙমখি হায়বা য়াই।

মমৈদ বারীনৌছুদ বারীলীবন অয়েকপা লায়ছুই মরমদ মচা-নুপীছুদ বাখাতানা ফন তাকখি ভাব তাহনবদি ঙমখিদে। মমৈদা লুই হুমোনতেথন মপাবুস্থ মচানুপীবুস্থ লায়ন হোইছুন পুব ঙম্বনা মমিং

খোনব মীকোক মথন্দনি মান পাম্ব খঙবা কয়া ফংদগে লম্বী খঙবা পাউস্থ ফাওনব ঙমদবগী অয়াব লৈতব হুগা হুপীমচাহুগা লুহোংনব হায়ন শীংনখি—

ৱারীলীবহুন মথৌ লোইরহুন অশিন্নাইদ চংজভম নিখি। A typical (পান্দমঙই য়াব) anti-novel in technique ৱারী মন্নীদো novel শীদোকপগুম ভৌবজাং। Its moral system না মপুংফানা existentialist ওইব। অক-কক্তগী ৱাখল্লোন— Existentialist— (হিংলগোইরে) মপা মচা - লাইগুরু - সুংশিনব - হৌনব হৌনদব অয়োইবনি হিংব য়ারগ সুংঙাইরগ লোইরে খনবজাং।

মখাংদা মতৌতম্ব য়াব লেখক খর :— ১) এলাইন রোব গ্রীল্লেট (ফ্রেঞ্চ ১৯২২) কি The Erasers (রবর) ১৯৫৩, Le Voyeur (উহন্নীংদব য়েংবদ সুংঙাইজব)—১৯৫৫ ; La Jalousie—(খম্বনবা) 3rd novel … … …

২) মাইকেলবুটর— (ফ্রেঞ্চ-১৯২৬) কি A change of heart (পুক্নিং থম্মোই ঙনবা— ১৯৫৭)

৩) ভলাদিমির নভকোভ (রুশ-ইংলিস-জর্মন-ফ্রেঞ্চ-আমেরিকান ১৮৯৯)— গী "লোলিতা" —১৯৫৫ … …

৩) গন্থর গ্রাস (জর্মান—১৯২৭) গী The Tin Drum—১৯৫৯ মাগী খ্বাইদে ফাওবা উপন্যাস। পাঠক, একলব্য শাবা! মুন্ন পারগ খম্বৌকো ভুংদ, হৈহৌনব। তন্ন ইথবনে, ৱান, মিহুন দং দং— বি-পি-ন মরক মরক চোং —মীঙোন্দগী তাংজ-ৱাইহুন পান্নগ অহৈব শারি। করিগী? য়ান্না কান্নব লাইৱানে, ইব হৈনীংব মতমনি নহারোলদা। ৱারীনৌ-তায়োন, লীলানৌ-তায়োন … … … anti-novel, anti-theatre (absurd play) … … হুজিকান্দ পান্নব চংনরিব modern fashion গুম্ব ৱারীজাং, লীলাজাংনি। লমমাঙোল নাইনত্রে, পৃথিবীসে পিকশিন্নে —য়াঙনা পাইব চাউথংনব হোংনব তারি।

(১)

রোব গ্রীল্লেট-কি ৱারীনৌ— "দি ইরেজরস" না অহানবা নোভেলনি। নেথালে সারাওটিগুম ব্যূটরগুম কোক্তা তমহুন ইদে, খমোইদ পান্নব কাপ্পি। ফিলম script হায়দে মাদি cinema novel হায়হুন কন ইথি। Suspense master নি হায়নব Alfred Hitchcock কি মতৌগুম্মি হায়নৈ। মাগী নোভেল পাবশিংন অর্থ ময়েক শেংদ নীংব কায়রগ মহাক্কি মমায় পাক্লে খল্লি। ২০ শুব শতাব্দিদা নোভেল অমসুং ফিল্ম ৱারী ইবদ য়াম্না অন্নাংব থাক য়োৗরবনি হায়ব য়াওই।

French detective Story গী মতৌদা ইথি, ইদিপসকি পৌরানীক ৱারী অরোনবহু তিলহৌ কুয়োম মথং মথং খোকপগুম জেমস জোইসনা পৌরানীক ৱারী ইউলিক্সিস্তু দব্লিন সহরদ য়ুম্তম ওইরগ মপা চানন শাগৎখিগুম রোব গ্রীল্লেটসু মাগী ৱারীনৌশিংহু ইথি।

Sophocles; Time that sees all has found you out against your will পুম্নমকপু উব মতম্না নখোয়না লোৎনীংবহু কান্নহন্দনা ফোংদোরকনি।

Anarchist Society অমনা মুক্তিগী মুংদাং পুং ৭ঃ দা মী অমমম হাৎতৌরি হায়নব তারে। দেনিয়েল হ্যাপোন্ট হায়ব মীয়াই চন্নব Professor অম হাৎখিব খিগৎপ ফাগৎপা তারে।

অওইবদি হাৎখিবমক্তি নত্তে —মীহাৎপনি হায়নবহুন খরদি মাবু শোকহনখি, মিনিস্ট্রীনা খোৗশাদবদগী মহাক লোৎ-লৈখি এনার্কিষ্ট কাংবুবু চঙরুহনগে হায়হুন। ফাগে খিগৎলিব ৱালাজ অমসু পুলিশ কমিসনর লাউরেন্টখোয়দি দেনিয়েল হ্যাপোন্টপু হাৎগ্রে হায়ব থাজে অমসুং খিব হৌখি। ৱালাজনা কোইন চৎপ রেলদা বাজারদ খৈদেন্দা দোকান্দ ইরেজর লৈবন চিংবদ অন্নানব লংজিলদ তাওহুন লৈ, রবরহুদি লায়রেক্কবনি ৱারীহুগ মন্নী লৈনদে হ্যাপোন্টকি অনীগুব মুগীহুদসু দোকান

কন্ন য়াওরি মীহাংপ খিরিব বালাজল্লুগী মমা ওইরম্বসু য়াই, অদুন ছ্যাপোন্তু মপা ওইরমল্লা চিংনিনিংঙাইসু ওইহল্লি। মীহাংপদু ফাগে হাংকে লুমহুন ঙায়বদা শিল্লিবা ছ্যাপোন্তু লাকপদ কাপ হাংখি বালাজনা ... ... অসিন চিংব ওইরম্লি থাজদব নোক্লিংব প্লোট অহুবু য়াম্না লু'না deadly serious ওইন তৌই humorusly-ironically ফাগী ফারাংগুম লক্লবগুম তৌদে। মদু লোইশিনবদ detective story না detective story অমবু শীদোক্লে হায়ন লৌব ঙারে। Spain গী Cervantes না অরিবা অখোবশিংগী (knight-errantry) বারীনৌশিং লক্লবগুম শীদোকপগুম তৌই হায়বদি হায়মনগদ্রা ? চঙক্লহনব পাঠকশিংবু অনীরক শিহনব অর্থ অনীহুম থোক খল্লবদু মুংঙাইব মখল অমনি খনজৈ লেখক্লা।

'The Voyeur' – 1955 ময়াইদা অহোব (অহাংব) অম লৈব বারীনৌ-ভায়োননি পি-পাই অরোন-অথুপ য়েংনীং-খোরাং মীৎপুনি। রোব গ্রীল্লেটকি বারী অয়াম্ব মকোক বেরা লৈব মী য়াওগল্লি। খাইদৈ মরুওইব মীকোক ঐখোয়গ মীৎনাকোং তিম্নদোরিবসি মেথি-য়াসনি; ঘরিয়োনব নিপা, মকোক বেরা লৈব, মীবু বাহন-নাহল্লগ মুংঙাইজব। সমক্র মপান্দ লৈব ঈথৎ, চহি ৩৫ গী মমাংদ মফমদুদ মহাক পোকখিব, অদুদ মহাক্কি কারবারগি হেক হেক চৎলি। জাহাজ চৎথোক চৎসিন মরক্তা একাগাড়ী ১ বাইরগা কোইন চৎলি লম য়েংব অশেংব লম খর ভাবন শাবসু খর অরোন, অথুপ উনীংব মীবু বাহন নাহল্লগা মুংঙাইব মীহাৎনীংব লিচীংসু চেনব মীতানি। মীৎহুৎথোং থোরীন নম্বর eight য়েকপ য়োৎকি খুজী, ... অরোনব য়েংনীংবগী খুত্তম্লি। মাগী শাজৎ লিচৎতগী বাঙাং শাঙাংদগী মীহাৎনীং মতৌ ঙাওরি ফৈরিব মাল্লি। মুংঙাইপোলোই (climax) ওইরিব জেকেলিন কৌবী চহি ১০ বু মতম চাদন নাহল্লগ হাৎতোকপি চীংদোন্দগী ঈশিংদ লংথ-খিবদু য়াওহন্দে। বারী অহোবদুই মমাংদ থোকপমখৈ লীরে, অদুদৈ অহোবগী মতুংদু লীথরে। অহোবগী মতাই অনীদু শমজিন্নব কয়

হোৎনরে ওম্নতেননা অহোবা অহাংব বেরাছ মুখৎনব লাক্লবদা, য়াক্লে ; অহাংবতুনবু ওম খুদিংমকপু মবুক্ত উমখি। (রোব গ্রীল্লেটনা হায়খিবনি)

ঐখোয় খঙদে, থৌদোক্ত থোকখিব, অন্দাজদা ওইরব য়াই থম্নবস্থ মেথিয়াসকি মতুং ইন মতম য়েং চেকশিন্না শেন্ন ঈথৎতুগী দোকান্দ-হোটেলদা খুল্লক্তা লৌতাংশঙদা · .... মহাক্ল হেক ঘড়ি য়োন্নুব মফমদ ঘড়ি লৈখিব মীদৈ খঙখি— মচান্নুপী জেক্কেলীন্দু মতোনন্নাংচীং অমগী মনাক্ত লম্বীগী নাকন অমদা য়াও শেনখি হায়ব খঙখি। ... ...

লম্বী কক্লভমদা মহাক একাগাড়ীছু মতোনন্নাংচীংলোমদা থোখি।

য়ান্নী মখাছু পৃং ১ রোমগী মতুংদা মেইন রোদভা শম্নথখি, মফমছু মেথিয়াসনা লৌমী মুপী মায়েক উম্নখি অমসুং হায়খি মখোয়গী লৌবুক য়েংব লাকপনি হায়তুন। মান ভাংলিব ওইদবছু মুপীছুই মচানিপা জুলিয়েন্না মহাক্ল অরোন অথুপ হৌখিব পৃং অমরোমদ অশেংব থোকখিব উক্লবছু লোৎনব মীনম্বনি হায়খি। জুলিয়েন্না খুজংলম্নি লংথোক্লম্বা চুরুট মতেক অমা অমসুং মিঠাইয়োম্ব চেজেং মেথিয়ান্না মফমছুদ লাক্লগ খুনগে থিরবা— মখোয়নী থেংনবদ চৈনব থাদনবদি ওমখিদ্রবা মহাক্ল ওংখি নৈখিব হাংখিবগী সীন্দু করিমস্ত শেমদোক্তনা মেথিয়াসকী মপুক্লিংদ ভাওথৎলক উহনবছু, লংজিন ওইখিদৌব চুরুট মতেক মিঠাই মকু খুন্দোকে থিরব জুলিয়েন্ন শীংনব ... ... খিবিক্লা মাগী মরান্দু চুম্মমানে হায়ন ঐখোয়বু লৌহল্লি। মকোক বেন্না লৈব নিপানে :— মতম ওন্থোকপ, হজিন হজিন ভাংব হোংব মান্নহন্দব, সীন অমতজা ... ... মহাকি মতৌছু ঐখোয়বু থোইশাওহল্লি মছুদ রোব গ্রীল্লেটনা পেথৈ।

লা জিলৌসী (Jealousy) 1957 : মাগী খ্বাইদৈ ফাওব উপন্যাসনি, অশেংব **nouveau Roman** (ন্নান্নীনৌ তারোন) গী খ্বাইদৈ মায় পাক্লব খুঁদম্নি।

থৌদোক্ত **West Indies** গী লফু হিঙ্গোল অমদা থোকখিবনি। মীকোক অহমদমক য়াওই ; মম্নিং পন্দব মীৎ অম, **Protagonist**

(হেয়ো), ইউরোপ্তগী লফুথাব মাগী মুপী (A) কোরগ থঙনবী অহুগ মনাক্ত লৈব লফুথাব, ইমুংতুই মরুপ মমিংনা ফ্রাঙ্ক—।

ঝারীহু হৌবদ য়াম্ন কুপ্ন হেক তানীংদমখৈ তাকই বাগানগী য়ুমদো। অহৌবদ থোকখিব খৌদোক্লা ফ্রাঙ্ক কোইরকপ চাকলেন চামিম্ননব মরুপশিংগ, য়ু থকমিম্নব মাঙ্গোন্দা, ঝারী লৌথবগী ২ শুব মতাংদা লফু বাগানগী মরাক ময়ুং শকলাক নোক্লা, লফুপাম্বীশিংগী মশীং মাঙ্গোন্দে নত্রগা য়ুমগী মফম অমদে উব মখৈ খিরগ তাকই। মকোক্ত বেরা থর লৈবগী মতৌ উংলি; কুপ্না য়েংসিনগনবগী মহৈনা ওইব য়াই ফম্বী য়াওত্রবা পাশক, অস্তুম অস্তুম মকোক বেরা লৈবগী মতৌ উহল্লি।

থর থৌম্বরগ অহুম শুব মীংয়েংদ উংলকপনা তীলজাং অম লায়সগোল ১০ মুপীহুবু কিহনব, মহুবু ফ্রাঙ্কনা মাগী রুমালগী মতেংনা ফক্লাংদা তকথায়হুনা হাংখি, চাকশঙ ফক্লাংদা অথীবা দাকফম অম থমহৌই। তীন্দু হাংপৈ অথীবা দাকফমহু শন্দোক্লা ই, ঝারীহুই মন্নুংদ মমিহু তোয়না পল্লি, লাইসগোলহু মুপী মতৈহু মমীংতা চাউত্রবা হিংচায়াতম্বা শাগুম উহল্লি, মঙহাগুম অকামপেংকী অর্থহু থোকহল্লি, তীন্দু তকথায়হুনা ফক্লাংদ হাংপহুদ Objective Correlative নি থন্নুংদ চাকথেকইবা থম্বন-মিহৌগী মীংতা উব শকলাক। (objective Correlative হায়বদি পোংওইন উংপদ চাংদম্নব য়াব উপমাগুম্ব)

উপন্যাসতু শাগংপদা তাম্বা নায়, হস্তিন হস্তিন উংপ মমি কয়া মশক হোংদোক উহল্লি মমি তাহনবা ওইন, মপুরোইবহুগী ঙাওরপ তৌরব থবাইচাক মৈশা মমি ঝারীহুই মন্নুংদ স্তুম, ময়েক স্তুম হেন্ন লানা উহল্লকই; "মুপীসিনা ঐবু ফ্রাঙ্কতা য়োনখ্রেদনা!"

ঝারীনৌ তায়োনসিদ, এক্সন ইয়াও য়াওদবসিদ মুংঙাইপোলোই (climactic action) ওইহল্লিবদি ফ্রাঙ্ক অমস্তুং A না সমক্র মপান্দ তাব হিথাংভম অমদা নিমমচুগী Sedan কার অম তোংলগা চৎমিন্নখি-বদনি। ফ্রাঙ্কনা থবক অমগী চৎচব, তাঙ্গাহুই থুদোংচাব লৌহুন A না

পোৎচৈ থর তিকপা লৈব চৎলুবা। (থোদোক্তু ঐথোয়না থঙবদদি পুকচেল করিমত্তা মাংনীংঙাই লৈতে, কারন্থুন লম্বীদা বেরা থাংলক ফ্রাঙ্কস্থু A সু সমক্র মপান হোটেল অমদ অহিংস্থ লেনব তাথি। মথোয়নীন হল্লক্ত্রবত্থুদ মুপাত্থুই থম্বন মৈশান চাকথৎ মকোক্তা মমীৎত ঙাওরি কৈরি মঙলান কয়া হকতিম্ন কুম্নৈ কাওব উৎলক্লে। মথোয়নী লৈতবসি চেনথ্রবনি ম্নারীলীবগি মীৎউভমদৈ লাম্থোক মথোয় মচৎ ম্নতৌদি মহাক্লা ভাবনা শাগৎতারে, অত্থুন মহাক মশান য়াজ্জদব (পামজ্জদব) উপন্যাসকার অম ওইব তারে। মপুরোইবত্থু ঙাওবগুম তৌরে, মাগী অকোইবদ উরিব তারিব মতৌত্থু ময়েক শেংদব ফত্ত-খুৎতম মমি তারে। ম্নারীত্থু থোদো অম উৎপগী করিস্থু নত্রে, থোরেপ অম উৎপ ওইরে, থন্নুংদ ফাওরিব ওমচাক্লব ম্বাথল মমীনা থকতোক্লকপা মঙলান, করিমত থোরক্লমদবস্থু য়াবত্থুগী মরমদা ওইরম্মে।

Jalousie হায়ব ম্নাহৈসি ফ্রেঞ্চ লোন্দ অর্থ য়াম্নি, ইংলিশকি Jealousy গস্থু চানৈ, মিতৎথোঙগী য়ুথল, অত্থু হায়গৎতুনা মপুরোইবনা A গী মতৌ লোম্না য়েংব য়াব শমজেৎ হাংলিডৈ, চিঠি ইরিডৈ, নত্রগা ফ্রাঙ্কা মাঙ্গোন্দা ফম্মিম্নরিডৈ। মসিস্থ য়েংসিন্দোবনি শক্তম অত্থুমত্থুই মন্নুংদা Franck তনি মপুং ফাব মমিং অম থোম্লিবা; মহাক নিপাথোকপ নিপানি, মপুরোইবত্থুগী ম্নাথম্না ঙাওরি কৈরি চপয়ুংন থন্থরিবসি মাগী মরমদনি।

মাগী ম্নারী কোক বেরা থাংবশিংগিত্থু film দস্থু অফাওব ইটালিগি ফেলিনী নত্রগা সুইদেনগী film বর্গমেনগিগুম শাথীন কুইন য়েংনথি "Last year at Marienbad" —New York কি art House শিংদা অমস্থুং U.S.A. দা। অরোন অথুপ য়েংনীংব তাইবং মীওই-পোক্ত লোইনরকপ শাপনি, কোক বেরা লৈবশিংন তৌব ভাবন শাগৎপ মঙলান— মহাক্কী ম্নারীশিংদ য়াওখিবত্থু ফিল্মদা ফজনা উৎপ ভম্বদা কনান য়েংনীংওইদগে ?

(২)

মাইকেল ব্যুটর (ফ্রেঞ্চ-পোকখি ১৯২৬) আশা লৈব লেখক (optimist) কোংনা moralist অতৈগ মান্নদন অক-ফন্তগী বিচার লৈব —Samuel Beckett কী অরাবন কুশংনবন্থই মাইয়োক্লা ইব নোভেল ২ ইরব মভুংদ নেথালে সারাউট্টি পাখি হায়। ১৯৬০'s দা visiting Professor আমেরিকাগী Coliege কয়াদ— ... ...

Butor feels there is no necessary division between criticism and the novel ... ... The new novelist writes a novel, because no existent one so far as he knows, say what he wants, to say, "Correcting or supplementing the literature already written—The creator criticises by inventing, and the critic invents by criticising. Novelist স্লু critic নি, critic স্লু Novelist গুম্বনি।

অহানব ব্যুটরবু পাবকান্দ কনামতনা হায়নীংদে—; মসিদি ফোক্ল-রগুম্বনি, নত্রগা জোইস মাল্লি নত্রগা প্রাউষ্ট মাল্লি। মান্নব হিরমথরদ (analogies) influences (প্রভাব)... ... ... কয়া লৈজরবস্থ মহাক্ল শাংদংপদ শিজিন্নখিব মচাকশিং, থংবাদি মাইকেল ব্যুটরদা শাইগ মান্নদব-তুদ unqiue art কি Seal অমদি মুংতনব নম্মি।

মাগী বারীনৌ ভায়োন La Modification (A change of Heart বাখল হোংব ১৯৫৭)—

A tale of 2 Cities, Paris and Rome—রেলওয়ে খোঙচৎ মখোয়নী মরক্তা।

মীয়াই চল্লব নিপাদু মমাই পাক্লবা কারবান্না অমনি, Leon Delmont কৌই মমিংন— ইটালিয়ান type writer firm গী মীহুৎনি৹ পেরিস আফিস্তা বারীলীরিব খোন্না Second Person-you,

হায়দুন লীব কাফকাগী "An imperial message" দা তৌবগুম। Leon গী মীৎয়েংনি 'নঙ' হায়রিবদু মথন্দদ ওনসিন্দুন ভাংজব, নত্রগ ভাবন ময়াল খিগৎপ নিপা অমনা মানি ময়াল নত্রগ দায়ীবদু চপখৎলিব। য়ারীনৌদু হৌবমক্তদা লেওন রেলগাড়ীগী থার্দক্লাস কম-পার্টমেন্টা কাখৎলি গেয়ার দ্যু লিওন্দা, খুদক্তা চৎলদৌব অয়ুক্কি পুং ৮ গা মিনিট ১০ দা। য়ারীদু লোইবদ মহাক রেলগাড়ীদগী কুমথখি রোমা টার্মিনি স্তেসন্দা মথং অয়ুক্কি পুং ৫ মিনিট ৪৫ দা।

রেলগী খোঙচৎ অদুদ হেক থোকখিব অওইব থৌদোক; তোং-লিবশিং, কন্দক্তরশিং, খোংজেল, মিৎচুংখোঙদগী উবশিং কস্তুমশিং, লৈমাইদা চায়রিব অমোং–অকায়-চেজেং মুংজেংতু অতোংবশিংদা জ্ঞান মাংনিংঙাইনি। রেল দাবাদুনা পুন্নমক্কি য়াখল কোনশিল্লি। লেওন্না কাদু থাদোক চাক চাক্লনবা নত্রগা পোখাক্লনব থোকখিব মতমদা মাগী ফস্তমদা ষ্টেসন্দগী লৈরকখিব পানত্রব লায়রিকতু থনম্মি অমস্যং লায়-রিক্তুগী য়ারীদু মহাক হল্লক্তি ফাওব লেপ্পি। হঙ্গৎ হন্দা ট্রেন্দা কারবারগী চৎপদু মাঙ্গোন্দ তোয়রবনি। কম্পানীগী খরচতা ফার্ষ্ট ক্লাসতস্যু চৎপ অদু হন্দক্কিসিন মায়দে, লোকেলনি এক্সপ্রেস নত্তে। মাগী মুপী হেনরিটা অমস্যং মচাশিংবু এপার্টমেন্টা থনম্মী, ১৫, প্লেস দ্যু পাস্থিওন্দা (রোমগা মরী লৈনৈ), অদুগা উন্নদৌরিব মাগ চান্নবী কেসিলাগ রোমদ লৈবী মঙোন্দ হায়নীংলোবনা মানা তকশিল্লকইব য়াকমগী য়ারেপ পীরুবা হায়বদি পেরিস্তা মাগী মুপী থবক অমা ফংলনি মখোয় পুন্ন এপার্টমেন্টকী কা অমদ অনীগুব ইমুং ওইন লৈমিন্নব য়ারনি সিদনি।

য়ারেপ অদু ওস্থোকপ, পোথি হোংদোকপ (থম্মোইগী নত্তনা পুক্লিংগি ঈথীন্দগীনি) খোঙচৎতুদ থোকখিব।

লেওন হন্ন য়েংথি হৌথিব অমদি হজিক অমস্যং তুংগীস্যু থম্বখি অশাংব খোঙচৎতুদা। খোঙচৎতুগ পুনসিন্নথি অতৈ চৎথিবশিংগ। নিংশিংথি কেসিলাগ অহানব উন্নখিব রেল দাবাদু অতোপ্প খোঙচৎশিংস্যু মাইকৈ অনীমক্ত চৎপকান্দ, মাগী মুপীগা হোনিমুনগী চৎমিন্নখিবস্যু

থম্ন থেংথরগা ছুটিদ কোইক্লবস্থ।

রোমনা মাবু মমীৎ পেলহল্লি, পেরিসতি লাংকাংনি। মহাক ভাব তারক্লে মতুদি মহাক কেসিলাগ অতুক হাক্লা নুংশিনখিব নত্তে, রোমদা লৈবী কেসিলাগ নুংশিনখিবনি। মহাক্ল থম্বখি মচানুপা নুপী-শিংদ মান তৌদোব মথৌ। নোংঙাল্লমদাবুদ তথ্যাই তুমদ মঙওই হাওই মঙলান্দ অমুক চংলুই অমুক খোরকই অতুবু মহাক হৌথিবদ হকথেং-নথিবশিং অমদি মশাবু অম্লক মতিক মুন্ন খঙজরে অতুদি মহাক অনৌবা জ্ঞান অম ফংলে, অন্নংব মঙাল য়াওব। খ্বাইদগী কদৌবদি সহর অনীতুগী মহৌশা ভুগোলগী লাম্নভম থোকপতু কায়হন্দবা ....
মহাক পেরিসতা হনগ্রনি, কেসিলাকাও উন্নরমদনা। মী অমনা লীওনবু মশক খঙলে, মানা মসাবু খঙজবগুম, মতু পাঠক অমদা অপেনব অমনি: ব্বারীনৌ-তায়োন্দা অশেংবা মীশক অম থেংনবগী।

(৩)

ভলাদিমির নবকোভ (রুশ—১৮৯৯) ফ্রেঞ্চ, জর্ম্মান, ইংলিশ-সু হৈ। মাগী লায়রিক থর: সাহেব বিবি গুলাম, ভককককমদা লাক্লব বার্ত্তান, অমম্বদা নোকপ, খুংশা ৫ গী শাক্তেন, লোলিতা.........।
খ্বাইদে মমিং চংহনবা ব্বারীনৌ তায়োন; "লোলিতা"—১৯৫৫

Humbert লায়রিক্লি য়াম্ন হৈব, মবুকচেন্দি ব্বারক্লবা ইউরোপ-মচা আমেরিকাদ শেন তানব চংলুব্রা,......... মীয়াই চল্লে, পাগ্রানি চহি (৪০+), মান ঙাওনা পামজবদি চহি ৯—১৪ মরক্তা লৈবী লোলিতা, কলক্লবা শাহৌ-শাদা। মমা চার্লোট-হেজবু লুহোংখি নুপী মচাতুই মনাক্ত লৈব ফংনব। লাইবক থীবদগী এক্সিদেন্টা মমাতু শিথিবতুব হরাওখি, নুপীমচাতু মুখুৎ চল্লনি অপাম্ব মওংদা শিজিন্নরনি খঙ। চহি ১২ দগী লোলিতা মবুক শেংত্রবীবু, হমবার্টনা মমান থনম্বা কারদা পু আমেরিকা টুর চংজি অহোংব মোটেলদা খন্দুন থুং-লেক-চা।

মথং চহিদা লোলিতা লায়রিক তমহন্নবা নোংপোক্তা ঙক্কখি : বিয়ার্দস্লে গার্ল্স স্কুলদা। মথংদ অমুক ২শুবা খোঙচং আমেরিকা কোইব মোটেলদ পোখ্রা পোখ্রা মতুংদ তাম্নরক্প য়াওরে, লোলিতানস্থ খর খর ন্থম লুংশিহৈব হমবার্টগী নাহোক্লবা লাক্লরগ মমৈদ মাংথোক্কখ্রে মতুং ইন্নবা নিপা অমনা হু পুখ্রে। ········· মমৈদ হমবার্টনা লোলিতাবু মশা লুক্ক থেংনরে, লুহোংলম্মে, শেক্স, চিন্নম্মে, তুংইন্নকখিব নিপাছুই মশকস্থ খঙনরক্লে : মমিংন ক্লেয়ার কুইল্টি, লীলা-লোবব অমস্থং সন্দ্রংইনব। হমবার্টনা শন্দুংইনবত্থগী অমুক মতুং ইন্নরগা অঙাও অফৈগি মীহাংতা হাংতোক্লগা জেলদা চংখি। মহাক্ল তৌব্লব মরালন্থ কোংদোক্লপ চেদি লোলিতা শিরগা ফোংগনি হায়খি।

হমবার্ট নোবোকোভ মশামক মাল্লি হায়নৈ। অবাইব আমেরিকান ইংলিস্ত ইখিবনি, জোইস, ইলিয়ট, প্রাউস্ট, ব্রাউনীং······ অতৈ কয়াগিস্থ বাখল-লোন্দা পাক পাক মতৌ তমখি হায়ব উনৈ। নবকোভনা হায়খি : খংলগে খংলবদি মন্থ, কমৈদিদগী কাপথোরকপ মঙালগ, মপাঙ্গল লৈব মীনোক্ল-বারীগ নিংখিব কবিগী মচীং হৌব মতমদ কাপথোরকপ শিংলীগ পক্ল-বাইনদর নত্তে। মখোয় মক্লীমক "ললিতাদ" থেনব য়াই।

মাগী 'Ada'—1969 দা the very incestuous love affair between Van and Ada occupies nearly 600 Pages, খং খং লাওব থস্ত্রক মত্রককি লৌনব য়াদনা স্থংশি স্থংকোংনবগী ব'রীন লামায় ৬০০ লোম কল্লি। কারদে, পৃথিবীগী novelists কাওব্রবশিংগী মহৈ মতৌ ভম্বদ পেনামুক লায়ন হৈব নিপানি। তৌবদস্থ নবকোভসি প্রাউষ্ট, জোইস, কাফকা নত্রগা Mann গী অম্মেবা থস্থংহুদি, বাংলি।

(৪)

গন্থরগ্রাস (জর্মান—১৯২৭) লাম্বাউ অনীশুবগী মতুংদ নহা ওইন য়াম্না মাইপাকখিব লেখক্নি। Theatre of the absurd হাম্না ইরুম্নগা মমৈদা বারীনৌ তাৱোন্দা মীবু হুম্ব-থাদ মরৈ তৌম Satire ইখি। ২০ শুব শতাব্দিদদি মাগী কলম মচিনদ্বহৌম্ন থৌব, থীন চিকপ ওম্ব য়াওদে হায়নৈ। নবকোভন্থ ইদি ই হায়কবু ইফা কাদোকই। মকম অমদ শাথীনা য়ুদে হায়।

The flood— ইমুং অমগী বারী ঈশিং য়াম চ'উব কান্দ য়ুমথক্ত দার্শনীক উচি তুমাগ থেংনব= emergency "হা-কম্নো (অরাক-অথং) লোইপ্রগ নীংদোনচোংব লেপখিব, মঙলান্দ পাইব তোকপ ···· ··· মাংখিবগী অরাব ফোংব········ absurd লীলা থর ইরম্বদগী বারীনৌ তাৱোন্দা ওনশিল্লক—১৯৫৯ দা "The Tin Drum" মুংঙাইন ফোংহুন মমায় কজনা পার্কখি। মাগ ওন্ন তৈনবনা Samuel Beckett না Nouveau Roman কম্না ইরম্বদগী The Theatre of the absurd ওনসিন মাগী পীথোরকপ থুংই ওইরম Nobel প্রাইজ ফংখি— "Waiting for Godot" ইজুন।

মাগী অফাওব বারীনৌসি মীতৌ-ভম লাক্লব থুংই (Parody) ওইন ইখি— Personal development কী বারীনি তৌবগিদি। অমরোমদা জর্মান ইতিহাস অঙমব ২০ শুব শতাব্দিগী ওইন তৌ-নাজী মতাং অমস্থং লান য়াওবা।

Thomas Mann গী "Doctor faustus" হায়ব উপন্যাস্থ মপা তম্না থাত্রাংনা ইনব হোংনখি।

মক্ক ওইব মগুন্দি—: এনর্জি লৈব, ষ্টাইলহু মুংঙাইপ্রবা, মিদল ক্লাসকি মমল নাইথথৈ থাজংলগা থীন-লান থাদব; জর্মান সভ্যতাবু কম্রেম-কথাইমব মসিল্লাং ওইনা, অত্তগ ভূট প্রেংকি মরমদা নোক্লব হায়নব বাঃ থশাঁসী-সগাই কাগীকা হন্নমব কন্নিশুবদা।

ইং ১৯২৪ দা Danzig তা পোকপা, কোক্নি বেরা লৈব অনাব অম ওইনা এক্সিডেন্টগী, ওস্কারনা 1st person দা বারী লীখি। চহি ২১ শুক্রিকাওব ফুট অহুম বাংখিদে, অঙাও অফৈক্তম তৌখিব লায়নীংব রাসপুতিনগী মতৌ তম্ব, ঙাওশিন্নব য়ানব লক্লবদ শাওদনব লৌশিংনি। Thomas Mann গি মতৌ তম ওস্কারহু rational (জ্ঞানলৈব) অমুক ওই, irrational অমুক ওই, জর্ম্মানীবুস্থ অহুম হায়ন ঙাওরি-হল্লি। ওস্কারগী থৌনা থৌরমশিংদি মুংঙাইগ্রবক্তাং ঙাক্লি—: নাজীন লেকচর পীবকান্দ মহাক প্লেটফোরম মথাদ লোংলৈ (ফুট ৩ বাংদে)। ইং ১৯৩৯ দা জর্ম্মানীন Danzig লৌশিনব মতমদ Poland গী Post office অম কনব য়াওক্লই। ইং ১৯৪৪ গী June থাদ allied invasion গী মমাংদ ওস্কার Normandy ভোর্ব্বান য়েংব চংলুই। .... পূম্নমকসিবু পুনশিল্লিবা থুত্তমদি ওস্কারগী টিন ড্রম (নত্রগা ড্রমময়াম) .... মহাক্না ড্রম পামজবসি: জর্ম্মানীগী পোং অমদ মিত্ররংগুম্ব মগুন লৈ থাজরম্ব (ইং ১৯২৪—১৯৪৫) অহুঙৈগীহু লক্লব মতৌনি। অমরোমদা ওস্কারন Drum থিল্লিবহু মাগী অকোইবদ লৈরিব থিবিকপু য়ানীংদব ফোংদোকপনি: মতিক মরল লৈবশিংবু ইকাইথুম্নবতাব মাগী ইমুং য়ুম্বান নংব মোংপ, জর্ম্মানীগি ধমকা (পোংজব), নাজিজমগী মঙাও। টিন ড্রম অমসুং মথিন্দ্ নাজিজম মঙাও থোরকহল্লিব ফাগীদি মাল্লগ শাথীন মাংহন ভাকহনব ৎম্ব পাঙ্গল অরোনবহু তাকপ থুত্তমনি। মতাংসিদ গ্রাস, Thomas Mann দগী কাক্কাগন হেন্ন মাৈন্ন। মাগী Symbol সি চন্না চন্নাই, অর্থ ২/৩ থোক্ল হন্দোক্লব য়াই। মহাক্না কাক্কাগ খেন্নবদি: মপাম্বোংদ মহাক ফাগীফারাং মালহল্লি, থক্লংদ য়ুম্তম ওইন কন থরাই চংন লৈক্সরবস্থ।

ডাকুন হেরো শাব থৌনা থৌরম কয়াদা য়াও, সার্কস টুর মতুং ইন clown শাব Bebra গা (নাজি প্রোপেগান্দা তৌখিব Goebbels মানব) লোইননা চংপদ ওস্কারবু মীহাংপ শীখি— হাংলুবদি য়াওদ্রগ মরাল লৈদি মশান থজনব, শিপ্নিবনা ব্রোনস্কি অমসুং আইম্ন শাহনব

মপা, মতৌদ অঙাও শঙদা লৈরুব Thomas Mann গী Faust শাবগুম লাইমুগী মতে, অনৌব পুখোকঙ্ব—মমৈদ ভাওতন লোইব, শিদি শিহন্দব, মমৈদ ভাব তারকপ ; "I will drum out the little ditty, which has become more and more real to me, more and more terrifying. নোভেল শিংদাক anti-novel ইব মরু ওইব লেখকশিংগী common ওইব factor শিংদু করি করিনো ? মতুনা anti-novel শাগৎনরোল ওইনভম থোক্লে। খেন্নবশিংহুন মা'মৌগি individual genius কি খুদোন ওইব তারে।

Highest Common factors :

1) Novel গী চৎনরোল Plot— (মতুনা মরম ওইদুনা মসি থোক্লে) হায়বদু হন্দ্রনব (তেনশিনহনব) য়াওহন্দবগুম ভৌব।

2) ৱারীদ চ ব মীকোক মীশক মশাং য়ামহন্দব মমিংফাও থোন্দব য়াওবা K,A,M কা হায়রগনু খঙনহনব··· ····।

3) মতমসি তোযনা শেৎতৎলি, মথং মথং চৎথবা ইতিহাসকি মতমদু থোশানদব। করি লেমাহৌবি ?

4) মফম, পোৎচৈশিং শুন্দ্রংদা, থেংনব থোদোক অঙকপ, জ্ঞানগী তৌরকফম থিব, লোন, পুক্লিং ফিভম।

তেনশিনহনবসিদ নোক্লিংইদি নম্লাই ওইন তেলহঞ্জরো তাকপা অসুম অসুম : পাকফোংদা ঙকহনবগুম তৌবা মতুসু মুংঙাইবজাংনি। নমথাক্কি যাওদ।

1969— Oh ! Calcutta গী Prologue (প্রস্তাবনাদ) Samuel Beckett না ইথি :

rubbish, naked people, (শোন্না তেনা কপ্পা, অমদি নিংশা মপি)— মতুন লোইরে।

কনা কনাই প্রভাবতগী Novel অনৌবশিংসে খোন্নকথি হংবদা য়ানখিবশিং ; মরু ওইনা জোইস, কাফকা, প্রাউষ্ট, ফোক্নর-কামু সার্টরে ············ ।

অনৌব খুৎইসি Cause and effects কি গন্ধর্ব্ব বিবাহদগী পোকপ mechanistic Sequence of events— থাজত্রে, লায় ওন্দুন মীগী থম্নংবু লোয়ন খঙব শাবম্ন তম্লি। নোল্লকই অটিষ্টকি দায়ীত্ব খঙডি ········ subjective স্নু ওই objective স্নু ওই ············ ।

মথক্কি ৱারোলশিংসি পারগ ইব হেক্ত হৈরগত্রা?

মুন্ন খঙলগ য়োৎসিন, য়োৎখিবশিংদু ফজনা তুমহনব ঙম্মবদি Practice খর তৌরব মতুংদা ইব ঙম্মনি হায়ন থাজে।

থুমহন শাননবা ৱাহং খর:

১। পন্দূপ ৭ শুব রামায়ন (বাল্মিকী) ৱারীনৌ মচা ৭ তা ওস্থোকউ। চীংমী পাখঙ লৈশাবীনা মতম খিৎতংদা রামচন্দ্রগী লৈবাক মীয়াম নীংব পুকচেল অমম্নং সাতাগী লোবুক্তা কপ পোক্লগা লৈন্নংদ কপ চংখিব ৱারীদু তাহন্নব।

২। মিস্তাংব হোমরগী ইশৈদ য়াওখিব ৱারীচৌ ২ "ইলিয়াদ" অমম্নং "ওদিসী" দু ৱারীনৌ-তায়োন মচা ২০/২০ দা ওস্থোক্লগা ছাপা নম্নবদি মণিপুরী লেখক অতনব কয়াদ কান্ননি? পাবিয়ু য়াত্রবদি কান্নরোই অদুস্ন।

৩। মহাভারত্তকী হুবা ৱারীচা কয়াগী মতেং লৌনা নিপা ন্নপী কয়া মনা অচৌবা কয়া ফংনব্রে? ওব্বা অতনবশিংন ছাত্র ছাত্রী কয়াদা তাকপি তম্বিনব মহাভারত্তগী ৱারীনৌ কয়া তায়োন কয়া য়াম-ত্রবসু ১০০ মুক্তং ন্নুংঙাইথোই থল্লগা ছাপা নম্নবদি মণিপুর পুম্বগী কান্নরোইত্রা? লেখকশিংন মদু পারগা নোংথক্তে লায়রা ঈথৌল কয়া থেংননি?

৪। Arabian nights 1001 ৱারীশাংশিংদু অনৌব লেখকশিং-ছাত্র-ছাত্রীশিংদ শন্না পাহন্নব ৱারীনৌ তায়োন্দ ওস্থোকপ য়ারোইত্রা? কনানসু খিংবিত্রবদি খর হেন্ন ন্নুংঙাইব থন "আলি-বাবা + ডাকু ৪০", "সিন্দাবাদ" আলাদ্দিনগী থাংমৈ"······ কা হায়বদু মিনিট ২০/৩০ দা পানব ঙম্নব হাপা নম্ব—, মুন্নদ

লৈরগ থম্নবা য়াম্রা ?

৫। "কার্ভেন্টিস সাভেদ্রাগী "Don Quixote De La Mancha" মীতৈরোন্দা হন্দোক্লগা পানম্রবদি মী লরুব হৈরোই, য়াওশঙ হয়েং অহিংদা। অপঙ-অখৌ কয়াই থৌনা-থৌবাংশিংহ্ মচা তান তেন্না রারীনৌ তায়োন মচা মচাদা ওম্মোক পাহল্লবদি অঙাংশিং নহারোল অইবদ য়াম্না কান্ননি। কনা কনানো উচি অথৌব হৌদোং মঙক্কা ছরীক য়াল্লুদৌবা ?

লীলা শীদোকপ লীলা তায়োন

Theatre of the Absurd

ইং ১৯৫০-৬০ গী মরক্তা পেরিস্তা পোক্লকখি— য়াম্না য়াঙনা ইয়ুরোপ্তা, ইংলণ্ডা অমসুং আমেরিকাদ শন্দোকখি। anti novel গা মরী নৈক্লৈ, সেমুয়েল বেকেটন মরুওইন মখল অনীমক্ত ইখি।

Albert Camus গী অয়াম্ব লীলাদি Existential, অহুবু Absurd হায়বা য়াহৈংসি মঙ্গোন্দ পুনরকপ ওইর্ম্ব য়াই। The myth of sisyphus (1942) কি য়ারীদা শাপ পল্লবা নিংথৌনা লুমগ্রব চক্রী নুং ১ চীংখাদৈ চীংদোন য়ৌন রানা ইনথৎপ, চীংদোন য়োবগ অমুক হেক্ত চীংথাদ ওম্ববা, তাইবং মীগি দশা absurd life কি মতৌ উৎখি, মপা লৈতন ফজব।

"A world that can be explained by reasoning, however faulty, is a familiar world………" মরম খিগৎ বিচার তৌর খওবওব তাইবঙদো মরাল থর লৈজরবসু, খঙন চানরব সংসার অমনি। অহুগা অওইবনি থাজরম্ব মঙলান্দু খঙমাং মাংগ্রবা, মঙাল মুৎগ্রব মালংবান্দুদদি মীনা মশাবু শকখঙনদব মীনৌ ১ শুম

খঙ্গরকই। লংকৈদে লাকপা ময়ম মাংপ্রবা, চংজতম ফংনি ছায়বগী আশাস্থ লৈত্রব মীয়ান ১। মীগ মপুন্সিগ খায়নরব, এক্টরগা মাগী খোকফমগা শেংনরব মতমদা (Absurdity) অওইত্রা মওহায়া তৌরি-সিবো হায়ব চিংনব ১ পোক্লকই।

Absurd is that which is devoid of purpose........

কৈদৌবৈনো হায়ব খওদম ভৌবহু এবসার্দনি। ধর্ম্ম থাজব নহান মপোক, অধ্যাত্মিক জ্ঞান, থরাইদি মাংলে, হয়েং মাপাক্তা থাজবন চিংবসিগ ককথংনগ্রবদি মীদি মাংলে মাগী থবক খিবিক অর্থ য়াওদ্রে absurd ওইরে।

10, October 1947 দা কাফকাগী 'The Trial' হায়ব Novel তু ফ্রান্সতা stage দা কাবক কাবক লীলা ওইনা শাম্লখি—জা লুই বেরাউল্ট অমস্থং এান্দ্রে গাইদেনা মহুই Hero Joseph K না মরালগী মওলাক্লব মতৌ, আইনগী মতাচাদব পাঙ্গল, ভাব ভানবা হোৎনব কাম্নদব......... হৈজদা মমি তাহনব বুদ্মে ওইনা লীলাগুম য়েংনখি। **Martin Esslin** হায়; **"The Trial" was the 1st play that fullyrepresented the theatre of the Absurd in its mid twentith Century form.**

Pirandello গী **'Six Characters' in search of an author** কা হায়বহুস্থ অচুম্ব খিবদ ওক্লরিব লীলা জাংনি। **Sweden** গী **Strindberg** কি **"The dance of Death"** কা হায়ব লীলা জাংতুস্থ **absurd** লীলা খোরক্লব থিমব লম্বীদা য়ুংব মাইল মুংতাক্লি।

Surrealist Play মওহাওই ভৌবা লীলা, **existentialist play**— হিংল লোইয়ে উৎপ জাংতুদি মওংমতৌদ **well-made play** গী তুং ইনবনা **absurd play** কৌনদে।

The theatre of the absurd ইরিব-শিংবা উৎনিংলিবদি হেনহু হেলহন্দ তাস্থ তাহন্দা মশা মশাগী মীংতা উমব তাইবংপান্দু-নি। **Ionesco, Beckett, Genet,** অমদি **Adamov** খোয়গী লীলা

stage দা উৎলকপা মতমদা মখোয়না ভাবোক অমদি critics শিংবু ভকহল্লি। মখোয়দি হায়া খন্ডন উনরব well-made-play শিংগী মতৌ মওংহু ইন্দে। Character শিংগী মচৎ মতৌ শাজৎ লীচৎ, dialogue, ভাবোক মুংভাইহনব কপাব নোক্‌ন মরৈ য়েৎনব য়ারী অহৌবা ময়াই অরোইব নাইবছু তৌদে। কদাইদৈনো থাক হৌখি কৈদৌরবনো থক হেক্ত লোইশিন্নখি। Drama অমনি হায়বদ মতিক চাত্রা চাদত্রা চিংনিংভাইনি। অঙকপদি মখোযসি মমল লৈরক্লে, পান্নরক্লে অংম অংম বেকেটকি "Waiting for Godot", Ionesco গী "Bald Primadonna" য়েংব চংনরে (পেংগ্বিন্ত) য়ারী শান্নব লক্লনব মায়াম শিম্নবদ fashion ওইনা। বেকেটনা লীলাহু ইব কান্দ য়ারী ১ লীগে খনবিদে, মহক্না ভাবোকপু মথুম হনখিবদা সমস্যা অম নৈনবদ মায় পাকত্নঃ হায়হন্নীংদে, মান তৌনিংদবহু তৌদে শুহ লীলা মান্দে হায়রুবগী কান্নদে। মহাক্ন ভাইবংপানবু করম্না য়েংখি, বরি উখি— মহুই মীংনা-উ শক্তমহুনি মাগী লীলাদা উনরিবহু। আর্টিষ্ট অমগী ওইনা vision of the world হু উৎথোক্তন লৈব ভমদবদগী থোরকপনি।

Ionesco গী "Amedee" দা মীয়াই চল্লব নীপা ১ মাগী মুপীগ ফিভম অমদ উৎলি, ভাইবংগী অওইব মান্দে। মখোয়নী, ইমুংহু খাদাক্তব চহি য়াম্মে। মুপীহু Telephone Switch board শান্নহুন শেন তান মবুক থল্লি। নিপাহুন লীলা ১ ইরি, অহুবু অহৌব পরেং খর নক্তনা মখা ইথত্রি। ফমুংকান্দ অশিব হকচাং ১ লৈ, মহু মুপীহুই মরুয়ী মপুরোইবনা হাৎখিব ওইবহ য়াই— থেংনব কান্দ, নক্রগা হুরানব অম ওইরম্ব য়াই নক্রগ হুম কোইরবপ অম। ভকইবদি খাইদৈ, —মখোভহু হুম হুম শাংদোরকপ চাউথোরকপ Geometric Progression, দা ফহনব ভমদব, অশিবগী লায়না! মতগী মতৌ অম উৎপ, Logical ideas য়াওদে, মংদদি images গী association দগী মখোভ চাউথোক শাংদোক অভকপ মভলান উৎলিবহু Poetic image নি।

মওহা ওই কবিনা উব মমি, অর্থ কয়া লোংব য়াব হৌগ্রব মরাল, মীহাৎলুবগু চাউখোরকই শাংদোরকই হায়ব য়াই, মতম কুইরপ শাখীব হেনব- ছুংশিব হুম্বরকপ- শিখিব মাংখিব Absurd play শিংছু মওলাম ভাক্নি হায়বসু য়াদে। পুন্নমক্তা Poetic Image অছু focus তাহন- বনি। Traditional play শিংনা য়ায়ী অম লীব নত্রগ লৌশিং টংব সমস্যা অম ফোংব মরৈ য়েংনহুমা—, Absurd play না Poetic Image অম নত্রগ থর উৎপনি, মওং মতৌস্থ Poetic form নি, মক্ক ওইনা Static ওই, Traditional play শীনা dynamic ওই, মাইকৈ অমদা য়াওনা থৌই।

Absurd plays না উৎনীংলিবদি অওকপা, ভাবতাবওমদব, নীংবকায়ব, চুনদব, অর্থ থোক্তব ফিভম তাইবংপানগি।

Well made play শিংদনা তাইবংমীবু চাউখৎহনব য়ানি ফগৎহনব য়ানি থাজব, অর্থ লৈব তাইবংপান্নি, Reality সি মপুম ওইন লৈনি কায়রোই থাজব।

Absurd play দনা করম্নো থরাই চাকপা—: থাজবশিং, মমল নাইব ময়েক শেংন লুন তৌনরম্ব দান, ধর্ম্ম তৌবিমল খওবগুম্ব মাং- খিব উখিদবদা। লায়বু থাজনরক্তব:

1880,s দা নীচ্চেনা: নখোয় লায়হুদি শিখিব কুইরে।

Hitler না মতম থর ৩ৎ নৈরম্ব, ২শুব লাঞ্জাওদা Stalin না Soviet Union বু কংস-জরাসন্ধ ওলহন মীয়াম ওৎখিব হাৎখিব— barbarism নিংশিংহনখি লান্দুংদ, নোংচুপ ইউরোপ অমসুং ইউ,এস,এ, না মশা মশাগী ওইজব খিব, মপান্দ অক শাজিন ময়াম চাউখৎ থোরাংনি লাওশিন।

লোম্ন মতম অহাংব মেরব মোম্পাক্ত য়েংদৌমপান হানবগুম শিজিনৈ, মীগ মীগ অশেংব থস্থং কোং য়ারী শানীংদে, থাজনরে। 'ক্লংশা শারে, কুমশিদি নোং থর য়াংলে লৌ পানব য়াদে; তাস্থ তায়ে নোংসে সোমদ, ঈশিং চাউদোরে— তুরেল পাথত্রাও?

বেকেটনা মাগী "Waiting for Godot" তা Lucky গী speech তা ফিলোসোফী অমসুং সাইন্সকী লোনবু লৌরুহল্লি "Bulk of everyday conversation is largely devoid of logic and sense অয়াম্বনা nonsensical অঙাং লৌরবশুম ত্তৌই। Well made play শিংগী Polished logical dialogue শিংছু অওইব নত্রে— realistic ওইত্রে। Absurd play দা য়াওব লোন্দা য়েংদোপাম তিঙ্গোইশিংছুনা হেন্না realism গা নক্কব তারে।

Anti-literary theater ওইব absurd play শিংসি ফ্রান্সকী critic Artaud না theatre of cruelty কৌই। করিগীবো চায়বদা তাইবংপান্দ মীওইবগী শাথীরব কিনিংঙাই ওইরব কিতমশিংছু ভাবোক্না খঙহনবগী।

Absurd play খোরকপ ২শুব লাজাউ মতুংদনি— পেরিস্তা।

Genet কি "The Maids" অহানব উৎথি পেরিস্তা ইং ১৯৪৭। Ionesco গী Bald Primadonna (মকোক তাংবী মকোক চিংবী) অমসুং Adamov কি অঙনবা লীলা থিবিক ইং ১৯৫০ দা ফোংথি। Becket কী "Waiting for Godot" সু ১৯৫২ দা পেরিস্তা অহানবা ফোংথিবনি। Paris না এবসার্দ প্লেশিংগী পেয়েনী, লেখক অয়াম্বসু পেরিস্তা মুমদালব ঙাক্কি।

Absurd play wrights শিংনা ইরিবছু পায়গ বক্করবদ extravagant fantasies কা হেন্দোকপা মঙলান্দ ঙাওব অওইবদগী য়াম লাপ্ন লৈব মানবশিংছু মপান্দ অওইব মান্ন উৎলিব realistic theatre শিংদগী হেন্না নক্ক অওইব মাল্লি হায়ব য়াই। থমুংগী অচুম্ব উৎপ থিব পুক্নিং লৈরোল মথাদ লৈব অচুম্ব পুথোক্প, মপান্দ থর্মনি অকবনি অচুম্বনি খম্ন লুংঙাইব শোইত্রে লৈথোকপশিংবু ভাব তাহম্নব 'নীংব কায়ব', অফি অথং, অতাংব অচুম্ব উৎপ জাংনি। "Theatre of cruelty" না মঙ মঙলিব ভাবোকপু মিৎকপ খোকহন্নব হৌদোকপনি— "নথন্দনি, অর্থ লৈত্রে তাইবংপানসিদ"— নীংব কায়রো কল্লো হায়বথি

নত্তে ভাব তারো মোক্লো হায়বনি।

এবসার্দ প্লে করিনো করম তৌই, কনা কনান ইথি .... থরদি খঙলরিনি। Anti-novel, nouveau Roman ৱারীনো-তায়োনগা anti-theatre or theatre of the absurd কা করি করম্না খেন্নবগে ?

১। ৱারী অম লীথব, walking literature (dialogue) ৱারীমচা লীলা মচাদা অসুম অসুম চথে, 'অহৌব' ময়াই, অরোইব শরুক dialogue কী মত্তেংনা।

২। লীলানো তায়োন্দদি থোইনা dynamic ওইদে, শৈরেং অমংম্না Poetic vision অম static ওইনা চথহন্দন লৈবগুম তৌই।

আইওনেস্কোগী "Amedee" দা মতৈ মনাও অমসুং অশিব হকচাং অম চহি কয়ানো কা অমদ ফম্নগ মমঙ মঙবা অশিবগী খোঙহুন চাউথোক শাংদোক কিহল্লকপগী ৱাইচিনব ফিভমহু তাকই, থারি। শেমুয়েল বেকেটকি ''Happy Days'' (নুংঙাইব নুমিৎশিং) হায়বহুদ Heroine শাবীহু stage মরাইদা মথাংফাও ফুমজিল্লগ মিংশেল য়েং, শমজেং হাং, ছাতিম থন, মপুরোইব অনাবহুগ ৱারী থর শা......... ৱারাল ঙাংদনা লৈরম্বদগী Hair (শম) বু করি নহর হায়নি ? it নত্রগা them হায়গদ্রা হংলুবদা 'it' হায়ন খুম্মকপদা, নুপীহুন হরাওব : "it is a happy day" হায়ন লাওব.........তাইবং মীগী নুংঙাইববু লরুব মতৌনি। লীলা মীকোক, মতম, প্লোট .... Nouveau Roman ৱারীনো তায়োন্দা তৌনবগুম তৌই।

"Waiting for Godot" তা মীকোক ৪ মরু ওইনা অঙাং ২ গা এক্ট ২ দা ৱারী থর শাগুম তৌ, "The Chairs" হায়ব Ionesco গী লীলাহুদ হনুবা মতৈ মনাওগা মনা পংব-মরোন শেংদব ১ গা মথোয়গী পুন্সি ৱারীহু ৱাখুলহু............ লীখিনব শিন্নরম্ব অহুগ মতৈ মনাওনা ইশিংদ মন্নিং থুংলে

হুংডাইরে খন শিজোকখিব সীন অমদ শন্না অচুম লোইশিল্লি।

পাইদে অমুক হেক্কংনা সেমুয়েল বেকেত্তি মাগী মনা ফংব লীলা Godot ঙায়বদা লোনগি মমল হন্থহনব ফাম্নদব মতৌচু উৎলি; ঐখোয় চৎসি? কৈ, চৎশি দি হায়নরগ চত্তি চত্তবগুম্বা।

৪। এবসার্দ লীলাশিংদা মথং মথং থোকপা থৌদোক উৎনব খোশাদে, করিগুম্ব ফিভম অম, লেখকফি ভাইবংপান অম, চৎনব য়াব শক্তমলাক্তি মহুৎ; লোনগী মমল হন্থহনবা, logic য়াওদবা, মরম চানা য়েৎনরগ পুথরকপ ফাথল অমম্থং লোন্দা য়াওদব; মী অনী মরক্তা ফাওদোক ফাওজিন ভৌনব লোনগী খোঙচু তেক্রবগুম। অশেংব এবসার্দ লীলাদদি মথংদ করি থোক্লনি হংনবচু নত্তে মমাংইগী লীলা অরিবদা ভৌবংমম, য়াহং হংব তারবদি; করি থোকইবগে? থোকইবসিনা নত্রগ থোক্তবসিন করি তাকইবগে? উৎলিবগে?

৫। মতমসিদ এবসার্দ প্লে ইরিবশিংদি : বেকেট, আইওনেস্কো, Genet, পিন্টর, এলবী অমম্থং অতৈ থরগা মখায়না শীংথানব য়ারব লীলা কয়া ফত্তে হায়নরব পুথোকখ্র।

সেমুয়েল বেকেট।

ং ১৯০৬ তা বেকেট দব্লিন সহরদা পোকখি। ইং ১৯২৭ তা টিনিটি কোলেজদগী মোদর্ন লেংগোইজদা দিগ্রী লৌখি মতম থর দব্লিন্দা ফ্রেঞ্চ তম্বিখি, পেরিস্তন ইংলিস। ১৯৩০ গী মমাংদা মাগী ওঝা নি হায়ব য়াব জেমস জোইস থেংনখি (ফিনেগান্স বেক ইরিবগী) —: মচু মাগী মপুন্সিদা য়াম মক্ষ ওইব থৌদোক অমনি। মরমদি মাগী "গোদোট" অমদি এন্দগেমচিংবা লীলা কয়াদা জোইসকিগুম্ব অথমব য়াইহেনাচোম (phrases) য়াওই।

মাগী বারীনৌ তাপ্নোন

(নোভো রোমান) — ট্রিলোজী

ইং ১৯৫১ দা "মৌলোই", ইং ১৯৫১ দা "মেলোনী দাইজ", ইং ১৯৫৩ দা "দি অন নেমেবল" .... কাষ্ট পারসন মোনোলোগতা হৈব স্বগত', থপুং নৈরপ ঙা কাবগুম ;—প্লোট কেরেক্টর সুম সুম তেলহনবা হন্থহনবা ।

ইং দা ১৯৫২ বেকেটনা কোংখি : "এন এটেনদেন্ট গোদোট ।" মথংগী চহিদা পেরিস্তা শানখি । ক্লাসিক একজাম্পাল ওফ এবসার্ড থিয়েটর অমসুং কাংলুপ্তুগী খুইদগী ফজবা (masterpiece) ওঝাই খুংনি হায়নখি । মপানা ইংলিশতা "ওয়েটিং ফোর গোদোৎ" হায়হনা হন্দোক্লগা কোংখি ইং ১৯৫৪ দা "এন এটেন্দেন্ট"— while waiting for ভাররিঙৈ মসুংদ । গোদোট কি অর্থনা লায়মচা হায়ন লৌব য়াই ।

লায়মচা ভায়ব, শিব ভায়ব (অহল ফত্তবা), চাউবা ভায়ব (অভাং ফত্তবা) পহিলা তারিখ তলব ভায়ব, জেলদৈ থাদোকপা ভায়বা, লোটরী টিকেট ফাওরকপ ভায়ব,........... ভার্যারিঙৈ মসুংদা লেনব মতমতুদ করি তৌখি, তৌখিদে—?

বেকেটকি মীৎন উ (Poetic vision human life কি (metaphor) মায়ব শকওংলাক অমা উৎপনি ।

এক্ট ২ দা শন্না লোইব লীলানি Plot ইতেন তেন ইচম চম্মি । লীলা মীকোক ৫ দনি : ভলাদিমির, এষ্ট্রাগোন পোজো', লকি অমসুং অভাং ১ । লৈবাক তোঙান তোঙানবদ কৌমব মিংদা ভাক্কি । পুন্সিগী অরা অনং শকওং শাথীম চুন্না লরুব থুংইনি । দাইরেলোপ্ন মথং মথং রারী লীথরকপ হায়গী লীলা জাৎতু মতে । শৈরেং ইবদৌনা ভাইবং পুন্সিদা মাগী মীৎনে উত্থ অনুম অনুম তৌই উৎপ থাবদনি । লোনগী মথলসু হন্থহল্লে, ইকান কারদে উৎলি : ইচম চম বাহৈ রাতা দাইয়েলোগ ভাক্ত শিজিন্না । য়েংবদা ভাবদা ঙকই, মুংঙাই, কাপ্পী দাদি, ফোংনা নোক্লগা লোম্না কপ্পিংখজাংনি । চৈঙদা উৎপদা

জোরদান তুরেল, জমুনা তুরেল, মপাম উত্তে। তাৰ্থিক-Tramp লায়কম কোইচৎ অনীদো —: ভলাদিমির এষ্ট্রাগোন থোককমত্থ ফ্রান্সকী লৈকংলা মানব— অশিংপা লৌবুক অমদা মনাকংলেব উপাল অমদি য়ুংই। হিংনলম্বীদা লম্মাংনরব মিপা অনীত্থম য়ান্নী শাবদ ময়ুম মকৈ লৈজদব নিংথিন চাব থকপ কংজদব লায়বক থীরব মীশক মায় উই। বাইবলদা হুয়ানব অহুমত্থুই মরক্তা অমদি কমবিথি হায়বত্থ মথোয়নী থাজৈ, কনবীনবা লায়মচা (Godot) উমদ্রীং মথোয়নী ভায়রি। অহানব মতাংগি অরোইবদা অঙাং অমনা ভাক্লে: "ঙসিদি লায়মচা লাক্লরোই, হয়েং লাক্কে হায়রকই হায়রুনা ভপ্পৈ।

মথোয়নী চংলসি হায়নৈ চৎতি চৎতে, অহুম লৈ লৈগু্রা। অনীগুব মতাংদগ্থ লাকপ ভপ্পরোই ঙসিদি হয়েং লাকে অহুম হায়রুনা অঙাং অমমা ভপ্পৈ। অহুগ অহুম লেগুব্রা ভায়হৌব উংলি চংজনা। মরক অহুদা মথোয়নীনা মথোং হুক্কবা পুন্সিগী য়ারী শায়।......... অতোপ্পা মীশক অনী: লক্কি (Labour), পোজ্জো (Capital), মনাইগ মপুগ শা, থৌরীন মখ্বাংদা পুল্লগা পোংলুম পুহুনা লক্কিবু চংহনব, মখুত্ত হুক্তর পায়হুনা হোয়ব থৌরীত্থ থপ, থোব মহাজন শাবি পোজ্জোনা। মথোয় মরীগী ফাগী মানঞ্জব থেংন থৌদোক নোক্লিংনদি উগ্রব ফাগীদি নত্তব, অচুম্ব পুন্সিগী লৈত লায়রব মীনাইগী মমং,......... মহাজন্না অনীগুব মতাংদা মমীৎ তাংবনা লক্কি থাদোকপ য়াদব অৱাথ মত্তৌ......... অহানব মতাংদা মহাজন্না চাব লোইরগ হন্দোকপা শক মচেৎ এস্ট্রাগোন হরাওনা থুনবা চিকপ, কারক্ত মচেৎ চাখাক্তুম ফুরিং-থাউদ্র হাপ থমজিল্লগা............ লক্কিবু নমহুনা য়া ভাংহমব: অনুপ্রাস য়ায় য়াওব অর্থ লৌভমদি থঙদব লামায় ২ হেন্ন শাংব বক্তৃতা (য়াফোং ১) ....

২শুব মতাংদ পুংশিঞ্জব ইশৈ ১ ভলাদিমিরনা শকথি:

চংলকথি হুই অমা চাকশংদা

অহুগা চিংথকই ভন মচেৎ অমঙাদি

বুজারীনা থাবৈ অম পায়খৎ
ফুন্দংখি মাবু শিত্রিব ফাও।
অছুদৈ চেল্লকখি হূইয়াম পূম্ব
তৌবিরখি মণ্ডম অম মাগী
অছুগা ইবিখি মণ্ডমূংপাক থক্তা
হয়েং হূই অতৈনা মমিংখিংনা উজনবা।

শকপ লেপ মুংঙাইতনা চিন্তা তৌখি

মছুদৈ এস্ট্রাগোন থোরক উম্মখি মুংঙাইমিমৈ তিন্নবগী মতম্মা অওনব পুরক্লে, কংনা উরম্ব উপান্দু মনা ৫/৬ য়েম্নীং হুনগৎপ উরে, পোজ্জো মমীং তাংলে হন্নুরে, থৌরী তেম্না লকি শোম্বয়বন চিং পুরে, তুরে চিংখংনৈ মান……… য়ারেম ঙাংন মতম সেনব— থৌরী য়ান শিবস্থ ঙমখিদব তূম্বস্থ য়াদব, কাট্টপ্রব মিং নিংশিংব, পোজ্জোনা তুম্বদগী নোংম হৌগংখি য়াইথী-য়াইফনা মমিং তাঙবগুম।

কৈদৌঙৈনো হংবদা খুমখি মীংতাংবদা মতমগী ভাব লৈতে হায়না। ……………শোঞ্জিল্লকপা চংনবা লেপ্পগা লৈব ঙম্মক্তব……… ইশৈ শকপ মা ঙাংব ঙম্মক্তব লকি—, পোজ্জোনস্থ মাবু থাদোকপ য়াত্রব ……… মতৌশিংত্থ তাইবং মীওইশিংগি অচুম্বা শকতাক্লি।

অরোইবদ মশক খঙনদব অঙাং অম থোরক গোদোৎ ঙসি লাকপ ঙম্মরোই তাক্লে। ভলাদিমিরনা গোদোৎকি কুচু হংই— ভৌই খুম্মি, মকোই হৌত্রা নাতোম্ম শুমাংদা ? হৌই খুম্মি।

মখোইগা উমৈ তম্মুগত্রা ? মচিন থীগত্রা হায়ছন মৈগে তৌবদা চেনখি অঙাং —মুমিং তাশিল্লক ২ হু চংলসি হায়নৈ চত্তে অছুম লেপ ঙায়খি। (লীলা লোইখি) ঙাংনরিব অরাই অথুম (dialogues) শিংহু বারী মথং মথং চখনব ঙাংনব নত্তে। Criticism of life নি অমরোমদা অনৌব খুদই creative writing নি Becett কি style মাগী জ্ঞান, সংস্কৃতি নি, এক্সপেরিয়েন্সনা থোকহনবনি অতৈন মতৌ ভম্ব হৈপোৎ নত্তে।

ঐখোয়ন করম্না মতৌ তন্থ তারে? মহাক্না তাইবং পুন্সি উরগ করিমি করমদোই হায়নীংখি? ঐখোয়স্থু য়েংব তারে ঐখোয়গী ইহৈ ইশিং এক্সপেরিয়েন্স শিজিন্নহনা। মণিপুর হুজিক করম তৌরি? করি ওইনা উরি? খনব তায়। ঐখু হায়জৌ হায়রবদি মণিপুরসি মচা ৯/১০ চেনবী তুইজাও ময়াং কংগ্রবী, মগুক্তা য়োংহ্লিং থাং পুন্সিবী ওইন তৌত্রা হায়নীংই। মচা ময়ামছু মবুক থন্নদ মমাগী খোম মুন্নব, চিক্লব, শাওনা ন্নান্নী শাহনব ম্নারোইত্রাও? হিতোপদেশ ন্নান্নীদা শাশিংবু ন্নারী শাহনবগুম মচাশিংহু ভাংনীংব ভাংহন খোংনীংব খোংহন, তুইবুস্থু য়াওহন, মণিপুরগী লায়বক অন্না অনং, ম্নাইথী য়াইফ য়েকপা উৎপ ইতিক চান মুংঙাইহনব, করিগী ভস্মোইদগে থন্নাই চংনা হোৎনরগা?

পৃথ্বীগী ওইন পাকশন্না শাংনা ন্নাংন য়েংসি হায়রগা —: প্রলয় পামদব অচৌব জাতীশিংন প্রলয় থোকহনব ভন্থ নিউক্লিয়ার বোম শাব, খিনব, চাংয়েং তৌব, লোন্ন থুপ্ন লোইব পামজব ………… শা কৈ য়োকপ ………… থাং হৈবনা থাংদা চৎখিব, মৈ শাঃবন মৈদা তাঙ্গোই ওইগনব ইশিন্না?

মপাঙ্গল কনব মন্নল লৈব লৈবাক্ন পুকচেল চাউব শা ময়াম হিং- মিন্নবগী, নীংথা তম্মিন্নবগী, মীওইবগী অধিকার মাংহন্নবগী মতাং মন্নো উৎ শান্নবা লীলা ওইনা ইশিন্না? নীংবু নীংলবদি থোরক্তব লৈতে ন্নাথন্না কৌবদা!… … … …

বিধু : কারি ভাকপিদৌৱ নমাই ঐ তৌজগে ? ঐভোন্দ ভাকপিরো ?

গুরু : এস,পি, সাহেব থানাদৈ কৌহল্লুগে লীলাগ নচাম্নপাগবু কাহল্লুনবা ?

বিধু : গুরুজী মহুৎদদি কৃপা তৌবিয়ু, ননাই ঐ করিনো ঐন ঙমজবমথৈ থাক্তনা সেবা তৌজগে ? সেবা তৌনবা, থবক নোম্নব, চাক থোংনব ঈশিং লুম্নব নিপা নুপী কয়ানো নেকচগে, মতিকচাবা অরামন নী।

গুরু : শেলনা নেকপা মীবু ঐ থাজদে, মথোয়ন ঐবু কৈদৌঙৈদা নুংশিন তৌবিরোই। ইচাম্নপীতুই মহুৎপু কনান শিনব ঙমগদগে ? মপা-মচা নুংশিনবগী মহুৎ শেন্না লৈবা কংব হৌনদে।

বিধু : নজাইবেমদগী হেন্না নুংশিন সেবা তৌগদব লৈরবদি ঙাকপিগন্নাও ? হম্না নুংশিরোই, হেজৎন নুংশিবদি য়াগন্নাও ?

গুরু : কদায়দৈ, কনান ঐবু নুংশিগদৌরিব ? ঙইথোক্তব বানি শামুলোইবী।

বিধু : ঐ নুংশিব হৈজৈ, নুপীগি থম্মোইনি, নুংশিরব ইচাবু কন্নব করিগী গুরুজীবু নুংশিন সেবা তৌজব ঙম্মোইদগে ? থাজবিয়ু চাংয়েংবীয়ু ?

গুরু : ঐহাক চহি ৮০ নি, নঙবু কয়া শুরবগে ?

বিধু : ৪০ নি চহিনা নুংশিনব থিংবা মতিক নত্তে।

গুরু : ফিংগম্ন নুপী, খুন্নাইন করি হায়নি ? লায়গুরু ব্রাহ্মন বৈষ্ণব নুপী অঙাংন নোক্লব কিদ্রা ?

বিধু : ইচানিপা মাইনুপী, অমদি মকুবোকপু নুংশিবনা মীন নোক্লব লক্লব থাংব লায়না ঙমগনি। মথোয় মথৌ লৈতে, ইশিং অইংবন বাই তৈবদা ঐন ইংজগদবনি।

(ডিং ডিং... ডিং... ! সেতারনা)

নুপরহেরো : গুরুজী, ননাই ঐবু কৌবিবহু— লীলাবতী অমসুং মাগ চেননিরুব তোম্পোক কাহ্লন পুন্নরক্লে। করি তাকপিগদবা ?

২ মক : খুরুমজরি পাবুং, গুরুজী, ননাই অনীবু ঙাকপিয়ু লায়বক ভমথ্রমানে ।

গুরু : কয়িগী লায়বক ! ঙাকপিব ঙম্মোই, শুম্বাংদ লেম্মু, মাঙোন্দ কায়রকয় । নখোয়নীন লমহেনবগী কনান অম্বাব নংঙৌরি ? তু—, নমা ইনাকখুনবীদা হংউ ।

বিধু : ঐদি গুরুজীগি মীনাই সুবী ওইন লৈহৌব তারে । নখোয়নী য়ুমদ হল্লো, লুহোংউরো তো— উপুগী শো ময়ামসি পায়থ্রো ।

লীলা : পাবুং—, পাবুং— ! (কপ্পি) নচা ঐবু নচা নত্রবা ?

গুরু : লম হেনবী, নবা ভানীংদে, নতাং তৌমু চংথ্রো চংলো । অমনব লীলা খুৎইদো ! (কপ্পগ চৎখি অনীমু)
(অবা মুংশি খোম্থোক্কা মত্র)

মারী-লী : অঙকপ মতমগী অঙকপ খুৎই ! চহি ৮০ গা চহি ৪০ গা মুংশিনব য়াদৌরিত্রা ? লীলাদ মুংশিনব শাবত্রা প্লেটোনিক লভ কা হায়নবদো ? নত্রগা তাইবংদ মুম্বারব মমুংশিত্রা মপা মচা মুংশিনবগুম্বা ? খঙনবা তৌখোরকপদ য়েংব তায় ঙায়রগা ।
(অহিংনি, মকুনা কু- কু- খোং নোকই, ঙহাক লৈরগা, য়েনবান নোং ঙাল্লো লাওরি)

গুরু : তুম্ব য়াদেনহে বিধুমুখী ! ইমানীনা লোইশিন্দৌরিব লীলা-সিবু মুংঙাইদৌরিত্রা ?

বিধু : মৈ হৌগৎচৌরা ? চা লোঙ্গরকউরা ? চেপথব য়ানব হকচাংদ কিৎ কিৎ নমজৌ হায়ত্রা ?

গুরু : নঙে নঙে, অথোম্বা নঙে, অরৈব মৈখ চাখোক থকতোকলব নঙে, ঙায়েন থাকদবনি, হয়েংগি লীশিনব পুন্সিয়োলনি ।
চয়োল অমতং কুলসি ছুটি থাদোরগ ইমানীবু

তীর্থ কোকিলদা— অহানবগী যাউবগী অহল যেরুপকী মরোব অনৌবীগুম ?

বিধু : ত্তারুশিল্পিবমখোৎ য়াক্লে সেনগী চিঙ্গা মোসিয়ু বাইজ টার অটেজুর মন থুংলুসি য়েকউসি।

গুরু : নঙনা হনুব লেখক ঐজেমসু নুপাযু নরুমত্র কৎথোকইবদুই মরুম ভাবোরু শাওনরোইদ্রা মরম চাদে হায়দুন ? মনবিজ্ঞান ল্যাব্রা ?

বিধু : কৈদোন লান্দোরিবা ? ইচা ইমৌদ অবাব নঙদনব ঐন মীনাইট্টু ওইজরিব, অঙ্কাওব লেখক চহিনা ৮০ গী মতেং পীজরিব—, এক্সপেরিয়েন্স চাক চানরিব চহি ৪০ গা ; কায়-দবু থবক্রা, মীয়ামগী লেখক্ত অঙম্ব মতেং পীবফংবগী মুংঙাইবত্তু অপঙবা মীশিংনদি উদবা য়াই। উঝাগী নাকন্দে করি অশোইব লৈবগে ?

গুরু : অহানবঐ নুপী শিঙ্গারে চহি ৪০ নঙগুম্ব মতাংদ লৈখিদে। ঙসি নোংয়াইদ নঙন থাংমৈ লালটৈন্দ তেঙ্গালীকাগী মঙাম্দ করি থৌরাংবগে হংলরিবসি লাইট এন্দ সেদ য়েকপা রেমব্রান্ট কী থুংয়েক্লা থমি। কয়া ফজে নঙ ৮০ ঐগী মীৎত্তা ?

বিধু : চহি ২০ দনি Beauty Queen তাখিবদো হুজিক্তি ৪০ শুরে।

গুরু : ঐহোৎনদি নঙ ১৬/১৭ শুরিব মাত্রি। হৈরেং অয়ুক নঙনা নকোক হায়রপ থুম চা মনিলকাথ পুথোরক ঐঙোন্দ লায়-বদা নশহুক্তো কাঞ্চনজজ্বাদ থোকপ হুমিৎকা চাংদয়গে ভায়রি।

বিধু : অহবুদি ঐহু কোবালমবীচতা, কান্যকুমারী সমুদ্র তোর্ব্বান্দ ভাংথাংভাংনবা ভুমেব হুমিৎদা জপান্ত চুপথরমদাই উবগুম চহি ৮০ গী শিরিঙে থাবল মঙাল উহৌগে থঙহৌগে থৌরাংই।

গুরু : সেক্সপীয়ারগী "কিং লীয়ার" দা মমীৎতাংলব মপাবুং আর্ল ওফ গ্লোষ্টর বু উখোংদ কৌশিন মথরাই মুংভাইভব উবদা এক্সক্লামনা হায়খি : "মেন মস্ট এন্ডুয়র দিয়ার গোইং —হেন্স, ইভন এজ দিয়ার কমিং হিথর। রাইপনেশ ইজ ওল।" তাইবং মীওইপোক্ত খোঙ নামনা বাঙ্গোনশঙ্গা নামন মংভমদ থারি, শাইদৈ মরুওইবদি মুনখৎহৌবনি। এক্সপেরিয়েন্স লৌখোক-পীখোক তৌনব কঙব খোদৌনি। (মুংশিরব যন্ত্র ইশৈ তানরকই)

(সেকেণ্ড ৫ চীকই) কার ১ ষ্টার্ট তৌরে— ওহাক লোম

গুরু : হেরোশাব— ঐখোয় হোনী মুন্দোন তীর্থ খর চংলুখিগে। চয়োল ১ ছুটি লাওখোকউ।

বিধু : ইহে, কলিকাটা দিল্লীদব কুন্দো পরেং খোল্লমগ্গা?

(কার খৌখিব মখোল তায়)

হেরো : ছারী শেৎপদ পকপীগ গুরু চহি ৮০ মুট টাইগা প্লেন তোংব চংগ্রে। মুলনা ছুটি চয়োল ১। (Music)

শাস্ত্রে শর্ম্মা : ওহাক্ত ভায়খো মুপর?

খুম্মাইহল : হেরোশাবা! পাইব চংগ্রবা অনীদো কুন্দোপরেং ওইনা?

মুপর : নত্তবসু য়াই, মপা মচাগী ফাগী ওইসু য়াত্রা? ঐগা শাস্ত্রেসু ইপল খুম্মাইহনসু খরাইয়াওন তাবিবোইরে।

শাস্ত্রে : রারীলীবদা হংনসিরা? টিকেট কংগ্রবা

মুপর : মপা মচাগী টিকেট অতুম পীরকখি। রারীলীবদি "মরম্মাই পামজব মওংদ নৌরেং লেংজো" হায়গন্নি।

২ : কুন্দো পরেং নত্তবা? (নোঙ্গীং খোম্বোক যন্ত্র ইশৈ)

———

নংমল্লে গুরু খুরুম্মুসে ?

(পুং অমগী রেডিও লীলা)

জি-সি- তোংব্রা

৫/১/৯৪

শগোলশেন

নংমল্লে গুরু থুরুম্মুসে ?

লীলা মীকোক :

১। থাবক্লৈ

২। খর্মী (লক্ষ্মী)

৩। ইম্লাইলৈমা

৪। নোংয়াই

৫। স্নধ্যা পুরেন

৬। লায়রিক য়েংবা

৭। পঙঙাকপা

নংমক্লে গুরু খুরুম্নুসে ?

(যত্র ইশৈ মতেক —১)

লাওথোকই লীলা মমিং "নংমক্লে গুরু খুরুম্নুসে"? সেকেণ্ড ৫/৬ চীকই।

সখ্যা : মহাশা ! নখোয়গী হৃংশা য়াইরিব্রা ? ল্যাকও সিদ, নৌরেং মারী ইব্র তম্বগী ক্লাস হৌরগে।

ময়াম : উবাবু লাবচরে। খুরুমজারি সখ্যা পুরকে।

সখ্যা : জৈ— জৈ। ৮ শুব সিদ্যালদা শম্মুৎপা য়াওখ্রবনিন ঐখোয় মীতৈলোন (মণিপুরী) দা নৌরেং খুদ্ই Creative writing য়াম পোল্লকবা হোৎনর ত্তুগাইফদে। ইব তম্মুসে। নৌরেং খুদ্ই, Never late to learn হায়রক্রা ? তম্বগী থেংব ন্নায়দে। গ্রীসকি ট্রেজেডি য়াম ইথিব মোক্লোকীজনা মাগী "অন্তিগোনী" লীলাই অয়োইবম্ব করি প্রাউতাক পীখি ?

ইরাই : নিংথৌ ক্রিওন, মথক শিকথব মচাতু পলসা, মমা রানীশু মগুংতাংগী শিখিবনি নিংশিং, মহাক্কী অন্নারলগি ভারিব দশানি য়াক, হায়থি তৃংইবুং মীয়ামগী অখোলোনব :

"Man becomes older before he becomes wiser." মীথি শিংগ থেংননিক্ক হয়গিবন হালি।

সখ্যা : তো মুতলগি শিংগুৎ তৈগৎনর তম্বগী থোক্কর নাইদে : হয়রব ঐখোয়কাওর ত্তুগাইজনা নৌরেং খুদ্ই ইর হুর ভায় রানীংজা নোংয়াই ?

নোংয়াই : উবাবু য়াজদীরু, অফা চাউশুকপর ক্লাসেরিকাগুম লমদদি Creative writing তম্বিবর থোরক, বিশ্ববিদ্যালয় দৈ হায়ন ভায়। ঐখোয়দি কদায়দৈ টৌবা নেংরকনি ?

সখ্যা : লায়রব কাংতোন্নবগুম ঐখোয়দি একলব্যনা জনলবা

দ্রোনাচার্য গুরুগী মূর্তি শা খিন থম্মগ মমাংদ, ধনুর বিদ্যা অভ্যাস তৌখিরগুম। অঙাওবা-লেখক মাষ্টরশিংগি লায়রিক অমসুং খুৎই মাংদ খিল্লগা তম্ব তারেদনা। (খুবাক খুনৈ) করিনো পঙঙাকপা হংনীংব হংঙু?

পঙঙাক: উঝাবু মীওান্দগী মতৌ তম্ব, শিন্দোকপা পূবসিবু নৌরেং খুৎই creative writing হাযবহু ওইগদ্রা?

সখ্যা: মীগি লায়রিক্কুন্দগি লোয় শিল্লগ থর শেমদোক্লগ ঐগী শাবহুদি হুরানবনি। আইন্নসু য়াদে মহু ধর্ম্মসু নত্তে।

ফিজেৎ চাকচাদ মতম মতগি ফেসন পুঙৌ ফনেক জলেম্বু, খাংজিন মপান, খোংগ্রাও অরাওব অথুবা, জেকেট ওয়েষ্টকোট পায়বগুম সাহিত্যদি কলাদ ইশৈ জগোইদসু মখল মখাগি বাখল্লোন: Dadaism অহোংব অনৌব পাম্ব, ব্রেটনগি Surrealism রিয়েলিজমগী বাংমদ লৈবা মংহাগুম জাৎ, Expressionism জর্ম্মান্দগি হৌখিব য়ায় emotional ওইব, Impressionism, Stream of Consciousness technique য়ায় Subjective ওইব নিংশিং নিংশিং ইব: Proust, James Joyse virginia woolf খোয়ন শিজিন্নরম্ব খুৎই, Existentialism হিংবন মরুওইব সার্টকি Existence Precedes essence of life ধর্ম্ম কর্ম্ম, অক-ফত্তগি বিচার অরাইবনি, ফ্রোইদকি Sub conscious mind, Ocdipus Complex, Electra Complex, Pirandello গী relativism কার্ল মার্কসকি Marxism, কামু, কাফকা, গেনেট, বেকেট খোয়গী absurdism, Anti Theatre ওইখোক্লন ওইবজাৎ হায়রিবা বাখনগি ঈথক ঈহৌশিংসি পৃথিবীগি সাহিত্যদা মতম মতমদ চায়থোকল্লে। ঐখোয়সু মতৌ তম্মগ খুৎং লীরগ ইনব য়াই।

লায়রিক য়েংব: উঝাবু!

সুখ্যা : হায়য়ু করিনো লায়রিক য়েংবা ?

লায় : ঊঝা অচৌবা পৃশ্নি থুংন রাখলোন য়েংশোকপ ওহশিংছুই মতেং রাগুদন, মীচম লেখক ঐখোয়ন মাগি মাগি হকথেং- নরুব উরু ডারুব Experience ওন্নী মবুক শেংনা ইথো- রুরুপছুদি নৌরেং থুংই Creative writing হায়বতু ওইবা য়াত্রা ?

সুখ্যা : করিগী ওইরোই। মোগ মীগ শক মায়দবগুম ইথোরকপ থুদিং মংম্লাই লোম্না মীগুতাদগী শিদোকপ নত্তন নৌরেং য়ারী শোইদন ইনি। ঐন ওঝা অচৌবশিং মমিং পল্লুব অমদি মখোয়গি রাখল্লোন থুংই টাইল পল্লুবদি পাদম লোনন অনৌব মীৎয়েং কয়া লৈ, অর্থ খণ্ডব রাইে দিম্ন- নারীদ ক্কারুবগুম অনৌব থুংই ইনব থিরকপদ চৈত্ত ওইন শিজিন্নো হায়বদনি। নঙ্গি Home task ওইন করি নৌরেং য়ারী পুরকপগে ?

লায় : "নংমগ্লে, গুরু থুরুম্মুসে" হায়ব মুপী মৌ লাইবক থীরবী অনাগি য়ারী অম পুজরকই।

সুখ্যা : কৈ মতু তাশি, নৈনসি থুংই থুংলী। ওাইখো নখোয় অতংদি Home task পুনরকপ্রা করি করিনো মথং মথং কদায় য়ৌনরে ? পণ্ডিতকপা, নত্তগিন করিনো ?

পণ্ডিত : উবাঁবু, পোং অতৈন তাঙনরুবনা মতমসু থাইনগি নত্রে য়াম্না তাংলে। চাউরু চাউরুদ লাইরিক ময়াম পাত্রিব তাত্রিব শিংদ মতম খরদ খণ্ডহুমব অশম্ব থুংইদ ইথোকপ সপ্তকাণ্ড রামায়ন মতোংখে লামায় ৭ তা লোইনব ইব। মহাভারতকী আদি পর্ব, বন.পর্ববনচিংব পর্ব ১৮ হু লামায় ১৮ দা শম- জিনবনি। পায়খৎপরু ওাম্নজরি খর তপ লোইজরকে।

সুখ্যা : হৃজিকান নহারোলন নোংমুক্তা থিনরেং পরীক্ষা পাশ ওইরগ লৌয়রে হায়মুন। পুজিদ লায়ত্রৌগি লায়রিক ময়ামসি

মুম লোইনব ম্যাক্কী সরকারগী লৈতারক কাংলৌব থব মথেল detailed study তৌব কৈ। মসম অচুন বজারদ demand য়াম্না লৈরে অদোম কারেং মখল ময়া, মচৎ য়াওব য়াম্না ওয়াখল্লি লৌরে অইন এডি নোক্তেলগী খুৎইদ মমৈদগী মক্রোক লোমদ হৌরংগ লিটৈকচিত য়াম্নৌশি খুৎইদা ইনবস্থ কৈ। নংগিদি করি হোম তার্বনো থাবরে?

ডাক্তর : কোম্নাগী য়ারী ওদিয়া অমস্তু ইংলিশতা মজন ইথোকপা থিব মওংদুনা—

সখ্যা : হুকক তুমশি ক্যায়স্থিকি মেথা অম লাইব্রেরী কম্পাউন্দ মনুংদ তৌখিবতুদ মতুম মচৌবশিংদে লাকপ লায়রিক য়োনবশিংগী য়াংহৌব ক্যাদোগে? খুদম্লব যাংহনব হৌনব্রা?

ডাক্তর : ঐ মতমতুদ ইনে অম হাসপাতালদ হিপ লায়েংলিবগী মেথা অনাসবগী খুদোংচাবদু ন্যায়োরক্লে। অদুবু মৈতৈলোন সাহিত্যদগী অনীথক থঙ্গচরে "পাঞ্জাইপি থোংকুল" অমস্তু "লুশিং কাপ্পা" অচঃ মফমগ য়ামনা ১০/১০ মুক্ত শয়া ইথোকপা, জেনেরেল নোলেজ অইন পাম্বশিংদ ক্যানব।

সখ্যা : মতুম চৈ। (অইন্দন খুরাক খুই)
নোংয়াই! নওদি করি ইনব লাক্কি?

নোংয়াই : উবতু নাই ঐদি সেক্সপিয়রগী "ওথেলো" হু শয় কমেদা এহেরেন ইগে লাক্কদি।

সখ্যা : কৈ মহুমি থব লাংন পুং ২ য়োমদ শানব থৌনব ইথোকউ চৈ। (খুরাক খুইয়ে) লক্ষ্মী নওদি করি ঐগে লাক্কি?

লক্ষ্মী : ওবাবু নয়াই ঐদি হেরোল্ড পিন্টরগী মতৌ হায়রপ তমজ "তারোসবীস ওয়াঙ্কলী ওবন্দিব" হায়রব মতাং ২/৩ গী লীলা মচা ১ ইমক্কি। অদুগা সখিংদু "সুমিলগি হৈপান্দা চৈরে লাংপা" হায়নন কৌবসু য়াই [illegible] চরোজা ১ য়োম লৈরগ

লোইজরক্লগে ময়াম্ থন্ন নৈমবিনব। (খুবাক)

সখ্যা : হেরোল্ড পিণ্টরগী "মেচ-বোম সেলায়" মৈখেৎ উপু য়োনবদগীরা?

লখিম : মানি উঝাবু? অকফল্ব-রাথলগি রাহং খোঁশাদন নুপীতুন মাবু উবদ শুমহৎগ্রব মৈখেৎ য়োনবত্থু হুংশিত্থুন খঙননীংত্থুন মপুব্রোইববু মৈখেৎ য়োনব চংহনখিবত্থু নোক্লিংমনগ্ধত্থুমা মতৌ হায়ফেৎ তন্মগ ইজবনি।

সখ্যা : য়াই, ফোংন মতৌ তন্মি হায়ব ভাক্লরবদি। মীদি মীতৌ য়ান্না তল্লগনি। পাম্বিসন নিরগন্থু পীনৈ চহি ৫০ শুদন লৈখিদ্রব লেখক ওইল্লগদি। কোপী রাইট কি লোজ মরু ওইব থর খঙজিনব থিজিনব কৈ, লেখক অম ওইরবদি। ইরাইলেমা নঙদি করি ইনব হোৎনরি?

ইরাই : উঝাবু ননাই ঐদি নুংমু-নুংঙৌ ২ কাওনরিবসি মহাভারতকি শৃন্ত নিশৃন্ত মচিন্মনাও অনী তিলোত্তমা মুনবদা শিমিন্ন-খিবত্থুরা? হায়ব আইওনেস্কোগী ইপিক কেরেদ হায়নব পাখোং লীলাগুম্ব অম ইগে লাক্লজবি।

সখ্যা : আইওনেস্কোগী "দি চেয়ারস" হায়বা লীলাত্থুদ মতুৎ রারী লীহোনব ফংলে থন চমুব মতৈ মনাও হরাওন ঈশিং চোংথ শিমিন্নখিব মতৌ তম য়াই, হৈরবদি ফজনি। ফল্ল, হুজিক লায়রিক য়েংবগি রারীত্থু তারসি, নৈনসি—

লায়রিক : ঐ রারীদ য়াওরিবী মৌ মচন্নমাও আজি চহি ৫৫. ৩০ রোম শুরবিনী, মমিংন—: সনাবৈ অমদি শর্মজিরৈ, থবাল্লৈ ইবেম্মা সনারৈ থর শাকিম্ব উনথাং চারবী মতমসিগি মীতৈ নুপী, খর্মী নঙনা মমাওনুপী সনজীরে-থকলগি উথক্সা লোম্না শাৎচবী।

থাবলৈ : অচৎ মতৌ, মধুমচেল মুল খঙনবা করম্না শাদোরিবা?

খর্মী : ঐতিহাসিক উপন্যাস মতম্রা? অহিংব মীশক পাদম ওইব মাব লৈবিত্রা?

লায়রিক : ঐ' ৱাখল লৈখোমদগি শাগৎতোরিবা শক্তম্মাক্সি। পাদম লৈরবসু হংউবদ অশেংব তাক্লগন্দে, ঐন মখোয়গি মরমচং খর খণ্ডজরিবসিদে শম্মা খর তাকচরকে, অবাৎপ ওইব য়াবত্থু, ইবেমশিংনসু খর অত্থুম মেনখৎপিরকউ। চে খরসি পাউ (পীনে)

নোংম্মাই : ভায়া লায়রিক য়েংবগি ৱারীনৌ মচাত্থু খ্বাইন খণ্ডনরিব ৱারীনৌ, নৌরেং ৱারী মচাশিংগ মাম্মদব খুৎইরা ?

লায়রিক : নোভো রোমান— এন্টিনোভেল কা হায়নব নোভেলগা শীণ্ডনব খুৎইনি। উঝাবু, হুজিক মতমগি ৱাখৈন চাক-সিন্নকপন শম্মা শম্মা ৱারী ইনব, প্লোটসু ইয়াও য়াওদব, মীকোক য়ামহন্দব, লোক্যেল ভেলহনব মশক মতৌ মকম মতম থাবদ, মখোয়গি রিদক্সন টৈক্লিক হায়বত্থুই খুজং ইম্মবনি।

সুখ্যা : য়াইনে, ঙুংদ সুংঙাইহল্লু অরেম্বদ মতম মাংহনগনু।

লায়রিক : মতমসু মথং মনাও ঐতিহাসিক ওইন চখবগি মহুৎ, ৱারীত্থুই মতোংখৈ পরপ পরপ খণ্ডবিখিনব বস রেল থাখিদ্রিঙৈ ৱারী লোইনব লীনব মতৌত্থু তৌজগে।

পঙ্ডাক : ফরে, খুসীদ লীথরো, অফিস কানব মতম পাইসিল্লক্লে।

লায়রিক : অহানব সীন্দু হৌজরগে, মথংদ অরোইব সীন্দু পুখৎতুন উচ্চগে। মতম খর শাংন তাবিব পাম্বশিংন ময়াইদে মরু থম্মোক মতোংমখৈ শৎ শৎ শৎতোক্লগ, ৱাকোক ৱাত্তোন শম্নব সুংঙাইনব লীজগে। ফরে হৌরাদ ইবেম্মখোই থাবদে, লম্মী নখোয়না, ঙসি বসন্ত পঞ্চমীগী অয়ুকসিদ, ফিভৌ ফিশেং শেং-ইরাগ, নানৌ চোংহনব মুমিৎন নোংপোক মাই-কৈবু ভাণ্ডানব মচুন লৈজেংলিঙৈ ঙানব য়াওহোরো। কন্নি নরাজ লৈবননো নশক নতৌ ৱাৎভবী নচিন্নাওন, অহুক ননীং থুংদন, খুম্বান চাদনা চহি ৩০/৩৫ ওসংখি, পান দোকান

ফম্মুরে, হুরদা খণ্ডদে, নম্বর কোর খণ্ডদে, য়োনব য়াওরুরে, লীলা সিনেমা চেরিটি শো কয়াই, ব্লেক্কি টিকেট কয়া য়োল্লুরে, চা বোরা হোটেল মচাস্থ ইন্ফাল মতাইদা, সিভিল সপ্লাই আফিস মমাংদ শেল কন য়াম্ন খুনখিমানে খরে। করি-গিনো নংইবা ? মতমগি ঈরাং হুরা মুংশিং গাড়ী মৈখু আকোইবদ কবক্সন মনীল মহী মপং শেঙ্গা থুমজা ওইদব ওাংব নমথাক লৌনমগি কুরুক্ষেত্রদা, ভীষ্ম পোখাপ্রবস্থ, মাইথীব করিদৈনো শিক্ষা গুরু দীক্ষা গুরুদ হৈরা লৈজব খরগ লোইনন শ'গুৎ কখোকউরো মুংভাইথংনব বোর নিজরকউ।

থাবৈৱে : ওহ্ ভাব ভাবে ওম্বামচা লায়রিক য়েংবা। হৈ মুপীমচা লথমী, ভারিব্রা নওবু খর্মী ? নংমল্লে গুরু থুরুম্মুসি লাকও, সেমলা কোম্নারা খর হেক্ক কৎলুসি। কেরিব্রা ?

খর্মী : কেব নত্তে পুভৌ ফনেক মোংলে, মপান্নাইব সেৎসিরা ?

থাবল্লৈ : চরেৎরৈ করিগি ফনেক মপান নাইবনো গুরু থুরুম্বা চংপদবো ? মোৎচসন্থ পুভৌ ফনেক হেক্ক শেৎলকও, লাকও খেৎখিনি। রিকশো ভোংনব সেন্সু খর য়াওরকউ হৈ ? (থৈদেন মীনিন তায় রিকশো থৌব মখোল, অচিকপা সেকেণ্ড ৫)

লায় : থৈদেন মনাক, মীতৈ লৈকাই, বামোন লৈকাই লোম্নবদ হৌরিবা খোংনাং মখোঙজ্বদ থৌজিন্নু হৈ। মখ্যা পুরেন নখোয় গুরুগি খোঙ্গান উরিবছনি। (লোম্না) গুরু অমুক্ত শাবিয়ু উবাবু "মখ্যা পুরেন"!

মখ্যা : ঐবুস্থ য়াওহলব্রা হা ? অহেম ! কনা কনাই জৌনহা মচাশিংনো ঐখোয় কোম্বোংদ ওমু মহা থাবদৌন চিল্লোক্ল-রিবো জুজা ?

সনাবৈ : ননাই ঐখোয় গুরু থিজরকপা, স্নখ্যা পুরেন সঙ্গাই নং-
পিত্রাসিবো ? খুরুমজরি (২ মক)

স্নখ্যা : "কৃষ্ণরতি মতিরস্তু"। লাও লাও চ লকউ করিনে নখোয়ন
হায়নিংবা হায়রো লাও ? হৈ হৈ অঙাংশা কনা
লৈ ? কল্পা মোড়ার মশা নানবী অনান কম্নবা ? ঐগি
হিদাকফুদি ?

সনাবৈ : ননাই ঐখোয় নংমনপ্রতুন লান্দংগি সনা লুপাবু য়ুবীরাক-
পীগুম লাক্ন মুন্নবসিদ মাইথীরতুন গুরু খুরুমজগে ইপাপ
কোক্নব, ইনাক খুনব বোর পীবিয়ু নীগে লাকচনা।

থর্মী : হৈরা, শেম কোমলা থরদং পুক্নরকই। স্নখ্য পুরন্দ কংনব
হায়ববু। খুরুম্নসে হ'চ। জৈ—

স্নখ্যা : জৈ জৈ ! ভাইখো, কম্নু ইংন য়া হংখিগে। ঐদি
নখোয়বু ওঝা কেরানী নর্জ হাপ্লিবগা তোলোপ চাহন
ফুংভাইখংহনব ওস্ব মীশক নত্তেদো। লম্বোইরগে হায়বগদি ?

সনাবৈ : থবক হাপ্লিয়ু হায়ব মচ্চদে ইপাপ কোকহনবিয়ু ভৌর্থদ
ইক্নজথোকউবস্নু ভমজদে, লম্বোইবীস্নু ওইজনাংত্রি।

থর্মী : ফুংভাইজরো, হায়তুন (বোর পীব ওইন) তমুক্তং নাগ্নীরগ
লোইরে। (হিদাকফু প্রোক ২)

স্নখ্যা : নখোয়নী সেন তানবদ করি করি অরানব তৌক্নরে লৈবাক্ন
শাওনবা ? অশিংবশিংন তাক্নস্ব পাউরো পাউত্তাক কয়া
য়াম্ন কায়ক্নরে ? সগোন মমাং পুল্লাং পুক্নরব্রা ? মু শিং
মাইরম লশীং কাপ্পরব্রা ? মীচাই তুস্তমদ নচা ওম্মুবত্র ?
শেংন তাকউ নখোয়ন কায়খিব লোকং শাজং, করিদা
পংউব নথম্নাইম য়ানীংদন তৌরব অরানব থর হায়ু ?

সনাবৈ : অহল লমন পিক্লিউ লৈখিদ ইমানীব্ ইনেগা মুমংনা
য়োকপিরকই খুম্ন ওায় য়েন লোইবগুম ইনেনা ঐবু হন্নুব
অমদ বক্কান থমদোক ইকাব কাল্লদনা চহি ১ রোমদ লুপ্রা
ওইন হন্নকথি। (কপ্পি)

সুখ্যা : অখোয়গী রেঙ্গোন্দু ইম্ফালগি মতাইদনিকো ?

খর্ম্মী : মানি ঐগ্যা, ঐদি নোংমা সন্ধ্যাদ রোবিনসহন্দ মানব পাখণ্ড ১ না লুপাখাণ্ড অম পুরক শীরবদে খঙন চান্নরু সুমিং ৫/৬ নি চাক থাকখি নুংদাং নুংদাং। খর লৈরগ লাকখিব্রে মরৈদ ঐ কানী ত্রগ জা অরুপ্প লালোম ইণ্ডিক য়াওজরুরে, চোম্ম নংব খানানম্ভ ফারুবদ য়াওজরুরে। উচিন নাচিন বাবু অমনা মাবু থাজ লুনা ভৌরুবদৈ কনবিরকখি।

সুখ্যা : অরানব পাম্বৈনা ভানখিব সেন কুইন চক্তে, প্রায়শ্চিত্তা তিংখি হায়বত্নুনিনে ?

খর্ম্মী : ঐগ্যা, মিংচংস্থ খীব সেন্স, পায়ঙৌদব, থাজহল্লগা হাং-পিরম্ব, পৃথগ শীওবিরক্তবা। কত্র কত্রব মী কংয়া হিংচা য়াউস্থ মরক্ত হিংবসি ওস্থোক্না বাপ্রে।

সুখ্যা : নঙ হুজিক কাওব ঝুম পাক্সি ? খর্ম্মী !

খর্ম্মী : ইনৈনৈ লুকমাইজ হাপ ইমল কানব য়োনবিম্নি, শিংতে, ঐন লৈবরাব মীশকস্থ থেংনজন্দ্রি।

সুখ্যা : নচেস্থ ঝুম অমুক পান্দ্রে ?

সনারৈ : ঝাকচাং উনগুস্থ, নৌং জুংশিং অকনবগুস্থ ভাক, থেংনহুনা ননাই সনারৈ য়েলাং পৈরুক, চেংগী মথান খর য়োনবদৈ হজিক হোটেল মচা ১ তেক তেক কমজরি। শোংখিবনে করিনো, সোলৈপ মুংসিল্লকই।

সুখ্যা : করৈ, নখোয়নী ননেগা মামগন্থই হিজোর্দগি হোংদোরুব তৌ, সঙ্গ কত্রে। ঝুম খঙদব মরুক থেংদবা মীবু থাজ-রুম্ন। অত্থুঙৈদি পাখঙ্গো লৈশাবীদ কোইবসি ফৈজোম নির্ঘুম অহুম তুম্নরম্মি অহুল লমন লায়শুরুপি পাউরো পাউজাক জৌম্নস হিংউ কত্রব তাইবংপান্সিদ মখোয়হু হিংনব প্রাবৈনি। ~মীশক খঙঙ্গ নদৌ ফজনা ভৌরবোনা লৈহু, মীশি থৈজন লুকমাইদ জাইধী শা খিন্দৌ শরুক,

নত্তিক চাব নিপা থেংনরবদি নুশম পায় ফারগ লৈরু।
মতম অমদি মকমগি ইজিং খঙহে।

চৎলো হল্লো, নল্লাইবক অমুক য়েংউরো।

২মক : লৈ গুরুদেব, ননাই ঐখোয় গুরুগী কৃপাদগী মীমাল্লব ওঅজরগে। (নোঙ্গোং খোঙ্হোক্ত যত্র ইশৈ হইথখি)

পঙঙাক : ভায়া লায়রিকয়েংবা, লারীমচাতু কদায়দ হুংঙাইনি খন শাগৎলুরিবনো ?

লায়রিক : মতমগি তমথীরব নোংলৈ হুংশিং মরক্তা কনা লৈজত্রবী সনারৈ, শমজীরৈ মচিম্নাও অনীন গুরু খুরুম্মুরগ নংব ফগনি খঙথিবহু কারখি কারখিলে খঙবিনীংত্রা ?

নোংয়াই : খঙনীংই, মখা কমদৌথি ?

লায়রিক : মনে-মামগি মমুম ইম্ফাল মতাইদ হোটেল মচা ১ পান-দোকানগ কোল্লন লিংখৎখি। আমেরিকাগী লাসভাগাসগুম রেষ্টুরা নত্তে, জুরারশায়ভম, ছুটি লেনভম অহিং অমদ দোলার ৬০/১০০ তিংব য়ামত্রবদ অয়াম্বদনা কা অমদ দোলার লিশীং অনী চামঙা গা তিংবজাৎতু নত্তে। লুপা ২০/৩০ তিংলগ অহিং অম জুরার শায়, জগোই ইশৈ য়েং, লেন-বিনব মীতাদি অহুমলৈ মুল্লাইদনু।

নোংয়াই : মখোয়নী করয়া খোনা কন সেন তানখি ?

পঙঙাক : মরক্তা খোকখিব খৌলোকশিংহু খবক শংবশিংন তাবি-হৌরো। ঐদি আফিস কালৌব লৈ। ভায়া লায়রিকয়েংবা, অরোইব সীন্দু অমুক শল্লা লীবিরো, য়াখিত্রা হুংঙাইখিত্রা মতুলং খঙলগ ঐ চৎচগ্রগে ?

লায়রিক : ভায়া পঙঙাকপদি অরোইব সীন্দু তারগ উরগ চৎনীংলে। অহুনাময়াই খনম্মগা পোলোন্টিহু পারজরগে ?

সখ্যা : য়াই য়ারী লীব নজি খুদীনি। এন্টিনোচডলগী খুংইদা, মতমগি মখং অনাও, কোজ এন্দ ইকেন্ট হায়বদি য়াহৌ

য়াখোক তুংইন্না লুহোং ফিজী কিনবতু কিত্রবসু য়াই। য়িদস্নন টেক্সীক ব'হে য়াতা প্লোট, মীকোক মশীং য়াম-হন্দব অতুম চংনৈ। মীয়াম্বু মুংদ মুংঙাইহন্নু য়ারীলেংব নঙ্গী খুসী।

লায়রিক: উৎখাগী এন্টিনোাভল ইবগি খুংইদা অহৌবদগী অরোইব খোঁদোক্ত পুখৎচরগে নোংয়াই বাবুনা ঐগ্যামচা ঙাহাক্ত শাবিরো চেসি হায়ফেং য়েংবিয়ু। অতুগ ইরাইলৈমা নঙনা ঐগ্যা মচাই মুপী অঙাং অমত্ত ঙায়রিবী মৌনহা ফজবী শাবিয়ু। অতুগা ইবেম্মা লক্ষমী নঙনা ঐগ্যামচাগি কোম্হোং খৈদেন ময়াদ হোটেল ফম্ব য়াওবিয়ু।

সনারৈ: মচে সনারৈ ঐদি কদায়দ থম্বিরম্মে লায়রিকয়েংবা ?

লায়রিক: হোটেলতুই মেনেজর নঙনা অতুম শাখিনি ইম্ফালদম্ব, ননাও-মুপী থর্মীনা এসিষ্টেন্ত অতুগ ঐগ্যামচাই ইমুংদমু তেংবাংবী মচা ১ ওইন পাখোল চংপ, ফিশ্ ফিজাম মতেং খর পাংবিবা। ইম্ফালগী মতাইদগি ময়োলদা হোটেল হোং-লকখিবগী মরমদ য়াহৌত্থ ভায়া পঙঙাকপ চংএগ তাবিরসি অরোইব মমৈত্থ তাবিয়ো পঙঙাকপ—

পঙঙাক: খেক্ক য়্ লায়রিক য়েংবা।

লায়রিক: খোয়ানা ইরাই, ঐগ্যামচাদে খৈদেন কারুনবা শেল লোয়ো? (ডিং—ডিং)

ইয়াই: ঐগামচা! ওহ ঐগামচা! করিনো ঐখোয় ঐগামচাসি হন্দক মরক্তি মশা নায়েদা, ইশিং অইংবনা নিংথম থাদ ইরুজবযু মুক চুইবদি! ফিয়োলনা নাঙ্গব কেরব য়েরৌং-খাগী য়েয়ো নানৌ মানব ঙাক্ত শেংকরক্তুন—, অতুগ ঐঙোন্দ নীংদোন চোংইবসি মখৌ করি নৈতুন চোংবি-য়িবনো ?

ঐগা নোংয়াই: ঐবু কৌত্রনহে খোয়ানী ইয়াই ?

ইরাই : কনানো অম চাক কৌবিনি খৈদেন কারুচো হায়বহু কাউবিরব্রাও? সেন পীবিরো কাজক্করগে হুজিক?

ঐগা : ফুরিংখাও কোট্রা ৫০০ চংপি ৫/৬ য়াওহৌবনি অনীরা অহুম্মা লৌরগা পুথিব য়াব্রাও?

থোৱানী : অহুম পুরে, ঐসু কোসমেটিক থর—

ঐগাচা : হৈ, নঙনা সুম থোকখিবদ লণমীছু হোটেলদ থবক কোম্প- বদি ওহাক্ত লাও হায়রম্মু ফিরোল অমোৎপ ১/২ দা শুদোক চামথোকহনগে?

থোৱানী : ঐ হল্লক্লগা শুক্লগে, মী নেক্তেশরুক

ঐগা : নঙনা করিগী অমোৎপা ফি শূদগে? মথোয়বু হোটেল কমহল্লিবু ফিশু ফিজাম, ব্রাইশিং বাইটে কান্নবৈ নব্রাও?

থোৱানী : হায়বুদি হায়জরমগে, ফিলমদ টৈজদা লম ঙান্দোবী থর্মীবু ফি অমোৎপা শূবিনব কৌবসি পক্তি পক্তে-কো!

ঐগা : মরৈ য়েংকহু দেবযানী, হায়ন্নিখৈদ ইল্লু শম্মিষ্টাগুম? ভাব তারব্রা?

থোৱানী : অয়ো য়ো ইবুংঙো স্নায়াথং কোক্তা থোঙ্গং কৌজরক্লগে। (খোঙথাং তায়, খৈদেন মনীলসু সেকেণ্ড ৫/৬ চিক্লরগ)

থর্মী : করি হায়বগে ইচে থোৱানী?

থোৱানী : ইবেম্মা লক্ষ্মী নঙবু, নঙ ঐগামচান ওহাক্ত লাও হায়রকই, থবক চিল্লিব্রা?

থর্মী : চংচক্লগে ইচেমা, কদায়দ লেংদৌন্নিবা হুজিক্লা?

থোৱানী : ঐ খৈদেন কারুগে ঙা চাক থর লৈরুগে কনা কনানো চাক কৌনি হায়—

থর্মী : ঐদি য়াওদেকো? বার্স্তোন— (নোকমিল্লৈ)

থোৱানী : য়াওরম য়াই, হুজিকাপ্সি তম্ব ওমদে, মতমসি থঙবা য়াম্না লুপ্রে। থবক শংলবদি ওহাক্তং চংউ, কনামত লৈহৌদে হমুবীপুসু ময়ুমদ চংখি, অঙাংসু স্কুলদ কাপ্রে।

থম্মী : মথন্দ লৈব কিগনত্রা অয়ুক্কি পুং ১০ মথায় রোমদ তারিনি ?

থোৱানী : ফি অমোৎপ ২/৩ দং শূবিয়ু হায়রকত্রা তল চা হোটেলদগী লোইন্দোরিত্রা মশাদ হুংলগ থঙনি। চৎলোহায়—, ঐঙোন্দা তায়ননি।

থম্মী : ফি থর ফব অম হোংলগ চংচরনি। (মুংশি ইশৈ যক্কা খোংই, খোঙথাং লাকপতায়)

থম্মী : রামতা হুংজগে : মুংশাদ খবরবুদি পাবিরি ?

ঐগা : কনানো করিনো হা ?

থম্মী : ঐগামচা খোয় থোৱানীনা য়ুম শংবিনিঙাই লৈহৌদে নিপামচা মথন্তু লৈহৌই, কিরম্মনি মথন্তুনি হায়রম্মি করি তাকপিদোব লৈবগে লাকচরে ?

ঐগা : হেরা নমাই থক্লেদা ! ফিরুক ফিরাং থুম মৌ অনৌবী শারছুনা ! লাও কাখৎলকউ লখমী মাঙ্গোন্দা, ফোটো অমত্তু নমহৌগে নচেমা লৈত্রিঙেদা। (নোকমিন্নৈ)

থম্মী : ফিরোল জুগোৎ চান শেৎলক্কে মাই ঙম্মোই।

ঐগা : ফিরোলগি রাবু, লাও ইমুংদা চংলকউ শো শীগে নচেমাগি আলমারীসি হাংদোকউ, নঙনা শেৎনিংব শেৎলু অপাম্ব থন লিৎলু, ইন্নু সনরিক খুজী খুদোপ ফজদোবদ থল্লু। উপু অতৈস্তু লৈরিছু য়েংও।

থম্মী : অপাম্বঙাক থল্লগ শেৎচিন ইন্সিন শিজিল্লবরবদি পাম্মকনি, ইচেমা শৎলাক উগ্রবদি রা থোক্লরোইত্রা ?

ঐগা : ফোটো নম্বগি ঙহাক্কুং রাইৎবু করিগি শাওভম থোকপগে ?

থম্মী : ঐদি লিৎলুরবনিন ঐগি ওইরনি ঐগামচান পিথোক্লে হায়ন থুম্মি। ইচেমান য়াদে শীরোই হায়ছুন মুন্ননি— ঐনা থাংনি, মুন্ননি বা য়ায়রোইত্রাও ?

ঐগা : ঐগি মুপীদি হায়বদ ইনবী যযাতি নিংথৌগী শর্মিষ্ঠা-
গুপ্তীনি। ঐনা খিত্তং লাওহৎপদ তারা তংগ্রব সেতারগুম
মখোল থোক্লোই।

শর্মী : মুপীন খুাইদৈ খোইদৌ শাওগৎনব নিপা মুমবৈ থৌদোকসি
থেংনগ্রবাও মমাংদৈদা?

ঐগা : ইশামক্তদি থেংনখিত্রি মীওান্দ থোকপদি উপ্রে য়াম্ন
নোক্লিংখি।

শর্মী : ইশাদ থোক্লবদি নোকপ চংলোই কপ্পিনীংনি।

ঐগা : কৈদৌনা কপ্তৌরিবা?

শর্মী : থায়নরনি অঙাং অম লায়রিক তম্ব কাখিবহ্ পুগ্রনি হায়-
রদি থাম্ব য়ারোই পী শিম্বরক্নি।

ঐগা : বারেম ঙাং লৈরমু, ফনেক মপান নাইবহ্ শেৎলো অপাম্ব
খন, লিক কোন্স্ শিজিল্লো। মিংসেল মমাংদ লেপ্পোলাও
ঐ শিজিনবিগে খুজোম্ব অপাম্ব খল্লো (ফিরোল লিককোন
লৌথে চায়থায় পরপ পরপ শেৎচিন লিংশিল্লো) ঐ
কেমেরা শেমজিল্লগে, নম্মগে—

শর্মী : মপান্দ মুংশাদ নম্নব থোকপদি মী উখিমি ইকাই।

ঐগা : ইমুংদ মুম নম্ব য়ানি ফ্লাস লাইট য়াওরি। নশমহ্ কজনা
হাংলো? পাউদর কা খর ঙৈখিত্রা? কদায় লৈগ্রে?
(ফিন ফৎ ফৎ ফমুং চৌকি কপ্পোকই)

শর্মী : ইচেমা শং লাক্লবদি ঐগা-মচা?

থৌরানী : ঐদি অসাইন লাক্লবনি শর্মী।

শর্মী : হৈমা! থৈদেন কারুনি চংগ্রগা?

থৌরানী : কারম্নগ হুৎকইবনি, মঙনা ঐগি ক্রিম্নাল লিককোন
লিজিনব খীনবনি। হুরানবগী ১০ নী মপুগি নোংমা-হায়হ্
চেনব য়াত্রে ওসিদি।

ঐগা : করি করি ওাচাক লৈরক্নে ইরাইদোজা?

থোৱানী : ঙা শেন্নবা হৈজ্ঞাংসি লৈরক্রে ঐগামচা। খম্বী ! কদায়দ থিল্লগে ? নথবাক্ত লোংথোকউ লৈককোন হুরানবী ঐহাক মপুনে ? (লাক্ল ফানব মথোন)

ঐগা : করিনো করিনো ইরাইলৈমা ? নঙনা থুমদ কৌরুবী অতি-থিদা হৈজ্ঞাংনা থিনগে তোবক্ল থর্ম্মরা ? মমাতি নিংথৌগি মুপী অতোপা শম্মিষ্টাগুম্ম থল্লব ঐগি ইমাংদ অতুম্ন শাগে-জাং অতোনবগি শাজং ? হৈজ্ঞাংহু থাদো, বারেপ করি তাসিগে হায় ইংন ভপ্পা থম্নরগ কোয় থবক পাক্লাবনি থাঙহু কদায় ঐঙোন্দা পীয়ু। থাদোকউনে— (মুল্লগ লংথোকখি — মখোল)

থোৱানী : হুরানব ফারে লৈকায়দ তাকসি হায়ব্রা থানাদ পিঃক্সিরা ?

খম্বী : অতুই শরুক অঙাংহু মুল্লদগী কৌবিরুরগ ফি রোল শেংন ইম্নব খর য়োম্নগা নপামদ লেমনা হনথিকনা যরোইব্রা ?

থোৱানী : য়ুমসিন হিজোলগ কোম্না নমিংদ ওক্সিলবিরো হায়ব্রা হুরানবী, ইকাইব নাইদন মীগি চাক্লক্ত খুজাই থাংজনবি। নঙ হিজোলসি থোজান্দ হোটেল ফম্ন ম্নাঙব য়াদনব নরু কোকথোক শুহুয়াঙং তৈসিন লৈকাই ময়াম নেশাবন্দ কাংব্ল কৌথোক খুনগোইনদৌরিবনি।

খম্বী : হা হা য়ো, এদ ফাক ফাকুম নোক্সিংই ! ফিগে ফনেক শেং, শনরিক শি য়ুমসিগি লক্ষ্মী ওইরগে লাকপি, বর্ত্তান ফংলবী লক্ষ্মী, চমোইমু চাকহোংবী ঐবু খুজোইনব, ছরীক খিং খুলোক থিন লমজাও শোরোক্সা ইকাইহন্দো শরুক, শুম্নাং ফজগ্রবদ মৈ ভাম্ন থাজং নঙ ঐগ্যামচাব ফরাংজী ফিদা থাব বোর কার্য্যত্তা কমহন, পোৎলোই শেং খাং অচেংবদ, কজেংলৈন কোক্ত থেং, বেন্দ পাটিগি মত্রঅমিলগ তাল চান ইথেঙ থাং, লৈ কোইহনবনা পক্লোইব্রাও ? ইহুংতা ইচেমা থোৱানীনা মীথঙ্গ শিন্নাং শিম্ন লৈকাই

অহল্লমন নেক ঋাল মাঙ্গং খি'হন পুং য়েহন লমজাওদ ইলহন নপাম লমদম য়ৌবিগ্নো।

থোৱানী : কৃষ্ণ কৃষ্ণ! শিদব মপু! কয়াদ মথবাই চাউথ্রবা, আশা য়াংথ্রবী লৌরি হিঙ্গোল কারাম্বী, য়ুরিংখাও চপ্পি, মীগি চাকলুক্ত খুজাই থাংজিনবিনো সিবো ? লৈকাই লৈকাইশা হুয়ানবী অম ফারে, ফিরোল লীক-কোন উপু হাংদোক চিকথৎলম্মে খম্বীনা উচি মানবীনা।

ঐগাচা : হে ইরাইলৈমা থোৱানী, লাওগনু লৈকাই তাখিনি। নিংথিন ইংনা য়াথল থয়সি য়ারেপ তানসি, য়ো য়ো বামন ইবেম্মা হৌন খোংগনু।

খম্বী : ঐগামচান ইচেমা থোৱানী নেক লক্ষ্মী ঐবু কৌহল্লকপা বার্ত্তান তৌবিয়কপ নত্রা ? ফিগে ফনেক শেৎহন লিককোন শিহন লুহোংবিগে ফোটো নম্বিগে কৌমানে থল্লম্মি হরাওখি লক্ষ্মী ঐ ইশক ফজবগি হায়ব ইল্লুবগি থল্লম্মি। হুজিক খৈদেন কাসিয়ক্লগ ইচে থোৱানীন হুৎ হল্লক হুয়ানবীনি হায়জিন, ঐবু ফাবি, লৈকাই মমাংদ থুঙ্গোইনগে হায়বি-য়িববু থোৱানীন য়ুম্বরেনবী ওইবিয়িত্রা ? নত্রগা ঐগামচা মুংশিবন মপুরা পাখোল্লোইরা ? ইতৈ ইনাও য়াতাম্লবি লৌতুনরগ লায়রবী ঐবু লমজা ওক্তবী দুগ ললোনবী শত্রুম তেক্লা য়োনবীনি হায়ন মীয়ামদ লাওবিরগ করি ওইজব কংবিদগে ? ঐদি হুজিক লাঞ্জংউয়বনিন থবাই মাংদ্রিকাওব হল্লরোই, ফিরোল লিক-কোন ময়ামসি লাইবক্ত তম শেৎ-শিক্ষয়বনিন লৌথোক্লরোই ইচেমান কৈস্থা কং-পিয়ো ঐজামচাদা ?

ঐগা : তপথখো লক্ষ্মী চংনবা য়াবা নঙ্গিস্থ চোপ্তনব ঐখোয়গিস্থ মাংদনব য়ারেপ অম তানয়গ মথা চথসি।

থোৱানী : বোক্সিং নত্রগা হৈস্থাংন থিন্দৎনরগ ইপোৎ হুয়াল্লবী

নজোংবগি পনাজুপা ফিরোল মুরনি। ঐগি হিংজাদা নমুম শান্নিরকপ, হোটেল কমজিরকপি নওবু লেমনা, থারোই, ইথাদ মিহুল লেপত্রিকাওবা।

ঐগ্যা : করি থানো হায়রিবে ইয়াইদৈবমা, মরীগুগি মা অসি মণ্ডারক কানবী হৌরবব হৌনবে ঐন নওবু পাখোয় শী মাবু কৌজ্জুবনিন অতিথিদা থাওনা থিনর পাংদব থবক্কি, ইপা ইপু চেত্তগদব থবক মীতৈমচা ঐখোয়না তৌব হৌনবে।

থর্ম্বী : বোম্বিং থিব্র থাওনা মায় মুক্তা লেংফাই চয়দৌ শরুক ঐগ্যা মচাই মায় রেংহুনা বেন শেংচানব্রগু বিউটি কন্টেষ্ট তৌনসে, কজব তায়নে, ঐগা মচাবু জজ ওইহনে। ঐন খোইরগ মুমসি পাজহৌগে ইচেমান খোইরবা ঐহাক থৈবেন ময়া হোটেল থালোক ইফাল মতাইম ইমকোক লৈতুন লোংচগ্রগে ?

খোয়ানী : নত ওসি লিকফোল ফিরোল উপুদৈ মুরায়না শেং-শ্নি নুংশেল ময়াংদ নশক্ত উকরব হয়াও চহি ১৭/১৮ গী প্রৌকী নাত্রিনকুম ঐডোন্দ শীংলেরে ? ঐবু শীবোই নিংব্রা ? কৈ কজবা তায়সি শেথনু শিমু উপু অহমহু হাংগে অপায়ল থবু, লমকা শায়া ওইন লয়কাওব চাকলিবীগুম চংপী পাথওপি কুরিথথাও চম্নি নওনা ঐডোনৈ হেব কজব্রা রেংনসি।

ঐগ্যা : ইস, ইবেনা মখোয়নী মাংখোজি বিচারসি' খোল, লংসিল-লায়েনা জজ শাদোব ঐডোন্দা ! হরে-হরে ! কৈনৌ মায়েলস্থ মায়োইমবী লিংজেল থাবী ২০ ঐনা কাওশিন্নবে কর্ণকল ! (লোয়ীং-খোন্দা মচ্চ ইটল কউবথি).

জায়রিকরেংবা : 'তায় পাওতাকপা, তারীবৌনি ময়াইম লোইশিনব রাজিথাও ? আবিল কাব লোঞনি লোংখ্যা।

থবজাক : অমুকাটম থায় লাংতাবহিব্রা ? জজ থাদু ঐপামচাহুনা

কনাবু খাৎনবা কঙবী খনগ্রবগে ?

লাংথয়িক : ঐগী মুখ খঙদে, কনা খনবনা চুবগে তারা অমুক্ত খনবিয়, ঐগ্যামচা শাংগা। ঐগামচা শাবিদ্রিব তারা নোংয়াইদি 'কর্মা খঙগা কনাবু হংশাকনি ? হা তারা নোংয়াই ?'

নোংয়াই : ঐগী মচা শাদ্রিব নোংয়াই ঐবু খঙৌ হায়রবদি মখোয় মতাই' হোটেলদগী করি করগা বাজার হোটেল ঐগামচা-খোয় খোঙালদ খর্মী মচিন্নাও হোংগৎলকখি, ঐগামচাগ খর্মীসা কদায়রোন থুংশিনরে হায়ব (Context) রাকোক্ত খঙনা রায়েনব ওম্মোই, মরম্হি রারীমভেক খর তাত্রবদি অচুব বিচার তৌব ওম্মোই।

লাংথয়িক : তারা পঙঙাকপনদি লোইশিল্লো রারী পোলোই কম্বিনো হংই। তারা পঙঙাকপদি মোত্তা খোয়রানীবু খনগত্রা ? মরম্বী লম্মীবু খনগত্রা ? অমুক্ত হায়বিয়—

পঙঙাক : 'হিচাকপা চহি ১০ মুক তরব পোকপবা খোয়রানী মপকচু খাৎবী মরমচু শম্নিটাওম ওকই খরবয়াবীবু লংখোক খাংমু খক্তি মরম্বী মচংখতৌ খঙবী খর্মীবু খনগত্রাও ?

খাবরে : ঐদি রারীংরে পঙঙাকপা, মতমসিদা খর মীতি অক-কত্ত খোশানরে, খত্তাইনা খোয়রাংস্ক্রন ঐগ্যামচার ওকই বোর কংলবী লম্মিক লৌরগে রাশক্লরবদি মতাই হোটেলদা, ছুব্যস্ত নিংখোনা পীরবা স্নাখুলোপ মুহোয় মত্রগা লৌগনি রাশকখিব চিঠি লকীবা পুখোয়রবদি বানীহ খঙ্গিং ভং-লোইগ্রা ? ঐগামচা খোয়রীয়ান শিন্নরগরা খোয়রানী কিবদগি ? চুর্থ্যামাদি শাপ কায়েন কাশীরা বাংলাব কুপা অসিদা ?

পঙঙাক : উবাইত্তো স্বজাপুরেন, রারীত্তোখিব রারীলেংব নীপান লোইশিনব তারাদ্রিব কিরিবা কম্বিগীসো ?

মখ্যা : রারী তুম খঙবনা, ঐগামচাদি পুরিকব রাইরাদে খঙদনা কাঁরা খঙগে লারদ্রিবরোম-খারীসীরবিদি-ঐগ্যামচা-মরম

[illegible] নঙনা ঐগা্যায়না [illegible] হায়রী থৌরানীবু থমহৌদ্রি, [illegible] তাক্লাক্লীংই ?

নোংচুপ লোমদগি সাহিত্য় য়াম্লা চাউখংনবা নোভেল, এন্টিনোভেল, অনৌবা নোভেল পুথাইব, নত্রগ নোভেল শিংদোকপ হায়গদ্রা শ্রীমতী [illegible] সারাউটে, গ্রিলেট, বুটরকা হায়ব নোভেলিষ্টশিংনা ২শুব লাগাউ য়কুংদা নোংরেং থুংই কয়া পুথোকখ্রে। লীলা [illegible] কামু, বেকেট, গেনেট থোক্লা থিয়েটর শীদোক্লব এন্টি থিয়েটর এবসার্দ প্লেশিং পুথোকখ্রকপগুম। নোংরেং য়ারীনৌ, নোংরেং লৌলাহৌ থোক্লকপ হোৎনরম্বি তঙাইফদবনে পঙঙাকনা, অফিস ঘর থেংনহ তাখো বাদ্রী ময়াই, মতম শাক্লা তানলবা (ময়াম লোরই)

পঙঙাক : [illegible] লায়রিকসয়ংলা ঐখাক্লাগ [illegible] মতমই হোৎনগদ [illegible] শম্লা [illegible] অমতা তাওদ্রি—(থুবাক)

লায়রিক : পূর্ব্বে, মমাংঙৈদ, ছুম থারনা মত্তে [illegible] হায়রগে [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। কার আমেরামু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ইম্ফাল ময়োলদগি [illegible] হোটেল মমাং [illegible] ব্রেক থংকা কার [illegible] লোং। [illegible] [illegible] থুমু [illegible] [illegible] : [illegible] [illegible] [illegible] চা[illegible] [illegible] [illegible]. নহা হোলী পিচকারী মচু কয়া। কার [illegible] [illegible] নিংথৌনা স্যুট [illegible], পেন্ট থোঙ[illegible]প থোং আক্লোক হৌথোক মমীৎতগি, হোটেলদ চা লাক্লোকনা [illegible] [illegible] নোংথাংলা [illegible] [illegible] থং [illegible], [illegible]. মতৌ[illegible] [illegible] ওকই [illegible] [illegible] [illegible]. মীয়া, [illegible] তাখিব [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ? নক্‌শিনরুব কার [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] নিংথৌনা

অকুপ্তলানা ইকাইরপ য়েং, মীৎচিন-নিংখৌ থম্মোইদা থিন ।
ঐগা মচানা থুমখি, শজি শণ্ডাই ভাল্ব, থুমু হৎদোরে হায়-
দুনা গাড়ী ব্রেক থংকা কাখিব নত্তে। হোটেল লাম্বোকখি
মনায় মমি মুংখিত্রা উহৌদন চিংন থংকা কারুরে ব্রেক।
ঐশামচা শা. ভাম্না নোংয়াই, য়ায়ী মভেক অমত্তা শম-
থবিয়ু মুংজাইনবা (তিং— তিং— তিং)

নোংয়াই : ইবেম্মপি চা লেপথক হোটেলসিবু মঙুংদ কমথক থকচগে
য়াখিয়োইত্রা ?

থর্মী : য়ানী লেংসিনবিরকঙ্ড ইনিংখৌ। কাফি, কাংঙৌ, কোমলা,
কাংম্রুবী অপাম্বদ হাবিব য়ানি বেরা বর্ফি, লহু লালু
লালমোহন, সন্দোমক্ষীর, খেচরী, শিংজু বোরা, পলাও
পকৌরা। (খোঙথাং ভায়— খোঙগে হাং)

নোংয়াই : ইস, থাজদনা কজায়ব কযুং, টেবিল, হাঙরব পোৎচে,
হৈরাংখোই অমুনব জৌঙাংনব এপল, তাজপুরা খোক্রম
মঙ...... ।

থর্মী : কজায়দপি জুগোং চাপ্পোং নত্তে, কাম্লো, হাবয়ো কারনো
হাপচখিগে। ক্ষীরহু থাবে অমত্তা হাপচখিগে, এপলহু
খোরুকউম্না। (চাব থকপ মখোল)

নোংয়াই : মতমসিদ লমদা সুবাইদ শাংকদবী শমজিরে নত্তে। বাজার
মনাক্ত ঐখোয় খোঙাদ বামোন লৈকাই শীতৈ লৈকাই
লোমবদ হোটেল কমতম শঙ শীগে। ঐ হুনগে লুপা
১০০ চংশিসি লৌশিনু ক্ষীরহু হাওই, পকৌরা মেংই,
এপলসিমদি পায়হুন পুথগে।

থর্মী : ১৫০ চংশিসি হাপচিনবিরু শেল লৌজরোই হোটেল
কবউমগুগ শোইহনবিনু ঐগা আর্যপুত্র।

নোংয়াই : থুদোপশি শিবিগে ঐন কাউমবহু মশি উৎসবদি খোয়ানীব
লাঙব চাবগনি লৈতব শীগনি।

খর্মী : কোলোয় মিংলেনদি তাকপিত্রি ঐগা।

নোংয়াই : শামুয়াইলাংপম ঐগামচা সেঙ্গাওশং, বামোন লৈকাই বাজার য়োদ, মুক্ফাল। (যন্ত্র ইশৈ শকথি)

লায়রিক : কে-না শেং-লিং কজব তান্নবী অনীচু ইমুংদ হজং হন্দা চংকল্লি, মান মান হৈজব শাজং খুংথেক খুংহায় মীংয়েং নায়েং উংনরি। কমুংদ কম শামুয়াইলাংপম জজ ঐগামচা কনাবু কাই তাহন্দগে খনবদ চঙ্গরি। ঐগামচা শাবা তান্না নোংয়াই কনাবু কাই তাহজি ?

নোংয়াই : হজিক উংথিব সোন্দ্রী খুংচং খুতুং ইল্লবদি খর্মীবু খনব মথৌ তায়। অতুক ইজ্জং লৈনা হুষ্যান্ত নিংথৌ শারু বোম হৌনা কাপ্পুবগ থৌরানী কিরক পোক্লাওবীন লোই-সিনবজি সোপ ওপেরা মানগনি।

পণ্ডাক : পণ্ডাকপ ঐবু খঙ্গৌ হায়রবদি থৌরানী ইরাই লৈমবু খনগনি, ওহাকি মণ্ডলান্দ তাওচংনা চহি ১০ হেন্ন সহুধম্মিনি ওইরক্লবীবু হন্দোক দায়মন্দ নত্তব লিক্লী কায়গনবীবু কৈদৌন বিউটি কুইন খল্লুদগে ?

ইরাই : ওব্যামচা লায়রিকয়েংবনা য়ারীলোইসিনগেদি হায়দনা মীপি মবুক কোইহং হংলিবসিবু হৌনরিত্রা মখ্যা পুয়েন, এটি নোভেল হায়বত্থ পাখোংলা ? মী নেরুগা য়ারীনৌত্থ লোইসিনহনত্রা ?

মখ্যা : হা-হা-হা— নেরুদে মান খনব লোইদত্থুন চংক্লরিবনি, য়াকোক্লৈ য়াম্মৈ তারকপত্থ কোজ ময়ামদগি তারকপ ফল, ইফেক্ট অত্থ য়াম্ম চুমঃল্লিংত্থুন লোইসিন্দৌব কিরিবনি। প্রাউস্ত, জেমস জোইস, ভর্জিনিয়া উলফথোয়গি স্ট্রীম্ অফ কন্সিয়সনেস কি খুংঙ্গ নিংশিং ঈচেন্দা তাওথবত্থুনা হায় খজোক্লগ কোয় খুতুংইন ইথবনি।

নোভেল শিংনব নোভো য়োমেন এটি নোভেল নৌয়েং

বারীনৈ ইব কাংবু নেখাবে স্কারাউটে, এলিয়েট, ভলাদিমির নোবোকোভকী খোয়না লাক্ক শম্দে, মীশিংবু লোয়ন খজিন্ব হায়দে, মতম ফিক্তম মতুং ইন্না করি পুকখন ওইমদগে হায়বগি চিংঙৈ ন।

পুক্নিং লৈরোল মথাক্তব স্ট্রীম ওফ কন্সিয়সনেসকি হৌভম, পুক্নিং শমক্রুফুনি বারীলীবক্তা অমসুং থৌদোক্তদা ইংপোম মচা মচা, য়াবলগি ঔথর ঈদম্ম হকং হন্দা চেৎহোক চেন্সিন ভোত্তুন লৈহৌষ্ট মংতোমি হাংখ্রব লীন মমৈন হারজন লেংজন লৈহৌবগুম, নেখাকে শরাউটেনা মাগি ট্রোপিজম হায়ব বায়েংজুদ ইথি। মাগি অহানব নোভেল "দি এজ ওফ সসপিসিওন" চিংনবগী যুগ কৌই। চিংনবা অহুদৈনি লায়রিকয়েংবনা বারীচু লাকজ্রা খন লোয়সিনব কিরিবা। হা লায়রিক য়েংবা?

লায়রিক: মানি ওবাবু, ঐন থাজব মতুংইন্না বারীজু লোইসিনরগে খীঙবগি বারৌবিনু, ফজব হেমব তামরিবী, ঐ পরীক্ষা হায়দোক্লগে, হৈ মহীরা চারা গ্লাস ৩ দদি থকসি কোক ওঁওব ফনবা। নঙনা য়ুরুনি ইরাইলেমা।

ইরাই: ঐন হৈ মহী লৌথোকখ্রিডৈ, করি বা তাম্নগৌগে হায়ব?

ঐগা: নবুক ফত্তো থৌরানী।

ইরাই: মতম ফত্রবননি ঐগ্যামচা।

খর্মী: ঐসু য়াওন চং শেন্মিরকসে ইচেমা।

ঐগা: টৈবলদ রাইটিং পেদ লৈরিবদু কোলোম অমগুগ লাক্পুহে কনানো ১?

খর্মী: ইচেমা, রাইটিং পেদতু পায়বিয়ু ঐহাক কলম থাংজগে ঐগ্যামচাই খুং য়োনব।

ঐগা: ঐ ফাষ্ট সেকেণ্ড মখিং ইগে, মখোয়নী য়েংখ্র ঙাদে, চখোকউ। (তম) হয়েংলা হংচিংলা কনায়দনৌ ... ...

ইরাই : কিচ্ছায় মহী সে! (থকনৈ মথোন)

ঐগ্যা : শাওনব য়াদে কো, চিন্ন লাওরগে—ঃ খোরানী ইরাইনা থাই তারে রসস অপ লম্মী থর্মীহ্ কৌবীনা সেরে তারে (হৈ মহী পুনরুকপ ট্রেহ্ প্রাং লাওন থাদরম থর্মী থোকখি)

ইরাই : অহুন্ন পোৎ লংখাইবগি নংলিননে কুবিখ্যাও চপ্নি।

ঐগ্যা : ভাইখো থর্মী চেকেৎসি পান্নথো

ইরাই : কনিমো নোঙ্গ হেন্না চিঠিনা ?

ঐগ্যা : নথো নৈতে ঐগ্য নঙ ভায়োক চমুন য়েকলা ভাক্রা ভমুনা ?

ইরাই : মঙ্কুং ইরখি য়াদে।

ঐগ্যা : খাদোকহৈহে ঐগ্য ফাদোক্রা। (চিঠিহ্ য়োরগ-থর্মী খান্নু খাজংত্তা তন্দে মাখে হোটেল্ চ.রি।)

স্বথ্যা : ব্রজের পথে যাইয়ের ধনী—
কুঞ্জর বড় গমনী জিনী—
মন্থর গতি—
রঙ্গী লখাইমা থনী .রাই, শামুচো খোংচৎ ভুমজরী. কুখে য়ান্দে মযুমদ হুরকই যমুনা তোরব হৈন্দ !

পভভাক : ভায়া বয়ৈহ্ লোইরবা ?

লায়রিক : শাংথখিসিরা মথা ?

পভভাক : চিঠিলা করি য়রোন য়াওবগে ?

লায়রিক : ভাযানা করি য়াওহমিংবগে ?

পভভাক : ঐদি শাওননর থম কোন্দোলেলন ওইন হোটেল মকুমহ্ লীথোকহন্নোংই।

লায়রিক : মতৌকি খরকাইরা ?

থর্মী : ঐদি নিরৌগি ফাইক হৈার হোটেলদা নুরগা আমেরিকাগী লাস ভাগাসদা হোনীমুন ওইনা থা মমহং কোইকসি

লায়রিক : ভায়া নোংয়াইজি ঐগ্যাকাশাবা ?

নোংয়াই : ঐন শাখিব ঐগামচাহুন্ন মরল করম্বি লৈব ছুম্যন্ত নিংথৌনো ?

জায়ন্নিক : অহল লময় থনয় সম্পত্তি য়াম্ন ব্রাদন কংহৌই, চিঙিংকি চিঠি খেলাসন্ন অপঙবশিংদগী লেন য়াম্ন থোমখ্রে হায়, ব্রাদন কংব শেলদি মথোও য়াংই হনখিবন্ন, কাওরন্ন মখোঙন শেঙ্গাওশংদ লায়থুং পকহৌগদ্রি হায়নৈ।

নোংয়াই : ঐদি খর্দীগি ক্ষতিপূরন ওইনা হোটেল তিনতালা অম শাবিনি। থৌরানীনা তুম্মিঙৈ মাগী হোটেলদা চং শঙ্গোম-শ্লীয় চাকন্নি, সেটার খোংউনি।

থাবৈ্ল : মচেত্নদি ঐন শাবদো করম্ন পানখি ব্রায়ীলেংব ?

জায়ন্নিক : গুরুগি কৃপা হায়গদ্রা যোর হায়গদ্রা মীবু লৃন চাম্ন ভৌরুবদে চা কজন লোনব হৈবগী সিপাহী গুর্খা পেন্সনর অমনা মুক্তিগী মুমিদাংব্রাই চা থকপ হেক হেক লাক পাগ্রা ওইরব চহি ৫০ দো চাকন্ন চাম্নৈ কলকমেন্দ মাংদনবা পায়হল্লি।

সখ্যা : করে ওসিদি নৌরেং ব্রায়ীনৌ মচা অম ভারে। হয়েংমুক মতিক মগুন নৈনসি। (মুংওাই ইশৈ যন্ত্র)

ইন্নাই ব্রায়ৌব য়াদে সখ্যা পুরেন, ব্রামগুদি—

সখ্যা : করিনো ইন্নাইলৈমা ?

ইন্নাই : ঐখোয় ঐগ্যামচাই ব্রায়ীসিবু পাউতাক ব্রায়ী নত্রগা প্রোব্লেম শ্লেকা হায়নবত্নইজাংলা ?

সখ্যা : ইয়া ব্রাই হায়ব। মাগী থেসিস্না ভমথীরব মতমসিদ লম-হেনব মচিম্ননাও ২ হু নংনা হিংখি। এটি থেসিস্ন লায়গুরু পাউমেন পাউতাক ইন মরম গুরুবদি মুংওাইরুকপ য়াই। অনীত্ন পুস্তিনবগী ব্রায়ীনি। পোব্লেম, সমস্যা পুস্তিগী সোলভ তৌবন্নি।

পওতাক : মায়পাক্নব থুইনি হায়গদ্রা ঐগা ?

ম্বথ্যা : নও হায়য়ু পঙঙাকঁপা খুঙ্গোইত্রা ? এন্টিনোভেলনিদি হায়বা য়ারে।

থাবৈ : ঐদি খুংঙাই।

থম্মী : ঐস্থু খুংঙাই।

নোংয়াই : চানীংব য়েঙ্গাং হাওই, পামজব শক ফজৈ মীদম্ব লৈরে।

ম্বথ্যা : অম্বুব নৌরেং বারীনৌসি কাল্লৈ মতমসিদ। হেমীংওয়েপী (The old man & the sea) হায়বহম্ব রিদম্মন Technique শিজিন্নব অশম্ব খুৎইনে। ফজৈ মথংদমুক নৈনসে।

(যত্র ইশৈ খুংঙাই)



নুংজাওঁ কাওন লক্কা মৈচাক্লা ?

(মতাং ৪গী লীলা)

য়াহোদোক

King Lear না হায়খি (মচানুপী চৈবদ) : ' Ingratitude, thou marble hearted fiend .... "তৌবীমল থগুদবা, নঙদি মার্বল নুংন থমোই ওইব লায়মু—

প্রজাশিংদমু তৌবিমল থগুদনা পেন্দ খোল্লাওদ লেপ্প নায়দন লাওথকুনি .... লৈবগী অসুম্ন চৈব য়াই সরকারনা। পীর পীরগ হেম্ন মিনিংই হেঙ্গৎন য়াইফনব। পীব মথৌনি, নিবগী অধিকার লৈ। অপেনব কন'নো ?

সরক'রদ তৌবিমল থগুব উৎপ ওইন লীলাসি ইজখি ইং ১৯৯৩ গী .... । Suggestion তৌজরিবদি মতমগ মফমগ চানরিব্রা লৈঙাক পথাপসিবো Democratic Party system সে ? Corruption বু ঙামকমগুম য়াম্না পোক্লি। Individual merits খন অয়াম্ব power পাযহনবন party গী brute force হুম্বরোইব্রা ? মী চং নায়ন, খুংলীংন, লান য়াম্নব হুম্বব ; চাম্ন চিম্ন হিংমিন্নব য়াব পথাপ লীংসে।

একলবা ! সেক্সপীয়ারনা এক্টরশিংদ হায়খি :

We are such stuff
As dreams are made on
And our little life
is rounded with a sleep.

ঐখোয়সে মঙ কয়া শাগৎনব মচাক্নি, অদুগ ঐখোয় পুন্সি তেম্নেনসিনা (এক্টরগী পার্ট) থুপচিনখি অমুক হেক তুমথবগ। (Stage দা এক্টরনা খোকপ চোংবগ তাইবংদ মীন হিংবগ চাংদম্নবনি।)

ঐখোয় ভাবোক্লা উবদ মীৎ নাবদি মতম অমদি মফমগ পক্লদব শক্তম শক্লাক তাইবংদ থগুদে লীলাকম্বাক্ত থগুদে খোম্নকপনি।

তোংব্রা।

নুংঙাউ কাওন লঙ্কা মৈচাক্কা ?

জি-সি তোংব্রা

৩০-১০-৯৩ ইং

নুংজাউ কাওন লঙ্কা মৈচাক্লা ?

লীলা মীকোক :

১।	খৈদেল্ল রাজশিংপা (রাজরীয়'লীব)		মীয়ায়
২।	,, লায়রেম্বী	(নুংলায়, শেগায়বশেং কজবী)	
৩।	লুচিংব৹ মতম		— মীয়ায়
৪।	,, মালং		— ,,
৫।	তুংইনব খোংমী	(৩গি)	— নহা
৬।	,, ,,	(৪গি)	— ,,
৭।	হন্নব অঙম্ব		— অহল
৮।	নিপাচা মচা		— নহা
৯।	নুপীচা নুপী		— ,,
১০।	চৌংলৈশা + চৌংপাখঙ		— নহা খর

লাশ্লেন কাংলুপ (৩/৪, ৩/৪) অনী ; ইশৈ শকপা-শকপী, ম্যুজিক পার্টি......... লাম্মী খর

(লীলা মীকোকশিংদু অহিংবা নত্রগ লৈখিদ্রব কনাবু লক্কদুন উংপ নত্তে। ফাগীগি মাইথুমদ অওইব রাকম খর হাংদোকচবনি)

নুংজাউ কাওন 'লঙ্কা মৈচাক্লা ?

মতাং — ১।

শী ৩/৫ না প্রস্তাবনা শক্কই:

ইশৈ:

ওহ্ ... ও ... ও ... ...
মপান নাইদবৈ ঙমগৈ,
লোইব নাইদবৈ পোলোই,
রচ্চরি বাকংচে শুংখুংত হেক্তা,
পেঙ্গ ময়ান কযা চগেমপোম লীলা,
থবাই শোক্লা লাংথংচরনি।
ওহ ... ও ... ও ....
তাবিদ উবিদ লায়নিংখো !
করম্নো নহংসিন্দু থাবিরক্তা
সুপরমেন হনুমেন কুনামতস্ন ?
অনায়খোয়দি হায়, তারে নুংনী কারক !
ঙাকপিয়ু মরুংহো লাইবকথাঙাক্তনি।

(কপ্নি কপ্নি শৈশক্তা)

(শকপা লোয় মৈ মমথখিবদ থৌদেন রাইশিংপ লৈহৌব, খিংতং লাপ্ন নুং লায়রেম্বী (মীন শাবী, শেগাইব শেংন লায়শক) থিল্লি তুংদাং থৈদেন্দা। অমম্বহু থর থর তপ্ন ঙানখংলকই, উফুল থোকহন্দ, চাবং চবেং ঙাং রাইশিংপ শারি মরম ওক্না।)

ৱাইশিংপ : মী য়ামখৎলক, খৈদেন্দ ৱাই চায়খায়র হেন্জংলক্লে, হেন্জংসম্ভু ঐন শিংভোকনি, ঐ লৈ শিংপিনব, তোলোব পী। থবক কিব নিপা নত্তে, শিংকনি নান্না। অতৈসু ঐগুম নান নান, মাগি মাগি মথৌ শিংনসে, লৈবাক চাউখৎনবা। খৈদেন্দ ৱাই চায়ব হৌনশানি, নালাদ করিয়ে হুন্দোক্লগদি অমোংপনি, মকম মতম চাদন লৈব পোং অমোংপনি : বিচার লোইশঙদা সেন্জা থুমজা তৌহেন্দবনি, মীচাই চৌকি লোইশঙদ থারিবত্থ লোথোকউ মচা কমহনগে হায়বত্থ হৌনদবনি, হিসাবত মোৎন শূব, জেলদ থম্মগ মকম চানি থুনাম্মোই।

খৈদেন্দ কারক্লগ চেন্জেং লাচেং, অপুম অশা হুন্দোক্লঅম্মগ করিগিনো সেন্জেনোটচে, সনা লুপাদি পঙনা হুন্দোক্লমদে ? ঐগি ঘুবত্তি ? নোংম কাদোক ঐবু ইচাদ ঙাতোন চরা অম পীজব য়াদ্রবাও ? কুরিং খোংগ্রাও কনেক ইন্নকি অহনব, হন্নাও কুম্মে অমদ খন্ন হন্নাওজনব লৈজব য়াত্রাও ?

করিনো পোৎন ভাংলিব মমলগি লমজেল করম্বনা কার্ষ্ট ভাপ্রবগে ? চেং হৱাইনবু কার্ষ্ট ভা ন্নিব্রা ? শা ঙা ঘী থাও সেকেশু চেনত্রা হজাম হৱাইমতোন এলাং পেক্লক ছৌগ্রীদি ভাংহনগুমসিবা কৈদৌবগে ?

নংলায় : ভাংদব য়ারোই, থাগেদি হায়দনা মীয়াম ওক্লবা ? (খংথি, চেনগে তৌরম্বদগি, চংসিন মীন্না লায়ন্না য়েংউই, খিৎভং খুনীংকাং)

ৱাইশিং : হৈমা ! খৈদেন নংলায়ন্নেস্থীসু ৱা ঙাংবিরত্রা ? অঙকপ মতম মকমসিদ্দা !

নংলায় : করিগি ঙকইবনো নংলায়না ৱা ঙাংববো ? মতমগ মকমগা শ্যামলৈবাকি কাইবোক্কি। মচিন্ননাও নংজাও অনীস্থন কাওনা

নংগাং য়েনরগ খোরকপ মৈরীক ময়ামচুন খুম কয়া মৈ থাগ্রে, নুপী অঙাং অচল লমন কয়া মৈদ লৌৎপ্রে? চাব তায় মীশা, লোকয়বদি। লৌদি উহৌদে হিংলেলসু কোইহৌদে করি চাগদগে? খেদেন্দ করিগি পোৎ মমল তাংলোই? লৈগেদ হায় য়োয়বদি থারুদে শারুদে। খেদেন্দ কারক্লবো নখোয় নখোয়ন ভারুব কারুব শা-উচেক খঙদে, ঙা খঙদে, মী খঙদে লোয়গ চারো ভাকক করো, মীকক ফক্লো, চহি চুপ্প চাব ওরুব। মচিম্মনাও নরুব মরী লেংথীন লান তৌনখিব কুরুক্ষেত্রা করি খোকখি?

থাইশিং: কারাম চাউবদগি, মীরম মীপোৎ পাম্বুবগি, মীগি নুপী, মীগি মরল মিহৌরুবগি কৌরব শাগে তুয়া শিখি, লন্না তুয় মৈ চাকখিবদ নত্তনা হিংচা শাগে উৎকুয় মাংখি। মতম অমসুং মফম থাদোরুব য়াব কাইবোক নত্তে, ওপরেসন তৌরগ থায়দোক্লবদ শিগন্নি মফম লেংদ্রব, মত্ম অচেনব। অম লৈতন অতোপ্পচু লৈব য়াদে, মরাক নন্নগ মমুং য়াওজন লম্পাক ওইদে, খেদেন কদ্ব য়ারোই। (চোয়রোলোন-বগুম তৌ) চীংগি নংজাউ অনী কাওনরগ কায়রকপ নংকুপ চেম্বরকপ নংচুম মচা তুরেলগুম তম্পাক্ত তারক খেদেন্দ য়োনব শিংকত্রা? সনা লম্বাই খুম ময়াম চাকখিবচু অচুঙে, উৎতু মাংহন্দনা তম্পাক্ত থারগ হার হাপ ইশিং চায়বিরগ উ-বা-ই হৌরকখিত্রা?

নংলোয়: হৈ কপচেংপা! চাকপ্রবা খুময়ামগি উৎতা, হাৎপ্রব নুপী অঙাংগি শিন্দ্রব ইখেংদা নপি সিম্বরগ খুমশিংচু হৌরকখিত্রা? নুপী অঙাংচু হিক্লংলকখিত্রা?

থাইশিং: নংগি মূর্ত্তিনা মীওই লায়ওই খোরক বা ঙাংলব পাউতাক পীরব মতমসিদ মফমসিদ ওইখোক্তন্দ করি লৈরিবগে?

শিঙ্গবসু হিংগৎপ য়াই, চুঙ্কপ্রব উ-বাগি য়ুমশিংসু হৌগৎ-লকপা য়াই। নং মসুংদ নহানথৈ বা ভাংদন তুমিন্ন খাংলবত্থু বাবিরিনিদা?

নং: নং মসুংদ বা ভাংব ফংদনা ভাংজরবসু কনামতন তাবিদন খাং লৈব মচিন পানব! অহিংব মী কয়া য়াম লৈ মালেম-সিদা লাংলিবশিংহুদি চিন্থীব হুরানব নমথাক হৈব খরদনি। ফুরিংখাওগ কাটিগ থেংনরিব কুরুক্ষেত্রগি লান্সি তুমিন্ন য়েং-লৈব ভমক্রে: ফেয়ার প্লে কাংলোন চুম্ন শান্নব ধর্ম্মযুদ্ধ ধর্ম্ম কায়নদব লান নত্রে। হুইশেল খোংও ফাউল শান্নব প্লেয়ার মথৈ শান্নবুংদ য়াওহনগনো।

য়াইশিং: খৈদেঙ্গী রাইশিংপ ঐন কাংজেবুংদা কাংলোন কায়ন ধর্ম্ম য়াওজন কাংজে শান্নবশিংবু শিংতোকপ তান্থোকপ য়াব্রাও? রেফরীশিং জজশিংবু খৈদেন য়াইশিংহল্লো ঐ হুইশেল খোঙ্গে? হা হা হা ... ...

নং: নোকন্নু বুদু জোকর মাল্লিনহে। মী খুদিং মথৌ নিংথিন তৌনরবদি অপঙব নঙগুম্না, ইস্বান শাখিব থুম কয়া মৈখেৎ মরু অমগা মাংমিন্নহনগদ্রা? শোন্নব অহল নুপী অভাংদা দুশাসন, দুর্ম্মুখ, কংস, রাবন থাজিন হাংহনগদ্রা? কুইন তুংখৎলব অরান অহুই, করপসন পুক্কৈদা পুৱীদ বন্নুলা পোকথায়হল্লবদি ভা মচা শামী মচা খৈ কংফান্দ চোংখৎ, চীংদৈ গুন্থরক ভম্পাকসি থৌদু নং মচান তাওরোইদ্রাও? অচুম্ব কাংলোন ধর্ম্মনীতি, রাজনীতিমথৈ নিংথেম পুৱীদ লোয়ন নুপাখি, কাঙমথৈ মন্ত্রীনীতি খঙদ, ফুরিংখাওগপ কাটি খংদে, তাওখংলক্লোইদ্রাও? লশিংফি অশেংব মাংখ্রে, লৌনম ফি, লায়রেন ফি, লীম মকুন খৈদেন্দ তাওরে। শালান খোরুপ নিংঙ্গৌ শান্নব মফমশিংদি মতমশিংদি লৈথাওনব ই-বানব লাংলোন নুপী অভাং

মী মণ্ডক থাওনব য়ারে। করিগিনো? করিগিনো? কনান তৌরিবনো? কনাই মরালনো?

রাইশিং : লঙ্কাগি য়ুদ্ধময়াম মৈ থাথিবহ হনুমান থাখি। মহাবলী উমংদ চংলগ হংউদ্রা? তুরেল অচৌবদ চেল্লিব ঈশিং; নওদি নপাম চীংলমদমদ মৈ চাকখিব খরামছু কন্নুব য়াওদ্রাও? কনা কনান থুম মৈ থায় হায়নৈ? কনা কনান হুপী অঙাং অশোন অনা অহল থাক্তনা অথৌব শা নোংমৈ শিংজংন কাপ্পি হায়বগে? নোংমৈবুং, ললাম্বুং শওম্বুং চীংঙা পিশুম, নোংমাইজিং, থাংজিং, কৌব্রু লায়মতোন নরেপ রাংব নথোয় উদ্রা? কনান কনাগি ময়ুম করি মরালগি থাখি? লৌ-হিঙ্গোল মুমবগিরা? সীতা, দ্রোপদীগি ফিজী লাক চিংলুবৈরা? লমজাউগি থাজনা থায়বদ থৎনবৈরা? লৈবাক ঙাকপিনি, য়ুম শংবিনি, সম্বল ওইবিনি, চীংন কোয়না পঙ্ঙাকপ, নুংজাউন কোয়ন পাম্বিবনি হায়রগ সম্বম হুরাইস্রতোন থদংপ, য়ুমশঙবন য়ুমৈ থাব হৌনব্রাও? লৈবাকসিদ লৈবিরনু, নপাম নপামদ হুপ্তব্রো ঈরাং তানীংদে চাক ঈশিং তাংলে। থাকপ ওম্মরোই হায়নরে। পুক থল্লব চাক রেঙ্গাং, ইস্থমদনব ফি লৈব ফাওব কোন্নদ্রিউদা কদায়দৈ শেম নোংমৈ লৈরুরগ কাপন্থন মী হাংনরিবনো। খুং চুম্ব তাম্নরিবনো?

কুং : জাং-বিজাং, অনেম অবাং, অচাম অরাই থায়, পোৎয়েন শৈনয়েন লানবগি মশান পোকচব করম্নম, মহেন নোংমৈ মরুওন কাপ্পবনে মরাল লৈজদবশিং হাৎনব, য়াওশঙ মৈ থাবশুম লঙ্কা তাদোই ওঁৱব।

চগোৎত হান্জরগ কনাগু হোৎপন করোইয়ে, অশওবা। মৈ চাককদ চংলো, চীংদা কাক্ক, নংঙৌ মংখু উরক, লানর্জেনভম কেম্পশিংদ থিগৎলু, মরাল লৈব

চুমথাং নমথীবিগি মন্না ফুক্কৎসে ! করপসন তুরেলগী, মরু ইরিল বোল্লাক হৌরকফমদু থিগৎতব য়াদে, লৈবাক্কি ঈরাং ফনব, লায়র মরু ফুক্কৎনবা।

রাইশিং : লৈবাক্কি ঈরাং থোকহনব, চাক তাংহনব, মীগি খুৎসেন্ন অরা অনং - মীশি মীনা হেক্কৎহনবগি মরম করিনো ? কনাই মরালনো থিগৎপসি খৈদেন রাইশিংপ ঐগি ইথৌ তারব্রা ? মতিক লৈব মফম চাউব খ্বাইন ইকাই খুম্নব অঙম্ব-শিংদি তুমিন্ন লৈথোকফম থোকপ্রা ?

নং : লৈথোকফম থোক্কে, মফম চাউব তোলোব য়ান্ন চ'বশিংন হেন্ন লৈবাক্কি পোৎলুম থোদাং পুভম থোকই।

রাইশিং : লেম্নদি লৈথোক্লম্মোই, লৈঙোই উৎ পৈশিল্লব য়াই।

নং : করিগি লৈঙোই উৎন কেদৌদৌরিবা ?

রাইশিং : লৈঙোই উৎতি মচা মনাই, হৌদোং হুইগি অমোৎপ লীচং শাজৎ খুনজিন্নব। নত্রগা গুলী ঙাকথোক্লব।

নং : অচৌ অশাংন অমোৎপ খুমজিন্নব হোৎনপ্রবনিন অতৈ অপিকপ মখৈন অমোৎপ ফানব ফোং ফোং ফোংনব কম্ন থিগৎপ তায়। চুমদ্রাও ? মী খুদিংমক মথৌনি, অচৌ অশাংন লৈথোকপ্রবদি অপিকপন থোদারুব য়াদে, অরাপোৎ লুম হেন্ন পুব অপিকপশিংন হেন্ন কম্ন থিগৎপ মথৌ তায় -ঃ কনা কনানো লৈবাকপু রাহনব নংহনবশিংদো ?

রাইশিং : মী খুদিংমক মথৌদাং ! হুন্নানবনা হুন্নানববু ফারবদি দণ্ডি কনাদ পীগনি ? মরাল লৈতব হুন্নান্দব হুপী অঙাং মীচম লৈতুমদা তায়নব তায়। সন ! নঙনা লৌ চারগা তাক-থোক্ক সগোলদা সাজৈ চাহনব করিগীনো ?

সন শাব (উহন্দন) : মোঃ ! মীরৈবাক্তদি সগোল্ল লম্বীদ গাড়ী চিংই, লৌবুক্ত লৌ খোয়, ঐখোয়সিদদি মতু তকপি অহাওব শজিক্ত পীজ কেন থম্বি সগোনবু লোক-কাদোক লমজেন

তানবদৈ হেন্দে, শাজেন্থ থর চ সম্থ লান্দম্থ চৎতব কুইরে, নীংহ হে — !

রাইশিং : লমজাও খেংনাংচো, নংনা করিগিনো লম্বী মযাদ নশা নরেং ফন পংথী মাতাই গর্তদৈ তোলোবস্থ য়াম্ন চারগ ননাক্ত সরকারগি থবক তৌজব ইলেকট্রিক খুটিনা য়ুংলবদা শেন চারিবদে ?

খোংনাংশা : ইলেকট্রিক খুটিগা লেপমিন্নববু অওকপ থবক্লা ? লমজাওদ থোকপ খোকপী নুপী মুপা সন সগোল য়েংববু সিনেমারা ? হরাগাড়ী অঙাওবনা খুটি ইস্ত্রক ইশা তেকপ য়াই, উনা কেন ব য়াই, থরাই থাব য়াই নোংথাংন চাকথেক ।

রাইশিং : লনশোৎপীনা পাউখুম রাক্তে হায়বন্থ তৌরেনা ! হৈ লমজাওদ লেকপ খৈদেন শংবা সনশা নখোয়না মীগি লৌবুক্তগি লৌ লোম্ন হুরান চাকুরিববু করিগিনো ?

সনশাব : লৈবাক'সদ ওইজ ওইথক অরেস্ব পামদব হুরান্নীংদব অমত্ত লৈতে, ফাবু ফাদ্রবদি হুরানবমুক তোংব, উৎসব লেমজামুক পুক থনবদি লৈতে। আমিন্ন লৌ ওনবদ চাখিব শেল, লৌ উবনা ফৌ লোৎসিন নোংদ কৌজেংদ তায়ন, লৌশাল খিৎত তংদি য়ারগ, সন ঐখোয়ন খুদাপ অমনী মহাও তংববু করি শাওভম থোকপগে ? ঐখোয়ন খর চাখিবন্থ থবকশূ য়াওদব লৌবুগি লৌশান্দে ককহো। নত্রগা নোং লিকপা সন্নারেন্দগী ক্ষতিপূরন তালু। লৌ লোকপদা নোংমৈনা কাপ্নবসিবু চেংগী মহুৎ মীশা চ গে হায়ব হিংচাত্রাও ? মহুত্থম খিগৎলু খৈদেন বাই শিৎচিন্ন শেঙ্গাও খুল্লগা নবুক নোইবা।

রাইশিং : অচ্চা চা, মতমসিদি চাউখৎলেদা অবাই অথুমদে !

(ওক্লা কোইয়েং য়েংলহদৈ ইশৈ হৌদোকই শকপ মত্তৌ তম শকপনা মহুংদৈ অতৈন শকই)

করিব্রো ? করম্নো হে আজকাল ?
খোংনাংনা খুটিদৈ শেন চায়
লৌমীন চাগ্নে পান-মাইরেন, য়েন্নাং-শেরুক !
সন্না চার লোম্না ফোনা
সংগোম্ন নোংঙাল্লগা সাজে চায় শেং-শেং
মহুবু করিগীনো সার, কনাই শাপ্তুনো ?

করিনো ? করম্নো হে আজকাল ?
মালং মতম নুংগাং যৈনৈ ;
চীংগী নংঙৌনা তমদা তাগে,
তমগী নংমুনা চীংদা কাগে,
চীংবনঙাক্ত পন নমথায়রে !
মহুবু করিগীনো সার, কনাই শাপ্তুনো ?

করিনো ? করম্নোহে আজকাল ?
মতম্ন খংলেপ মালংন কোইহৈচেন
চীঙন তমদগী তন্না কদায়চেন
নোংঙাল্লমদাই নেংনে লেপু দোং দেং অমনী কাংথোনৈ
নংমু—নুংঙৌ ফজাক্ত হাপ্না !
মৈদেন নংলায় কদোম চেনখি ?
(খুদোম্বী থিন তান্নখি)

চৈজ য়েং ওইরিবৈ পোষাক শেংপ মান্নদন লাম্নী ১/৩-১/৩ পান্নবনব স্কুল কাপরৈ চীংলক্ত চীংচেঙো লুমতুন পাকথদুনা থমকা হৌনৈ। নোং লাং ওহাক কাপ্পরকপ মাংখ মৈচম অশোক অনা কপ্প লাওনব তায় লংঙনৈ অহল ১০ অঙাং ১ ২ ঙবোদে য়োম স্টেচরদা হাপ চীংকি শেংশিং চেজ লান্ডুক কপ্প লাওন পুখি। ইচেজ মরাইনা থর—মতমা থর মখোয় থরনা "হাসপাটাল" কৌব্রিম। ওহ হাসপাতাল ? ওহ

হাসপাতাল! অশোক অনা থুংলরে, সিদ লাও-ও? ওহ হাসপাতাল! ওহ হাসপাতাল? অনাব পুরক্লে খর লাও—ও সিদা? নখোং পান্দব্রাও নখোয়বো?

রাইশিং: হাসপাতালহু নারে, থবক কনমন্দুন, চংপ ঙমদ্রে ফমহৌই পাংপান্দ। নখোয় অনাব চংপ ঙম্বিবনা থিরু উন্নরু। মখোঙ পানব হাসপাতাল থম্ব ঙমদে হাংনে গুনবদ থবক চিল্লি। নখোয়ন নোংমৈ মরু মরক্তা করিগী চংউরি?

১: লান খুংলাই পায়দব, লৌ খাওব লৌ য়েব, ফৌ-চেং হোনব – ঈশিং শোকপ মীদঙাক খল্লগা কাপ্পি। মুম্বু মৈদ থাদোক্লগা হরাওনৈ, নুপী অঙাংদ কল্লি।

রাইশিং: ঙাইখো শেংন হায়মু। নখোয় চীংমীগি স্পোর্টস মশান্নসিবু য়ুমৈ থাব মশীং য়াম্ব তানব্রা? নুপী অঙাং হন্নুব-হন্নুবী হাংপদ মশীং য়াম্ব তানব্রা? প্রাইজ কয়া চাওই - য়ুম অম থাবদা? নুপী নব্রগা অঙাং অম হাংপদা মনা করি পী? চহ খুদিংগী চথগদব কুম্মৈ ফিহোংলা?

২: মনাদি ফংনদ্রি, মশীং থিনদ্রি। হাংনৌ হায়বগী পংহাং হাংনব য়ুমৈ থাও হায়বগি পংথা থাতুন শানব ওইরমানে।

রাইশিং: মৈ থাও মী হাংলু চেনখিনব কিনব হিঙ্গোল ফংহৌনব লম্বী লেপসিনহৌনব হায়ত্বন ইন্দিল্লিব লুচিংবশিংহু কনা কনানো মমিংনা করি করি কৌই হায়না তায়।

১: অমন মমিং মালং কৌই, মশক্তি খঙদে লৈচিন নোংফাম্ন গুম্ন উত্ত্রা, মীতৈ নখোয়ন অতিয়া কৌব্রা মীংন মাবু উব ঙমদে ইহাং হাংবনে অংরেজীদা স্পেস কৌব্রা লেংবিদন লৈবনে মাদে। অষ্টম কম লৈখোকই কনা কিবিদা।

২: অতোপ্পষ্টমা মমিং মতম কৌয়ে (টাইম) ঈচেনগুম্মে লেপ্পে মহাক্তি, অষ্টম তুরেলগুম অরাব খঙদন চেম্থি। থেরু নৌনা কে-না শকহেনবীগুম

রাইশিং : মখোয়নীসিবু মতৈ-মনাওল্লা করিগী খৎনরিবনি হায় ? মতৈ-মনাও খৎনবদ খাম্মুন্ন লৈকাইদা শাও তায়নগল্লি হায়দুরা ?

২ : খঙদে তোইনদি লৈমিন্নব উই।

রাইশিং : কদায়দ করিদৌঙৈ উন্ননি ? করম্ব চীংদ মাইকৈ কাদোমদ চৎলগ উন্ননি ?

১ : কানীংব চীংদা কাখৎলু অনীমক থেংনব য়াই।

রাইশিং : করি রাথোক্কি খৎনৈ হায় ?

২ : খঙদে মুন্না। ওইরম্ব য়াবদি (মফম্না) মালংনা ফমদুন সুম লেংদনা লৈব রারে ঐ অমুক চেল্লগে চংলগে, মতম নঙ চেনব রারেনি অমুক ইগুৎত পোত্থারো হায়বদ মতম্ন য়াদবৈ খৎনৈসু হায়গুম তৌই।

১ : মতম্না নথোদু নিংথিন তৌ, মালং, মরম ওক্লা ফমদুনা লৈউ। চেনবগী চেনব মরম ওক্লা অসুম চেঞ্জগে, এবু খামগন্নু, নঙনা ফাব পুনব য়াদে হায়ব্রা। মদুদ মফম্না মালংনা ফানি পোত্থাদব য়ারোই নঙন ঙম্মগ চেল্লু হায়দুন খৎনব ওইব তায়।

রাইশিং : ঐ হুয়েংমক চীংদ কারগ মতৈ মনাওদু উন্নরুগে। খৎনবৈ মরম থিগৎলুগে। লাকও হাসপাতাল লৈভম তান্ন থিনবিগে।

(ইশৈ শক হন্নুব-হন্নুবীন তেংথাইশৈদ থাবল চোং কপ্প লাওন চংখি)

ওহ ইমা, অয়ো য়োয়ো !
করি লায়বক্লো ? নুংলায়বক্লে ?
কাংজৈ য়েংউই, কাংক্রম্মা থোম
ইরৌ থাউরুই নোংমৈন পান
ওহ ইমা, অয়ো য়োয়ো !

নতৈ-ননাও খৎনজৌ, লৈকায়দ তায়নন্নু
খাম্মুবন্নু য়াংক্লদে, মীচং কনাইস্নু চংউদে,
য়ুম্মৈ থাব হন্নুমাল্লা? মীরোচাব হিংচাব্রা?
কনাই নোংদম্নো বিধাতা
মন্নু লায়বক চীংলায়বক!
ওহ্ ইমা, অয়ো য়োয়ো!!

(— থোকখি —, মৈ মমথখি)

নূংজাউ-কাওন লঙ্কা মৈচাক্লা

মওাং—২

নৈজ মঙাল মচু অওাংব নত্রগা অশংবা থান্নি মঙ-হা মান্নব :— শ্যামগী ফাইবোক পুকচাওবা ২ (অঙৌ-অমু) মবুক খোইরী শন্নব-মান্নব, ফৈজোম্ন খোয় শারগা মখাং অনীহু পুন্সিন্ননি — নংজাউ ২—মান্নব — ফুন-শুনব য়ানব খর লাপ্পহন্নি। মতুংদ নোংমৈ থাও পায়ব নিপা ২/৩, ২/৩ অঙৌ-অমু পোযাক মান্নদ ইন্ন হন্নি। বেক গ্রাউণ্ড সীনরি দি চীংজাও ২/৩ মরক্ত মী চৎপ য়াব 'খনব ফৈ লান কাপ্পব চেন্নব মরক্ত ফাওব য়ানব। মমিংন মালং অমন্থং মতম। মালংন লেংদব তনব মতৌ, মতম্না ঈচেনগুপ চৎনীংব চেন্নিংব। মথোয়নী য়েংথীনরকই, য়ৈনরকই। মীচং চংনৈ। মুন্দ ফুনৈ কাপ্পে শোক্তনব পান্নদনব ধমকাদ ভৌনৈ।

হেন্না লুম্ব মালংনা সেন্তরদা লেপ্লগা অয়াংবা মতম্মা মাগী অকোইবদা লৈত্নবা চৎলগা

মতম : ইমানীসি খায়র্নরসে? থদংনরশে? নঙোন্দ পন্দুন লৈ, ঐবু ইনাংখা তম্মা নাম্থোকখিবি য়াম্রে, লেখক কনানা ফাইবোক ওইন পোকহল্লম্মিবনো ইমানীবো?

মালং : ঐন শকথীব নঙবু পামজহুনা ফারিবনি লেখক কনান হায়? ইমানীগি খোইরীসি ককথংলবদি শির্গাল্লি হায়নৈ ডোক্তরনা, নঙবু শিনিংব্রা? খাংব তাবনে, লায়বক্কা তমহুন থুংলবসিদে। মতম নঙবু শেন্নবদ মালং ঐ কোক ডাওরিপোৎনে?

মতম : মালং নঙ লৈরমদ্রবদি অরেপ্পা নাইদন চেঞ্জব ঐ নখোয়হুরাইদা পঞ্জরম্মোই, ঘড়ি শেমশা লৈজরম্মোই — অা কদায় কদায় য়োজ লোইনাইদব পম্বং, এটনিটি মনাক নকসিনজননি শাস্তিদা। শকথীব নঙন খুরো থাং ফাবিহুন ঐ মীনায় ওইরিবনি।

মালং : ঐঙোন্দ তায়নন্নুনহে ইকাইব নায়দব মতম, নুংশি-নুংঙন খঙদবা, থমোই পান্দব শারমচং। মীগি লম, লগী লেই হিঙ্গোল পান্না, বিহল্লগা হাংতোক্লগা চেনখিনি— নঙ্গি ওইহৌনি খনবা হিংচাবা!" মীঙোন্দা অরা-অনা নংহল্লগা হরাওব লায়মু, মমা-মপা হাংতোক অঙাংবু নুপীবু তাইবঙদা ইরাক্লহনব নঙবু হাংতনা কনাবু হাংতগে?

(মতম্বু —যৈ— যুই শেং শেং— খাংই, চেল্লি—।)

মতম : রা থোকহনবদি কাংলুপ কাওনহনবদি মালং তাই নঙনা পোৎয়েন শেনয়েন ফজদবদগী, মীচং মীখায় নায়বদগী থোকপনে। লৈবাক রাথোক ওইহল্লিব, চরা হেলহল্লিব মীয়ামগী রাহল্লিব নংহল্লিবসে — ঐন নত্তে, মালং নংনা পোৎথোক রাংহনব— পোৎয়েন ফজদবননে। হাংকদবদি বনংনে, "নঙগি নরালনে।"

(মতম্না শেৎ-শেৎ হুন্দুন ফুই—খাংই। চেল্লব্বদগী—)

মালং : মতম নঙনা হুরানব দাকু মী হাৎপা চিন্থী বাইথাব লৌনব্ব ওইজবদ পাব মথৌ নিংথিন তৌদব লায়মু ময়াম থাজিল্লক পোৎ চৈ, লন থুম, অচা অথক হুরান্দুন খৈদোক থমখিবনা, চাব থকপা, শেৎন ইল্লব ব্রাৎনবনে থুংদবনে।

মী থুদিং মথৌ নিংথিন তৌন পোৎয়েন চাকয়েন ফজনরবদি শুজিক লৈরিব মীশিংসিগী শরুক ২দি মবুক থল্ল পিজ পিথক, য়ুস্বান ফগৎ হনব য়াগদবনে। হুরানব মতম! নংবু হাৎতোকত্রিথৈ লৈবাক্কি অরা অনা কোক্কদব লৈতে। লৈবাক হিংহল্লব লায়মু শাব হুরানবসি হাৎলু লৈবাক শেল্লবশা।

(কাংলুপ ২মক মতুং ওস্থোক্ক নোংমৈ শিংই শেরান্না)

(মতুং ইনব খুৎলায়পায়বশিং মথোয় অনী মতৌ ঙক্কা য়েংলম্বদগি খুৎলায় থোরাং তৌ রেদীদা লৈ।)

মতম : ওয়খো, মতমগি ভকুম তাখো, নাকল নামতগী মরা লৌকনু : কাপবে হায়রগা নোংমৈদো অহাংবদ মালংদা বাঙ্গ। তাইবং মালংদ থোক্লিব হুরান চিন্থী, নুৎপাং, মীহাৎ মীপুন মালংনা থোকহনবঙাক্কি, ঐদি ইমানী খায়দোক্ক মবু হাৎনীংলবনি, মহাকপু শিনি হায়রবদি ঐসু শিয় য়ারবনে। মতম ঐগি য়াথংদি শুন্দা কাপ্লো, অশোন অনা হাৎলো, তকনব, অহেব লৈহৌনব, অঙাং-নুবী হন্নু হন। হাৎতোকউ, য়ুম অমনব অথীব মৈদা য়াওশঙ থাবগুম থাদোকউ, য়ুম অফব মৈন চাকপা ওমদব চেকয়ুম নুংয়ুম য়ুহারাবদ তেক্কবা শাহল্ল, হমুব অঙাংনুবী থবকশুব ওমদ্রব অম শিহনবগী ক্ষতিপুরনদি লুপা পোলাং মীপোৎ অমদগী তাব য়ারোই হায়রু।

মালং : হাৎনৌ শুনৌ লাংউ, অতিয়ান তানব, মৈজাও থাগৎলু

মুমিৎ-থা, থরানমৈরা মতিক লৈবশিংন উজ্জনব, চানব য়াদে, থংনখিদোবনি, করিগি শান্তিনো পুকথন্দনা ? নবুক থন্দব নয়ুম লৈতব নমা নচা নৎই নমাও কায়নরব শা উচেক নখোয়না ইংন, নবুক তপ্প হিংব য়াব্রাও। য়েংথীনবন নখোয় শান্তি পোথাভম, লমন খুম্বনা নথৌ, মাইথীরগা শিদোকপ, অশিমন ক্ষতিপূরন শেন্দোং নচানশুশিংগি স্বত্ব ওইজহৌব, মতুনি নখোয়গি ধর্ম, নখোয়গি নরাইবক, হাংনৌ য়ান্নৌ য়েংথীনো, য়ৎম্মন ই-ম্বা-উনা শাব থাদোকখো। চেকি নংগি সিমেন্ত কংক্রিংকি দলালদ লৈজব ফংনব। নবুক থল্লিব দলালদ লৈ, টেলিভিজন য়েং, চিত্রাহার শাম্নবশা নখোয়দি শান্তিদ লৈয়ু থংনমু নোকমিম্নৌ।

মতম : কলক পেনু অঙম অথৌ, কুমিৎথা থরান মৈরা নমিৎলংবশা নখোয় খুজিন থৌরাংদগি, ফজরব পোলিসিদগী মীচং মীথায় নায়ব পোৎয়েন সেনয়েন্দগী ঐখোয় পেন্নদ্রে, লম মুম্নরে, লান শোক্করে, অঙম অঙম হাৎনরে, য়ৎম মৈ থামরে, কৈদৌঙৈদ চানররোই য়েংথীনরনি পেল্লো নলীং থুংও অশিংব অহৈবশা য়েক্কব হাৎপু ইং ইনব হুইজাও লমহুই মঙমতম ঐগি ইতুং শিন্নেলো, লুচিংহৌ ওন্মিবদথে থুগায়নু, মৈ থাদোকউ ক্ষতিপূরন ফংনব।

মালং : মালং ঐবু থাজবা ইতুং ইনব কৈশাল, তোকপা, য়েক্কবব লাকচন্নম, ওন্মিবথৈ মাং তাক্লথৌ-হিংসা ভৌ, চানরুমু কৈদৌঙৈ য়েক্কবগা, তুমজসনু চীংতম, মী হাৎনৌ য়ৎমমৈ থাও। মী ১ শিথিবগী এক অমগি মমল য়োদব নও লুপা লথা অম তাল্লি, ইরা-উ অমনব নোংয়ুরব য়ৎম অম মৈদ কথোক সংকার তৌবগী ক্ষতিপূরন চেকয়ৎম সিমেন্ত কংক্রিৎ শাহল্লি। পোকপদৈ নংহনদ লাক্লব ইন্দ্রস থাং,

পান মাইরেম্নচরা নোংখম্নজুন লাক্লবশা— ! হুজিক্তি নখোয় মতম লাক্লে নরাইবক মুমিং, থোক্লে লাক্লো লেপকনু নচা নগুগী লাইবক শেম্নব হাংনৌ মুম্মে থাও ।

মালং + মতম : (নোকই হৌন) হা হা হা…… ইতুং ইনব শা উচেক, অয়োকপ শা — নবুংঙো ঐখোয়ন হায়ব ইনগনি থাক্লে· ঐখোয়নী নীংব থুংলনি মুমিং থান ঐখোয়দ পীরকপ য়াথং, শিন্নরকপ পাউমেন নখোয়দ শিন্নরম নীংব থুংলে হুজিক । ইমানীদি হাসপাটালদ চংলগ খায়দোক্লব ওপরেসন তৌরু- রগে শিদোকউরগে । নথৌ কাউগনু । ক্ষতিপূবন্না নখোয় লাইবক বিদায় ! বাই বাই ! (চংখি)

(কাংলুপ ২না সালাম তৌ লৈহৌই । লুচিংব ২না "এক্সন" লাও, মুন্দা নোংমৈ কাপ্পি মাইকৈ মান্নদ ওর্নসন্নদ । হাংলু হাংলু লাওই, লান কাপ্পবগি মতৌ তৌই লুম্মি চংলি । অরাপ্পদগী তায় — "ওহ ইমা নোংমৈ মরুনা পাল্লে মী শিরে, মীদ পাল্লে । হাংলে ! হাংলে ! খুংলাই মুনখ্রে — মুনব নত্তে—, পীরকপনে ! … …

"গাড়ী থামখো— লম্বী থিংলে !" "সেনখায় থাদরম্মো !" "— খাজনা থিয়ো—"

রাইশিং : (জর্নেলিষ্টশা কেমেরা য়ান, চে-কলম পায়)

মচু হোংব ষ্টেজ মৈঙান

কাক কাক ! কাক কাক ! পাউজেল লাকই, লানবাও পীয়ো । লান ওহাক পোখাখো ! তম্নীংব পাউ কারিনো ? লুচিংব ২, মতমগি তুংইনব লমছুই অঙৌব পোষাক, মালংগী তোকপা অমুব মচু, লান লেপহন তোঙান তোঙান লেপ্লগা সালাম তৌই । পাউহুংবনা মনাক চং উম্নে ।

রাইশিং : অথোবা, নঙ কনাই কাংবুনো ? লুচিংব্রা ?

লমহুই : নংঙৌ কাংবুনি, মতম্না মুমিংনা অশেংব লুচিংবনি. লমহুই

ঐবু মন্থংতা লুচিংব হাপ্পন্মি।

রাইশিং : করিগি লান তৌবনো? কনানো লান তে৷ ইন্দিনবা? কনানো নখোয়গী য়েক্লবদি?

লমহৈই : পুক থন্দবগী, য়ুমকৈ লৈভম নীংখ তয় য়াদবগী লাননে। ঐখোয়বু লান তৌ তাকপিবদি মণ্ডলনে, মুমিৎনানে, থরাই-ননে, ঐখোয়গী য়েক্লবদি অমুব শেৎপানে, অর'নব তৌব করম্নন পাম্বশিংনে।

রাইশিং : মী হাৎনরগ করি কা'মৈ?

লমহৈই : হিংহৌবশিংন মবুক থন্নবনে। শিখিব শিংন ক্ষতিপূরন ফংহনগনি হায়।

রাইশিং : শিখিব শিংহুই মরীমতা মমা মপাদি রাহৌব্রা কপহৌব্রা? নুংশিব খ'দবা হিংচা'ব্রা?

লমহৈই : শিবগ হিংবগ কনান রাই খংব্রা? দোং-দাং শিববু মরইবক কৈ হায়নব চুম্মি, হিংবদি বরা রাই চাক লায় মী অৈগ মীমান্নব ভেদা —, তপ - শিব - হিংশি'শিব বযা রাই? অমুক্ত শিরুব্রিবা? মহাও য়েংও।

রাইশিং : য়ুম্মৈ থারগ করি কা'মৈ? লৈভম লৈত লানজেনবা, মরাল লৈজদব অহল মুপী অভাং নোংমৈন কাপ্পা নবুক থনব্রা? হা'ৎলগ চা'ড্রিব করিগীনো?

লমহৈই : য়ুম নুংাইব চেকনংন শাব ফংব য়াই নোংমৈন পান শিগ্রগা হিংহোব মরীমতা মবুক থলহৌব রারোই, ক্ষতিপূরন ফংব য়াই। কুইন অরা অনং খাংমনবদগী থমোই মখে নং চংলে। শিব উরগা মরাইবক কৈ খমৈ।

রাইশিং : শান্তি পামদ্রা লান লেপ্পসি?

লমহৈই : শান্তি অশেংব ফংদে, পুক্না চাক লাম খোংলগা, হিংব তারদি লান তৌনব তায়, অমুব অমোৎপ করম্নন হাংপ ধর্মনি। চিত্রাহার য়েংব পাম্ব মবুক নোইব দলান্দা

লৈবশিংনা "শান্তি শান্তি" হাওনবত্তদি ঐখোয় পুকচাক যংদবশিংগী শান্তি নত্তে।

রাইশিং : থেঙক য়ু অতোপ্প লুচিংবসিগ অমুক হান্নী শাগে। (খুং চিংনৈ)

তোকপ : করি পাউ পাম্বিবগে মীচং ন্নাইদব পাউজ্বে?

রাইশিং : করি মিং কৌবিবগে অথৌবা? ফিমু শেংপ থাগু কাংবুরা?

তোকপ : তোকপ কৌই ইমিংনা, নুংমুকাং লুপকি লুচিংবনি ঐ, ব্রেকলিষ্ট ফিরাল পান্নব, করপসন মুমিং কাপ্প পাম্ব কাংবুনি।

রাইশিং : কগীনো মুমিংপু করগুদ ওইরে, মুমিং কাপকনি হায়রিবদে? মুমিং মথৌ নিংখিন তৌদ্রে লৈবাক ঙাক্তে। খাইদৈ অফবা সরকারদি লৈবাক খিৎতা ঙাকই। খাইদৈ অফবা উন্নাদি খিৎতমক তম্বি হায়বত্তু তৌরে। লৈবাক ঙাক্তে লাম্লোব খোরুব বার্ত্তোন তৌরে। রাখল থেনব ফুংইনবশিংবু করিমত্তা তম্বিদ্রে, পংহাৎ হাংলো তাকপিরে লাম্মীদা। মুমিং মঙাল অথৌব ওজোন থকখল অপাবদ থাদোরক মুংশা য়াকপ হেন্রে, মৈথু নমথীব থাদোক মুংশিংত্তা হু চেল্লে, উবা জঙ্গল য়াম্বেক্বন কার্বোন দাইওক্সাইদপু লম হেল্লহরে— নোংদ এসিদ য়াওরে।

তোকপ : করপসন ময়ামসি মুমিংনা নত্রা মুমিং অফব পাম্মি অমনব অমোংপ পাংদব মুমিংপু কাপথুব তায়। চীংখাদা তম্পাক তৌনব করপসন অমত্তা লেম্না মাংদে, ভাইরস ওন্দুন চীংথক্তুসু লায়না কয়া শন্দোকই, মাংতাব্ব তৌরিব অমোংপ মপী জারমগী মপা মমাগা, লান থেংনব ফিমু শেংপ ঐখোয় ইথৌনি।

রাইশিং : থাগৎচরি অথৌবনু— সাবাস! মুমিং কাপ্পদ করি খুংলাইন কাপকনি?

তোকপা : পোকমাওবিদ কার্বোন দাইওক্সাইদ হাত্তিলগ রোকেট

থাগৎকনি। হা হা হা……

রাইশিং : কদায়দৈ শেল্লা রোকেট থাগৎপা ?

তোকপা : শাগুম হিংলিব মী-বৃন্দ কৌটি কয়ান চাননব শেল, হিংবদ চংদব য়াদ্রব পোৎচৈ লৈননব শেল শিংচুন রোকেট শাগনি। অতোমব জীবাশিংহু শিজখিসনু, হিংবদ কান্নদ্রব শিখিবন মরাইবক ফরদোবশিংদো, মখোয় অচৌবি অৱাংবথাক্ত লৈব লায়মচা শিংহু হিংহৌরগ মুংঙাইহৌরগা লোয়রে।

রাইশিং : নখোয়গী য়েক্লবি কনানো ?

তোকপা : ফিমু শেংপনি ঐখোয়দি, ঐখোয়বু নংহল্লিব রাহল্লিব লায়-শিংদো, ঐখোয়গী শরুক চাকথুং ফিথুং ঐখোয়দ তাক্তনা চাখোকপ্রিবা লৌথোকপ্রিবশিংদো ঐখোয়গী য়েক্লবনি।

রাইশিং : লায়শিংহুগ লাহেংনদনা ফিঙৌশেংপশিংগা কাপ্পরিব হাৎন-রিব য়ুদ্ধমৈ থামরিবদি করিগীনো ?

তোকপা : লায়শিংহুনা তাকপ য়াথংবে। হাৎনবদ কান্নদ্রে উরগা মখোয়গী মরালহু খঙলগা, মখোয়গী মরাল উহনগনি।

রাইশিং : কনা কনানো লায়শিংদো ?

তোকপা : মমিং তাকখোক্তনু, হায়বিথনি। অরাংবদ লৈবিব ভাক্তে মুমিং-খা-থরামচাক ওইবিরম্মি। মখোয়গি মরালহু উজ-রবদি মথন মথন শিজগে নত্রগা কাপ্পদ্রে হাৎপিয়ু হায়-বিরকখিনি।

রাইশিং : ওহ অহু ওইরে : হুজিক মখোয়গী য়াথং ইন হাৎলু হায়বথে হাৎপা য়ুদ্ধমৈথাও হায়বথে থাব। থবক্তুগী মহেনা ফত্রবদি লুচিংবশিংহুই মরাল, মখোয়গী লায়িস্ক মখোয়দা শিংহনগদব লৈথাদ থাদদোব নত্রগা মথরাই মাবক, দগি বভম থোকপা মী কনা শিহনবগি। নখোয়না লায়শিং লুচিংবশিংহুবু অহুক থাজরিবদি করিগীনো ? মী হাৎলল হল্লম মৈ থারগা কান্নদোবগি কারিগো ? ঝাকল চোৎব য়াদ্রা ?

তোকপা : ঐখোয়দি রাখল তৌব শংদে। থাজব হৈ, থবক তৌ তৌ হায়বহু তৌবনা ধর্মনি, ইথৌনি। মী খুদিং মথৌ তৌনরগ অরাব কোকনি লায়না চানবি হুংঙাইনি হায়।

রাইশিং : থেণ্ডকয়ু অথৌব, হুংঙায়রে। য়ুমৈ খাবশিংহু উন্নরুখিগে। বিদায !

(মখুৎ চিংনর চংখি)

তোকপা : রারব্রা অথৌবশা লান য়ান্নরসে অমুক থরাই হাৎনসে, লন মুমসে, য়ুম মৈ থানসে ইচিন্নাওশা ? লমন খুমসে ?

(কাপ্নে লাওনৈ মীয়াম — হাৎলো হাৎলো — য়ুম মৈ থারুরো — লাওনৈ)

মৈরা পায়তুনা হুন্দৎ-হুন্দা চেন্নে—

শা লান থোক্কে— (যন্ত্রখোন)

য়োংমু য়োংঙৌ ২দি হনুমান মতৌ তম মমৈদ মৈকুন কিরগা মখুৎনী পায়, মী ময়ুম কোইথা থায় — জগোই শান্ন — ধমকা তৌই — অরাপ্পদা মৈ চাকপ খর উন্নে — খাকনা খাকনা নোকই——

(তুংদগী ইশৈ শকই — জগোই নত্রগা থাং হায়নব অতুগা তান চানন শকপা।

ইশৈ :

হাৎনসে শুনসে ইচিন্নি ইনাও মশেল, নেভর মাইশ য়ুমৈ থাবি শান্নসিহৈ, হুংঙাইন লাওখোং।

হা হা হা — হা হা হা !

পাউজেগি লামায়দা লানথোক বাথোক ঐখোয়গী ময়েক চাউনা ইনরেহে ইচিংচং।

উবিরে তাবিরে মুমিংথা মোংথক্ল।

পেন্দ পোৎচুম নংজাউগা নংজাউগা

নৎংগাং য়েন লঙকা মৈহোৱে!
ওহ্ — ও — পামজদে — পামজদে
লান লেপ চরা হেন কনা থওদা তুমিন্না
য়োঙ-শওম মতৌতম শান্তি য়ৎস্বান
পামজদে খিরে, য়ৎমৈথাবি শান্নখিনি
অঙম অঙম হাৎনখিসি অসোনবখে।
লানঙম্মগা ফংজর্নি লমলেন, মাতৃভূমি!
মাইথীরগা ফংগনি ক্ষতিপূরণ
ক্লংঙাইহৌসন্নু ইচা-ইগু শুথাংফাও
কিগন্নু কিগন্নু ইচিন ইনাও মরুপশা,
হিংবদগী শিখিবনা হেন্না তোংজর মতম্মে —!
(হীক হীক কপ্পে)
হাৎনসে শুনসে ইচিন-ইনাও মশেল, নেভর মাইন্দ!

রাইশিং: ঙাইখো, লেপখো! হন্নুমেন, স্থপরমেন! মৈ থাব লেপখো! করি মতৌনো

য়োং ২: য়ৎম ফত্রবা অমনব ঙাক্তনে, উ-রা, ই-চক উনান কুপ্প ঙাক্তনে।

রাইশিং: বানা সেন তিং মতম মাংহন শারুগ মৈদ থাদোক করি কানৈ?

য়োং: চেক নৎ সিমেন্ত কাংক্রিক শাব দলালদা লৈব ফংনব লাইবক য়েংলিবনে।

রাইশিং: চেক নৎ পাক শাব ফংগত্রা? শাক্রিঙৈদ কদায়দ লৈগনি?

য়োং: নখোয় তম্পাক মী লৈতব দলাল লোইশঙ, স্কুল কোলেজ কান্নত্রব কয়া লৈবত্থদ ঐখোয়বু লৈহল্লো। নখোয় য়ৎমদা লৈরুসিন্না, ক্লংশিনসিন্না?

রাইশিং: ঐগ চংসি লৈভন শীগে। মহাবলি উমংদা লৈরো, চাব

য'থলোই। মন্ত্রী ওইনিংলবস্ত মোংব হিদেন্দা উমং মনাক্ত হেক্ত লৈরে, ফুহিং লুপ্পগা অহিংদে নফম চাউব য়াই। নখোয়ম্বু নিংথৌ মন্ত্রী ওইনিংব্রাও?

য়োং : এঃ — করিগী ওইনিংগে? হুজিক্কপু কোক্লংদগী নিংথৌ মন্ত্রী সেনাপতি লোয়নমক চেনখ্রব নত্রা? লাহোরে য়ুম মৈ থান্নরে তাবদা কিবনা থক থক নিক্লা?

রাইশিং : ফোংনা লৈব, য়েক্লবা লাম্বা তৌরগে থোরকপা উদে। কদায়দা লোৎলিব্রা, চেনখিব্রা খঙব ঙমদে। চেং চাক্ত পোং মাং য়ানবগুম পাউদম্ব ফোমান, পাউমান য়াম্ন য়াল্লেকো।

য়োং : চংসি নত্তুং ইনগে — দলান্দ লৈহল্লু।

(অতৈন ইশৈহু শকহৌই — লানগী)

———

নুংজাউ-কাওন লঙ্কা মৈচাক্লা

মতাং ৩

ডম্পাক্ত লমজাও ময়াদ রিফ্যুজী কেম্প ট'াবুর অনী লৈব উই। মান্নদব চীং কাংলুপ ২, তোঙানব ফিজেৎ, শম খুত্তম ওইব য়াব পোংচৈ মনাক মনাক্ত ফিরালগুম্ব উংপ য়াই। মতম অয়ুক্কি। উংন-উপাক মচা অমদা রিফ্যুজী কেম্প থারি। অরাপ্পদা চাক তাকপগী কংসি থিংব তায়।

মুপীশ্চা : কেম্পতা লাক্লেরক লৈবিরিব ইচিন্নাও, অইল লমনশিং চ.কম্ন্যুদী চংপিরো া চাক, থেচরী, তল, পোলাও অফংব

খর হাবিরুরো। ওসিদি চীংদ নুং কাওনব, হাৎন শুনব, য়ুম মৈ থাব তানব লেপখিনব হরাওবুম্মৈ প্রোগ্রাম খর চখগনি। শান্তি খোঙচৎতা ফিজেৎ লৈতেং কেব তান্নিনি, বিউটি কনটেষ্ট তৌননি, পাখঙগি কাংবু অমা, লৈশাবীগি কাংবু অম খাত্রাংন চৎপ য়াওবিহৌ য়েংবিহৌ। সহর কোয়না চৎলুরগ কাংজৈবুংদ জগোই-ইশৈ চাংদন্নব য়াওবিহৌ মনাস্থ লৌবিহৌ। (কেম্প ২হু মন্নুং য়েংউরগ) চৎনগ্রে, চারম্মনি, চাক তাকপন তপহৌরে! (হনখিবদ) থবক লেপ্ন লেমজা থাকপসিবু চাউখৎ থৌরাং হায়বহুরা?

হঞ্জব: (থোরক মতুংদা) ঙাইখো মুপীমচা নবুং লমকোয়খিব পৃথিবীগি লামভম কয়াদৈ লানবাও খোম্ব চৎখিবহু থুংলদ্রিবা?

মুপী-চা: থুংলদ্রিমানে উদে, লাক্লগা করি হায়জৌগে?

হঞ্জব: রিফ্যুজী কেম্প অনৌবসোমদ ঐগ উন্নরু হায়রকউ।

মুপী-চা: খৎনৌ-হাৎনৌ, মীচং নায়নৌ, য়ুম মৈ য়াম্ন থাব তান্নৌ ইন্সিল্লগ শা লান চেম্নরকপদ হিংহৌব অরেহখৈবু পীজ পীথক খুন্দা লৈতানব হোৎনবিবসিবু রাজনীতিগি করম্ব মশাম্ননো?

হঞ্জব: পার্টি সিস্তেম ওফ গর্ভনমেন্ত মীচং নাইন লৈঙাক পথাপকি খুৎচৎ খুজিন থৌরাং হায়বহুনি। য়েংদ য়েংউ, নহা নহোয়না খঙখিরোই, তুংদ কান্নব কাংবু য়াওরকখিনি।

মুপী-চা: মখোয় খর কান্নহৌনব মীয়ামখৈ হিপভম, চাভম, খঙদব, কৈদৌঙৈ তগ্গা থুংল নোংমৈ মরু য়েল্লদগে ঙাইনব মহুরা কান্নবা?

হঞ্জব: রাখল খল্লুন্নু। হায়ব ইনব ইথৌদ মরম ওরু পাংথোকপ মীনাই ঐখোয় হৌদোং হুইগী স্বর্গনে। নিংথম্মি মুংশাদ য়াইরু। (মুপীমচা হৌদোংগুম তিংলি য়াংলিরম, হকাম চন্নগ উইদনে চৎখি তম্ন; হঞ্জব নোকফেৎ য়েং লৈহৌই।)

হুজ্ঞব : মমাগি মতৌতম ঐবু লক্করিব্রা ? নত্রগা হূই হৌদোংগি মহিং তম্মিব্রা ? মী অমগি মতৌ মী অমন তৈ। জাচৌ-অশাং অকবশিংগি মতৌদি তমগ দবনি হায়নৈ —লায়রিক্কা— "সজ্জনো গতো পন্থা" —। অফবভাক্তগি মতৌ তম্নসি হায়বদি য়ানদবনিন মফম চাউবা মতিকলৈব অঙস্থশিং মখোয়গি লমহূই লীচৎ মতৌসু তম্নরকপ তাবনে।

মীদি হিংদব য়াদে, শেল ফংলগ লোইরে তৈ হায়বদি অচুব অশেংব শাজৎ-লীচৎ, যজব নিংথিব, ধর্ম্ম কর্ম্ম, দান দক্ষিনা অফ-ফত্তগি রাখল্লোন অরাইবনি, পুক হান্ন থল্লগ খন্নদোব ভাক্তনি। অতুনদি অস্থম অস্থম লমহূই লমহৌদোং, য়োং শক্তমগি মহিংদ হিংব তারকই !

নুপামচা : ঐবু কৌবিব্রা বাজি ?

হুজ্ঞব : নঙ থুংলরব্রা নুপামচা ? কদায় বদয় য়ৌরুরে ? করি করি লানবাউদ পুরকই ?

নুপামচা : পৃথিবীগি লৈবাক কয়া জাতী কয়ান লোর হিঙ্গোল মুন্নবগি থৎনরিব লান থেংনারব বাথেক্করিব, অকনবশিংন খর শোনব জাতীগি লম কোনসিন সন্থন খাগৎলকপ মীগি চাক্রক্ত খুজাই থাংজিল্লক মাগিনি চিংসিনবদ রাথোক্করকপ মফম য়ামশ্রে করিনো !

হুজ্ঞব : মতম খিত্তদ অহুক লাপ্পব লমশিংগি রাথোক লাখোক পাউ পুরকইবা ?

নিপামচা : বাবা হুজিক পৃথিবীগি অহল ওইরবনবা খুইজিল্লে, পিক-শিল্লে, খবরচে মমায় খরদ বাথোক লানথোক খিবিক য়েকসিনব চল্লে। করিনো সিদ তাঁবুর কয়া খন্দুন লাপ্তে-ল্লকপা মীয়াম থুংনররিবশিংসি টিবট্টগিরা ? বোসনিয়াদেরা, রুসতগিরা, বাঙ্গলাদেশতগিরা ?

হুজ্ঞব : পৃথিবীন পিকসিনবনরা মনিপুরসিবু য়াম্ন চাউব দেশ অমদৌন

তৌরে, মচেৎ মচেৎ তানব, তোঙান চানবগি কাংলুপ-কাংলুপ লম মুম্নরে, লান য়াম্নরে। জাতীগ-জাতীগ য়েংথীনবগি লায়না লায়চৎ ভারতকী ঐথোয়গীদমক শন্দোরক্লে।

নিপামচা : মণিপুরবু পাকথোকহল্লবা, মুম্নসনু মীশিং হঙ্গনব লান য়াম্নসনু লোন ফিজেৎ চাকচা। তিম্নব জাতী খুদিংগী কাংজেবুং লমপাক অমমম থুংসনু, য়েম্নসনু —

হঙ্গব : অতিয়ান মচৎ চুমদে হায়দনা নেং লিক্ক পীরক্নদি চরা হেল্লেদো ?

নিপামচা : মরীমতা মরূপ মপাংদগি রাবন কংসনা কর্ণ শ'বশিংদগী ভিক্ষা নিম্নুনা চাজসনু, মীনায় ওইজসনু, আফ্রিকাগী যুদ্ধাদ চুই হৌদোং ওন হিংজরেদনা। মফম মফমদা পৃথিবীগি ররাম চাউব তকনব লৈবাক শক্তি পায়বশিংন অশোনব-শিংবু লোয় চনব লাক্করি, শাংগী লৈবাক, ইশিংদ, জঙ্গলদা, অতিয়াদা আইন কানুন থোশানদন।

হঙ্গব : প্রলয় ওস্ব মহাদেবগী ত্রিশূল, লায় অতৈন পায়ব য়াদে; সরারেনগী বজ্র লৈবাক অতৈদ শাব য়াদে, লম হেল্লবদি নোং অহল্লো চরা হেলহন্নি, ললোন ইতিক্কব শেল পুহন্নোই, ইনাক খুঙ্গংনব খুদোংচাব পীরোই লাওরি, শাংনরি মচিন ত্রোংখংনকপ লৈবাকশিংন মণিপুরগী পৃথিবীসি পেম্নদব য়ামখ্রে লান লেপ্প য়ারোইদৌরি, ফজ্জবশিংগী মরক্ক খাইদে ফজ্জব জীবদি তাইবং মীনি হায়খিবনু কনাননো নিপামচা ?

নিপামচা : রুসকি এঙোন চেকোভ ওইরমানে। ফ্রান্সকি নোষ্ট্রাদামস-তুংদ থোক্লদৌব পৃথিবীগি থৌদোক লিশীং বয়া অয়াম্ব চুন্ন চুম্ন ফাওথিবগি ওক্লব নিপাদনা ইংকুমজা ১৯৯৯ গী জুলাই থাদ হিংচাবগুম্ব পাঙ্গল্লব নিংথৌ অম অতিয়াদৈ মালেমসিদ কুমথরক্কনি হায়দনা হাওখি। হায়রিব মতম-সিগি মমাংদ অমস্তুং মতুংদ লাল্ল পোকথায়নি-বোক-বোক

খৎনলাগুম, মহু হৌরক্লমানে খল্লি হুজিক, লানমচা, ঙা-মক্লম কযা ফক্লাগুম লৈবাক বয়াদ কোকক্লিবসিন তাকপদি।

হুঞ্জব : পেন্দবদে পোকপ লাহ্লো ঈরাং ময়ামসি থিংব ঙমদন চেংথনকপসিন অকিব ফংলব থোদোক্তু থোক্লগদ্রা চিংনব মতিক চায়। মদু চিংনবদে মী খুদিং চৎমরোল আইন কান্নুন থৌশানদন, অঙম পাঙ্কে অপৈব অচুম্ব থিদনা, লনথুম খোম্জিন্নব লাম্নব মুন্নব ইকাই ইকি খঙলব ওইপদ্রা : ফত্রব মতম্লি হুজিক, মীৎশিং নাশিংনব লৈত্তব য়াদে।

মথরাই শোক্ল মুংঙাইত্রবশিং খরদ মনা মথুম খর মিন্নংশি উৎপ-শা য়েম্মোক্তব য়াদে কম্মিতি অম শেম্মু মতৌ-মালহল্ল, চিন্নদি অফব-অচুম্ব ঙাংগনি, থবক্তদি খুৎন থোকপ ত্তৌজখিনমু মরাচান্নি।

নিপামচা : চিন্না অম খুৎন অম! মনুংদ অম মপান্দ অম, কান্নরগ লোইরে। (জনে লিষ্ট শারগ রাইশিংপ লাকই।)

রাইশিং : ঐ পাউজেনবনি, কাক কাক! অমুক্ত চংজরক য়াদ্রাও, হুঞ্জবাইঙো, অঙম অথৌব কর্ণদাতা, শক্তিমান?

হুঞ্জব : চান্দবপয়ানি দেশসেবা, পাউজুম চেনবা, নথোখঙ।

(খুৎ চিংনৈ)

লমহুই : রান্নৌবি য়াদেদো লৈবাকশেম্ম ইঙো! লৈবাক ঈরাং খৎন-চৈন, মীহাৎ মীপুন, লৈভ লায়র, চাকভাং পোত্তাং অরাব নংনরিসি কৈদৌঙে ফদগে?

হুঞ্জব : নুমিৎ তাগ্রগ মমথবনি, নুমিৎ থোরক্লগ অমুক ঙাল্লকখিনি। পঙবদগী নংই, শিংলগ নুঙাইরকখিনি।

রাইশিং : রাহু-কেতু কনানানো নুমিৎ খুমজন মুক শাংন মমহল্লিব। মীয়ামু, মুক কুইন পংহল লম্বী-লাম চিংবি রাইল্লিবসিবো?

হুঞ্জব : রারে নংলে খস্নুনো, খলইনব থিগৎপ নখোয়ন নিংশিং-বিরুনো, মুম রাব নংব হৈনরগা ফরকম্নিয়ে। থাইনদি চাক

খোংনব মৈ ফাওব, য়েম্বাং হাওনব থুম ফাওব ফংনরমগে। পাউজেন নখোয়না হিগাইরা শন্দোকনো, লৈবাক ঈরাং নেমথনবা।

রাইশিং: ওইদব রা শন্দোক্রগা কয়া কুইনা লোৎপ য়াদগে? অচুম্ব থিগৎসে।

হুঞ্জব: করিনো অচুম্বদো খঙলব্রাও?

রাইশিং: খঙনরে মমীংথৌবশিংদি। মীয়ামদা রা রা লাওন শন্দোক্র খঙহন্দবদ ঙায়রে।

হুঞ্জব: করিন্নিনা?

রাইশিং: মীচং মীখায় নায়ব অঙম্বশিংন, খরদগী মুংঙাইনব হোৎনব অয়াম্বন নংনব। পেন্দবশিংন খরাই মাংব কিদনা লাহৌ· রকপ, পৃথিবীদ হুজিক মী কয়ান পেল্লে কয়ান চাক য়েম্বাংন বোম শারগ মী হাৎনীংলে! করিগিনো মপী অত্তোম্বী মচা, ভহলগি মচা খায় পীজ পীথকইবা, ফিজেৎ লোম্ন পী খুৎলায় লোম্ন পী, হাৎনবী, ফানবি, কবাদি, খুৎ অহাবি শামহল্লিব, লাংহল্লিবা?

হুঞ্জব: চাক নিরব, ফি নিরব দান দক্ষিনা থায়নদৈ চাউখৎপ নিংথৌ অকন অথৌশিংন অতুম মত্তৌনরকই।

রাইশিং: খরদ থুংই খরদ থুংদে, হুজিক্তি, মীশক মীমায় য়েংনৈ মীচং মীখায় নায় চৌন্দা মান্নহল্লি মী খুদিং অধিকার মথৌ, থবক্তদি মাগি কাংবু, মীগী কাংবু, কল্লক য়েংথীনবগি মরু হুন তাইম বোম পোকখায়ব ঙায়নৈ থক থক নিক কিন, ঙসি শিগত্রা হয়েং শিগত্রা খঙনদা।

হুঞ্জব: মহু অহিংবশিংগি লায়থুংনি লায়েংব য়াত্রব। খাংব তায়, পুরিংবু রাখল অমদ থবক অমদ পুম্নপ লুপসিনহন। পাউ· জেনবগি ইমুংবু চাকখুম নায়ত্রা মী কয়া চারি? লৈকাইদ লৈব মবুক থন্দবশিংগী চাক হাপ্প? ইচা মীচা যুরুপ

জাং-বিজাং কাংলুপ খায়দব ঙমদে। পার্টিগী য়েং, মীচং খায়নব লৈঙাক পথাপ পান্নরুব ঐখোয়গি ইরালনি।

রাইশিং : পার্লিয়ামেন্তরী পার্টি সিস্তেমদা মতিক চাত্রিব লৈবাক মচাশিংগি লাইবক ঙৌবসিদি মুনগন্দে মীচং কনব কাংবুন অমুনব চায় ঙইনম্মি মীচং শোনব কাংবুনা অশংব অথাব চাব য়াওই, পোক্লাওবী মরুস্থ য়োংনৈ হুকচাং রাব পোক্তনব।

হুঙ্গব : লাও য়েংউসি কেম্প, ঐখোয়ন দান তৌরিব, সেবা তৌরিব থবক্কি মনা মথুম য়েল্লিব মীচং নাইদন লাঞ্জেল্লকপ পুন্নমক চামিন্নরি, শান্নমিনরি। লুচিংব খরদনা খংনখো হাংনখো য়ুম মৈ থাবি শাংখো ইন্সিনবনে, মৈচাক খাংব, চাক লাম্বা, অরা ংংং য়াওবখেদি লান লেপ্প পাম্মে।

রাইশিং : লমহেনব লুচিংব: মতুংইনবশিংগি অরা অনা উদবশিংগি নিংঙাই মচাংত্ব চৈগপ্প চপ মৈবুদগি মৈখু কাব মৈভান চাক্তবঙম খন্দোক লংথোকখিব য়াদ্রাও? সার, মশা মশান রিজাইন তৌগে হায়নদ্রবদি — ?

হুঙ্গব : চৈগপ ফত্তবন পার্টি লৈঙাক পথাপ্প চেন্থহনবনে, লুরিয়ে মীচং মীচং কনখংনবি! (অনীত্থ রারীশা চংখি নিপামচান নংশেন শা অনীদুই রারীত্থই ভাবার্থ উংখি মমায়দ — মতৌদা ……)

নিপা : রায়ুম অপৈবা রাকোক খরন ঙাক নোংঙ্গংশিং ঙায়দুন লৈবদি কয়া ঙ্গংঙাইতে হায়নি? নত্তে ফুরিং অচিনব লিংপ, খোঙঙুপ অকোম্ব পদ্রাক পদ্রাক লাওবফাও তোংব রাবদা পরুদব লৈঙাক পথাপ্ত থুপ হিংলিব ঐখোয় কদায় ঙ্গংঙাই-দৌরিনো? কনাদ তায়নরুনি ঐখোয় মশেন য়েংথীন, হাংন শুন পুন্সি লেনব নত্তনা। মম্বোকসে মরাল লৈবশিংদো।

(খংলাও)

(চীংলৈশা মফি মোংন চীংলেম্বী ১ টাঁবুরদগি

থোরক য়েংলম্মগ পাখৎদ, উবদ ইকাইদনা যিরুপ খুম চংখিগে ভৌই। নিপান উহৌ লাওই)

ভাইখো, হেন্দস অপ নখুৎ থাঙ্গৎলু, স্নরাইদ থোরকউ। মখুৎ থাঙ্গৎ কিন লেপ্পি মনাক্ত চংলকই —

লৈশা : করি ইরালগীনো ইবুং!

নিপা : নঙ্গি মরাল! ঐবু মীৎ থকহনব নশক ফজরিব করিগিনে। ? নঙবু কনামো? অশেংব অশেংবদ খুম্মু। (কোইন চং য়েংই)

লৈশা : ঐবু ফজবী ওইন উবিবদি ইবুংগি মীৎকি মরাল ওইগমিকো। চীংদ লম্মৈ চাকপদ য়াওরুবি চীংলৈনে, নোংহ্নংশিংনা ফুদংলবী রাকচীং-উন্না য়ৈথংলবী, লানহৌ কয়া নংলুরবী, ইকাইবন শিজরগে লিলীনি।

নিপা : নমিংনা শিরোই লিলী? হা— ?

লৈশা : শিরোই নত্তে, শিজরগে লিলী হায়বনে।

নিপা : নঙ শিখিব য়াদে, ঐন লৌনি, চীঙ-তম চান্‌-চিন হিংমিন্নবা।

লৈশা : ইবুংম ঐবু হুংশিবিবগী থাগৎচরি, অদুবু ঐদিকো ভংথায় শিন্নগা ভংথায় হিংলিবী নুজানে। নত্তিক চাবী নত্তে, শিজরগে লিলীনে। চীংদ হন্দক নংখিব লাইবক থীব খিবিক্কি শক্তমলাংনে ঐদে। মমা মপা, মচা মনাও, মরীমতা, হিংচাবশিংনা হাৎপিগ্রবীদু ঐনি লৌবিয়ু, ময়ুম মকৈ চাকখ্রবী, ভাংজফম লৈংবীদু ঐনি।

নিপা : ফরে, মথা তারন্নু মতুন ওক্লে হেন্দোক্লা ইমানী খুংশম্মহুন চীং-তম লায়বক থীবদৈ কন্নব "নহারোল ভেংবাং মরূপ" সোসাইটি লিংউরসি লাও। (খুৎ শোক্লে) মীচং মীখায় নায়জন ভেংবাং পীরুসি, ভাইবং মী খুদিংদ। নঙসু হায়যু ও লক — (হায়মিন্নৈ)

নি+লৈ : মীচং মীখায় নায়দনা ভেংবাং পীরুসি, ভাইবং মী খুদিংদা

পুন্সি পিরাংন থক্তি্রবকাও। (মঙ্গুং শম্না খোঙথাং মান্ন বেন্দপার্টি মু্যুজিক লোইনন চংখি)

গ্রীন নত্রগ রেদ লাইট্টা মীতৈ জগোই অমগ চীংগী জগোই অমগ মী ৪/৪গী তান মান্নন, মান্নব ম্যুজিককি মনীলদা জগোই শান্ন ষ্টেজগি ওইদা অমস্থুং য়েংতা তোঙান তোঙান। লৈশা অমস্থুং নিপাচা থোরক্লগা পুন্সিন্নরগ থাবল চোংমিন্নে। লৈশান মীতৈ ন্নুপী ফিজেং অমস্থুং নিপাচান মুগ্রীম পাখঙ শারুই।

থাবল চোং ঈশৈ :

ঙনা লৈবাক — কংলৈবাক।
ঈখেং তৈহনব — পক্কেকো।
চীংস্থ তমস্থ — মণিপুর।
নংঙৌ নংমু — চীং মচা ঙাক।
মীতৈ পাঙল — তম্চা ঙাক।
মীতৈ মীয়াম — মণিপুরীঙাক।
জাৎ-বিজাৎ — খায়নফদে।
চান্ন চিন্ন — হিংমিন্নসে।
নুংশি নুংঙন্দা — তাঙমিন্নসে।
রাকোল্লোই — উকোল লোই।
চীংদ লৈব রাকোম্না — তমদ কুমগে হায়রেদো।
তমদ লৈব উকোম্না — চীংদ কাগে হাযরেদো।
রাকোল উকোল — মণিপুর।
লৈনীং মফমদা — লৈসনো।
মীচং মীখায় — নায়গুমসে।
রায়েন পথাপ — মান্নসে।
হুগ্গবনা নেত্তাই ফিজেংতা, জর্নে লিষ্ট শাব রাইশিংপগ

লাকই, প্রাইজ ফংলোব মীকোক লিষ্ট ১ বোই অমগা পুবগ মী থিরে। (জগোই কোটো ১ নমথি)

হঞবা : শুাইথো মহাশা। নখোয় কেম্প তাঁবুর নং ৯/১০ অসিদা মনা ফংলোব য়াওব্রা তাহৌ।
লাম্নং অরা-অমা খাংবদ খ্বাইদৈ ফজবী : মিস শিরগে লিলী — লুপা লিশীং ৫০

নিপা : (মশক তাকই, ইকাইনা মথুং লোম্নে)

হঞবা : অতুগা, য়ুমৈ থাবদ মশীং খ্বাইদৈ য়াম্ব লুপা— মিষ্টর এক্স — মনা লুপা লিশীং ৫

নিপা : সোমদ য়াওদে — তাঁবুর নম্বর ৩৫ দা চৎপিয়ু (মখুৎনা লাপ্ন থিল্লি)

হঞবা : খুংলাই মুনবদ থৌনা ফব খ্বাইদৈ হেনবা - মিষ্টর রাই দি ?

নিপা : নম্বর ৪২ তাঁবুরদা হংবিরু

হঞবা : খ্বাইদৈ য়াম্ন মী হাৎখিব হিরো ইং ১৯৯৩ গী মনা লুপা লিশীং ১০ ফংগদ্রোবা — মিষ্টর জেদতি ?

নিপা : মনীং থংব কেম্প তাঁবুর নং ৫০ দা য়াওরম্ব য়াই।

হঞবা : কেম্প নম্বর রান্দা মনা পীবগি ফংসন ভৌগনি নখোয় য়েংউ — (চৎনখি)

———

নুংজাউ-ক্সাঙন লঙ্কা মৈচাক্লা

(মতাং ঃ শুব)

খৈদেন চৈরাক লোইশঙ অহিং টেবিল চৌকি, বেঞ্চ খর থারি বেক ষ্টেজদা ।

খৈদেন্দু শাওরপ ঙংব মতৌদ কৈ-হৌদোং খোংবগুম তায় । বেঞ্চ অমদ তুম্মি রাইশিংপ, লাইব্রিক ফাইল খরদ মোন খাং । ঙহাক লৈরগ লাও খোংহুনা নুংজাউ ফাইবোক, খোইরী অশাংবন কিমিন্না থোরকই হাইহুন, য়ু ঙাওরপমান

২ : হাসপাতাল ! হাসপাতাল ! কদায়দ লৈগে ঐখোয়নীবু অমুক্ত খায়নবিয়ো । ডোক্তর ! (খংপ্রেক খং হৌগংল, ঙক্ল য়েং চেনগে তৌই রাইশিংপ, অহুদৈ হুঞ্জিল্লক কিদব শা)

রাইশিং : কনা কনানো নখোয়নীবো ?

মতম : ঐন মতম্নি ।

মালং : ঐ মালংনি । ডোক্তরনা ঐবু মঙোন্দগি তোঙান্ন লৈনব খায়দোকপিয়ু, ইংন লেংদন লৈজগে ।

মতম : মসি চাউখৎতে, খোংবানগি ঈশিংগুম তুমহুন মফম অমদ লৈব পাম্মি । ঐদি কোইন চৎপ চেনব পাম্মি তুরেলগুম । ডোক্তরনা ইমানীবু তোঙান তোঙান থাদোকপিয়ু । নঙবু হাসপাতালগি সার্জন নত্তব্রা ?

রাইশিং : খৈদেন চৈরাক লোইশঙনিসিদি হাসপাতাল নত্তে, ওপরেসন তৌব ডোক্তরসু নত্তে ঐদি গুজিক ডোক্তরশিংদি স্ট্রাইক তৌরি, খুৎলাই, হিদাক মতিক চান ফংদবগী । চাক তাংব

ফরগা ওপরেসন তৌহল্লু, রিশার্চ কম্ম তৌনরি চাক লামদনব, হকচাং চোকথদনব হিদাক থিরি। নখোয়নীবু চান্নৌ, নুংশিনৌ অমত্তু ওইয়ু হায়রুন পুল্লিব খোইরীত্থ শমকক কাটিন ককথংপ য়ারোই, নোংমৈ গুলীন থদংপসু য়ারোই।

মতম : অরাংবদ ফম্ব নুমিৎ-থাগি লোইশঙ কদায়দ লৈবিবগে? ইমানীবু কৌখৎলি হায়, থিবদি খঙদে। করি ইরালগি কৌখৎপ ওইরিদগে খঙদে। (মালংন মতমদ ফুই খৎনগে তৌনৈ, দক দক থিন্নৈ)

রাইশিং : খৎনন্নু, চানন লৈমিন্নৌ। নখোয়নীবু কৌখৎলিবত্থ খৎন-গনবগি খামগে তৌব ওইরগ্নি।

মালং : করিগি খৎনরোই, মখোয়ন করিগি ইমানীবু পুনসিনবগে, ফাইবোক ওইন। ঐদি মাবু নুংশিদে, হাৎতোকনীংই।

মতম : ঐদি নঙবু নুংশিরেহে, শক্তাথী।
(লামজুন শেদো বোক্লিং তৌনৈ)

রাইশিং : হৈনহে, খৈদেন্দ সন রাইনব য়াদে। (তোক্লখি)
চৎলু রা হায়গে, থরান মৈরা লোইশঙদা হংউ, নুমিৎ-থা কদায়দ উন্নব ফংদগে হংলু। ঐখোয়ন তাবদি নুমিৎতু মৈখু হানব রোকেৎনা কাপশ্রে, থাত্থন থাসু ছ্‌টি নুমিৎ কয়াগিনো লোশ্রে হায়নৈ।

নখোয়বু কৌখৎলিবত্থ মখোয়ন ওইরমি। চুমত্রিং চৎশ্রো লৈপুংফমজীং হায়ব চীংজাউ অম লৈরগ্নি মদুই মখোঙদ মৈরা লোইশঙ লৈবনি।

(থিন্ন থিন্ন চৎখি — অনীদ্ম)

রাইশিংনা দস্তর গমছা ১ পায়, টেবিল চৌকি, কম্বোকই। লাইরিক, ফাইল খর টেবিলদা থম্মি। মীনিন খর তায় :
"ঐখোয়বু চংজরকপ য়ারগদ্রাও?"

রাইশিং (ঘড়ি য়েং) : য়ারে চংলকও, কেশ লৈবমথৈ।

মীতৈ অহন শা হঞ্জবা অমসুং নুপীমরুপ লমজিংবী ২ মীয়াই চল্লবী থোরকই। মতুংদ নিপামচাবু মখোঙদ য়োংহিলংনা পুন নুপীমচান চিং পুরকই। ফিরুক খুম ইকাইন, চীংগি কেরব ফিজেংতা, শিরগে লিলী থোরকই। বেঞ্চ অমমম ওইদ য়েংতা থাবদ ফমথি ৩/৩। ষ্টেজহু রেদ লাইটনা ঙানখংলি, অকিব খোম্বোক্ত, যন্ত্র ইশৈশিংন খোংই — নোংথাকপদ লায়রেম্বী (খৈদেন) শেগাই-তুগাইব ফিজোন্দ লুহুব অরুংব উপ থোরকই। ময়াম্মা অকি অখং মতৌদা ফুক যুক হৌগংনৈ। চৌকিদ লায়রেম্মা ফম্মগ। মখুংন ফম্মু হায়ত্নন ইঙ্গিং তৌই।

লায়রেম্মা : নখোয় লৈবাক রিফ্যুজী কেম্প ওল্লবসিদ লৈব মুংঙাইরিব্র'ও ? ঐদি তল্লে ছ্যুটি শাংন চংগ্রনি। ঙসি শিনি পাউন্দ হয়েং শিনি পাউতাক্তে, চফু-উয়ান্ন কোক-কাক ঙহাক্ত লেপ্তুন থেঙ্গাইনব, নমথাক লৌনম তীল কাঙ মৈখুন মনলব নরক, থাংতেন দোংদাং থাংব ঙম্মিব্রাও ? ঙম্মবদি কদায়দনো শান্তি লৈবাক্ত চেনগ্রো।

করি পেন্দব করি য়াথোক্কিনো নখোয়ন কারকইবা ? হৈ কৈনো পাখঙসি মখোঙদ য়োংলি ! করিগীনো ?

নিপামচা : ইবেম্মা (খুং থিন) শিরগে লিলীনা ঐবু কারগ পুন্দুন থম্বিবনি।

হঞ্জবা : ঐগি ইচানি, ফাবিখিব থামুক ফারে, ইবেম্মা অনীসিন ঙরাংদ ছায়দোকলৈ, লুহোংবিরসি হায়ত্নন।

মৌ ২ : মচিঞ্জবান লেপ্তু, অমুক্ত হোয়, অমুক্ত মাই লুহোংনীংদে খুম্মি। হোয় হায়নব পীজ পীথক থেম, য়ৈ-চৈ ফিহন ছারকপদ মতম থর চংগ্রে।

লায়রেম্মা : লিলী নঙনা করিগি মহাকপু ফারুবগে ? মশান য়ানীংঙব

নিপাবু ফাত্নন লৈবু হৌনব্রা ? ইকাইদব্রা মুপী ?

লিলী : ইকাইদনা ইমান্নবী থর খ্রোম্নগা নুংশিহ্নবসিবু ফাজরুবনি। ইকাইখঙদবী ওইরবদ্রি তুমিন্ন তোকচরদোর্বানি । মমাংদৈ রারী অমুক্ত তাবিখো। ঐগ অহানব হেক উন্নখিবদ তামোনা করি তাকপিখি ?

নিপা : ফজে পামজে, ঐখোয় ইমুংদা থানিন ওইন ঙানবিয় হায়খি।

লিলী : ঐন মদদ খুমখি : থাগৎচরি তামোবু নুংশিবিবগি। ঐদি হিংসি শিরবীনি লালক্ত সরকারগি লাম্মীন ফাবিরু ইকাইব নংগ্রবীনি, ইপুরোইব কায়নগ্রে, মরীমতা হাৎপিগ্রে, অরা মৈচারু চাকশ্রবী উরে ...... অসিনচিংব মদদ করি তাকপিখি তামোনা ?

নিপা : শিখিব য়াদে হিংমিন্নখিসি লৈবাককি সেবাদ ভোলন্টিয়ার ওইন সমাজ সেবিকা স্কাউটশিংগুম।

লিলী : মহুদ ঐ হিংব য়াত্রা য়েংমিম্নে। নহা ময়ান্ন ঐবু করকই, মুন্নকই। মদদ তামোনা ঐবু যুমদ মাগী সেবারী ওইন লৈরো। মহারু লৈবাক্কি সেবাদ য়াওরুগে য়ানখি।

নিপা : মহাক উদবদগী নহারোলশিংন ঐঙোন্দ মাবু পুথোররুব তারুখি। মাগী পুন্সিদ হৌখিব রারী কয়া লীরকই : মহাক্তি থাই পানাগি সেবারীনি য়ুমদ থম্ব মতিক চাদে হায়রবদগি ঐহারু মাবু মীয়াম মরক্ত অমুক সেবা য়াওহনখি।

লিলী : ঐবু ময়ুমদ লৈহনীংখিদে। ঐহাক মরুপ অমগি ময়ুমদ হোংদোকখি। মীয়ান্ন ঐবু হংখন য়েংবদে ঐন শাওনীং ইমান্নবী অথৌবী খর খোম্নগ মারু ফাজিনবনি, চর্চতা চংলগ ন্নুহোংদব য়াদে হায়দনা খাংইবনি।

ল্যায়রেম্মা : নিপা নও নুহোংগেরা মুপীসিগা ? খৃষ্টান চর্চতা ?

নিপা : বাবাখোই ইমাশাবীখোয়ন্ন য়াবিরুবদি ঐদি বেরা লৈজদে।

হঞ্জরা : ধর্মগি, জাৎ-বিজাৎ খেন্নবগি অপুব মীৎয়েংদু ঐদি লৈজদে।

ইচাবু অরেম্বদ মাংহনবিখিদ্রা কিজবনি থিজরুবনি।

লায়: মমা শাবি ইমখোয়দি করি বেরা লৈ ?

মৌ ১: মীগ মীগ নুংশিনবদ জাৎ বিজাৎ, ধর্ম, তিন্নব-ভিন্নদব, মথৌ লৈত্রে। ঐখোয়দি থিংজদে চান্নব হেঙ্গংনব কাংলুপ কাংলুপ য়েংথীনদন লৈমিংব মতমগি থৌইন্সিন্নি।

মৌ ২: ঐহ্র পুকচেলসি মান্নে। মীচং নাইনদব মীগ মীগ, নুপাগ নুপীগ, জাৎ বিজাৎ খ'য়নদনব মান্নব মীৎয়েংদ সমাজনা লৌনগদ্রব মতম শুইরে, মমাংডৈগি রারী অমনব চাওখৎ-তব মীচৎ-শাজৎ হোংদে'কপগি মথৌ তারে হুজিক।

লায়: লৈবাকসিগি অরা অনং, লৈহ লায়র, শালান, য়েংথীনব, হাৎন শুনব, নোংমৈ মরু মীহাৎ খুৎলাই হোংব, অচা অথক, ফিরোল য়ুমকৈন তাংবা অরাব পুন্নমক মীচং নাইব খর তন্দ্রদে থোকপনি, খরন নুংশাইনব মীয়ান্ন রানব থৌশিলদেনি। মরম অহুনা আইন মমীৎ খুমজিন্নগ ফোংন লুট তৌব ভও পার্টিগি লৈভাক পথাপ লাঞ্জেনভম, রিফ্যুজী কেম্প ওইহল্লব লৈবাকসিগি হু পানীনি। করি হায়বগে খৈদেন সেবারী, নঙনা সর্ভে চৎলুব, ইন্টরভিয়ু কয়া তৌরুবগি মহৈ করিদ তায় ?

রাইশিং: ঐগা ইবেম্মা, লৈবাকপু লায়রহনব রাহন নংহনব য়েংথীনব, লানহৌহনব লান য়ানহনব ফত্তব পুন্নমক পারার য়ান্ন পায়ব খিৎত পায়ব, মীচং নায়ব, মীশক মীমায় য়েংনব, মীচং নাই সরকারন য়েংনয় শক্তি—নয়া পৈশা, এক আনা দুই আনা, সিকি মথায় ডিরেক্টর, সেক্রেটরী, কেরানী, পিওন। মতিক মতিক্তি মক্তুং ইম্ন ওইজব অরোনব ফংখিরতুই চাংদা মরাল লৈ. মেদাম।

লায়: অদুনদি মীচং নায়নদব মহৈ মশিং মতিক মগুন য়েং, নিংখোশাব অম খনব — ১০০ চৎপি ওইনব—প্রেসিদেন্ত,

১° চৎপী ওইনব গোভর্ণর ১° দিস্ট্রীক্ট ১০ দৈ খল্লব, মখোয়ন অমুক মেট্রিক সিস্তেমদা ১০/১° থবক পুনব খন্দুন লৈবাক ঙাকপ। চহি ৩০ গুড্রিডৈ ভোট থাদব য়াদে মম্নুম পানব য়াদে নিপাসু মুপীসু, চাকথোক হুস্তরবন মীথোক হুস্থহনব তায়। (নোংখোংব, য়ুহারাবগুম্ব মখোল তাবদ ময়ামদ, কিনৈ, নিক্লৈ)

লায়রেম্বী নত্তন — "চাকঙা-চাকঙা" শিদব মপু, যীশুখৃষ্ট, শ্রীগোবিন্দজি, "অল্লা হো-আকবর শোম্নে" (মান মান থোকপা, পাঙন মুপী চীংমী, খরসু য়াওহনব মীয়াম মরক্ত। নুংজাও অনী চংলকই মতুংদ চীংমী কাংবু ২ মতুংইন ······)

মতম +

মালং : বায়েনশঙ নত্তব্রাও সিবো? ঐখোয়বু কৌথৎপা করিগিনো? মুমিৎ-থা লোইশঙ, খরান মৈরা মকোন লোইনমক থিব খঙবিদে মাংগ্রে। খৈদেন চৈরাকশঙসিদ ঐখোয়গি বিচার তৌ, ইরাল করিগী বিচার তৌ, ইরাল করিগী য়েংথীনব ইমানীবু পুন্দুন চান্নহনবগে একটা ইউনিটি ফোর্স তৌবগে? মদন শান্তি করম্না থম্ব য়াদগে?

লায় : চংলকউ ফম্মুরাও? অচুম্বদ ঙাংউ, খৎনবদি য়াদে। (বাইশিংন ২ বু বেঞ্চ অমদ ফমহল্লি, নমিংদি করি করি কৌই অথৌব ২?)

মতম : মতম কৌই, নুংঙৌ কাংবু লুচিংবনি। ওপরেসন তৌরগ তোঙান্ন তাজগে লৈতম পীয়ু ম্নাদবগি লাহৌনব য়ুম মৈ থানব মী পংহাং হাংনব ইস্পিনব ঐননি।

লায় : নঙগিদ্দি করি?

মালং : ইমিংনা মালং কৌই এলাইএজ স্পেস ওর্ক মহাকাশ, নট্রৈ কাংবু লুচিংব শাবনে। ওপরেসন তৌবিরগ

থায়দোকপিয়ু তোঙান তান লৈজগে, লৈভম পীয়ু শাস্তি ফংজগে য়াবিদবগি লাল হৌহনবনি অপঙবা মীয়াম খুৎপু খোম, মী হাৎলু, য়ুম মৈ থাও, কিহল্লু, চেনখিনব, লান্দানব, ঐস্নু ইন্সিনবনি।

লায় : লুচিংব নখোয়নীন লান তৌনব নখোয় কাংলুপ্তা নংঙৌ, নংমুশিংদ ইন্সিনবত্থু নবুকথোক রাখল্লা ? নখোয়নীদ অতৈ কনানা তাকপগে ইন্সিনবগে ?

মতম : তাকনু হায়, তাকপা ঙম্মোই। পার্টিগি দিসিপ্লীন নত্তে।

মালং : মত্থু হংবিগনো তাক্লীংদে। রাশরুবনে তাকথোকমসি হায়দনা ।

লায় : তাকথোকতব য়াদে মীয়ামগি ফনব মখোয়নীসি পুল্লগ ফংসিরা ? ইলেকট্রিক শোকতা মরীংজেল থারিবসে থুমহন্সিরা ?

মীয়াম : ইলেকট্রিক শোক ! নখোয়নী হায়দোকত্ববদি ইলেকট্রিক শোক থাংব তারে ?

মতম : হায়দোকচরগে : ঐগি ইপুরোইদি, ঐঙোন্দ ইন্সিনবদি মুমিৎননি। লোৎতুন লৈগ্রব অথৌব, ঐবু ঙাকপিয়ু তাকথোকগ্রে। (কপ্পগি মতৌ মপী তৈথোক)

মফম : মতম নঙনদি তাকথোকপ ঙম্মগ মালং ঐনদি করিগি ঙম্মোই ? পার্টি লুচিংব মুংমু কাংবুদ ইন্সির্নাববদি থাননি উখিদ্রে, আফিস বন্দ তৌগ্রে। মাংগ্রব লুচিংব নতুং ইল্লরোই, ইমিং ককচৌ পার্টিদৈ, ঐ ইশান লুচিংব শারনি। মী মুক য়াম্ন শিহল্লগ লোৎপ চুম্বা ?

লায় : ইন্সিনব লৌরুনু, চান্নরো নখোয়নী থৎনরনু। লৈবাকসি শাস্তি লৈহল্লসি ? নংঙৌ নংমু কাংলুপ অনী থৎনরম্শিংত্থু চান্নীংঙে, লুচিংব অনীন চান্নব য়ারে লাওথোকউ।

মতম : চান্নব য়াদে চান্নখিরোই ওপরেসন হান্ন তৌবিখো।

মকম্ : নওবা চানক পামরবদি ঐদি চান্নবীংদে হায় ; মাগ ঐগ মরী ককথংনবিরবীর, কন্নিগুম ওপারেশন অক্তন ঐস্থ য়ানীংদে অভাব শান্তি কুংলোই। ঐখী ইতুং ইনর নংমুশা— চান্নখিব য়াদে, তুংগী ওইরব হায় মথমব। ঐবু থাজো মরুপশা।

মুয়াম : নরা লোম্লে, লুচিংবিরম্ন।

লায় : লুচিংব নখোয়নী চানৌ য়ান্রে ?

মত্তম : নীতি কান্নব ওমজ্নরোই চান্নব্ য়াদে।

ম্যাল : ঐস্থ চান্নবীংদে, থোক্লব ল্যাকসন্নু।

লায় : নখোয়নী লমহেনবগি চৈরাক্তি সহীদ মিনার মনাক্ত চপ মান্নন য়াংবু কম্লক অম হোৌগংলগ মথক্তা নখোয়নী নচি নচি লোম্লসিন্ন সন রাইনহন্ন লৈকব তায় হুমিং থান অতিয়াদ পাম্লিবমথৈ—

য়াইশিং : (চে অম পিশিল্লগ) হন্দক কুমশিগি খ্বাইদে মুংঙাইব নিপা অমদি খ্বাইদে মুংঙাইত্তব নিপা থনবদ কাষ্ট তাব অনীক্ক য়াথুং অমমমদং লোজনীংহুন ঙায়রি। কৌশিল্লব য়াগত্রা ?

লায় : খ্বাইদে মুংঙাইতব নিপাদু পুশিল্লকউ।

য়াইশিং : চংলকপা য়ারন্রি, মকম চাউরম্ব ভি-আই-পি, হুজিক্লা ফোংন হিংব ক্লিরব মিষ্টর এক্স, নঙন্না অপায় নিজ্ররো। (ফিরুক খুম মমায়দ, হামুক শুন্ন য়েক মিষ্টর এক্স লাকই)

এক্স : মীন্ন কল্লকব ফম পায়রব ভি-আই-পি মচা ১ ওইজরাম্ম। মতুদ ঐন চেক্লজং থুরদ সহি থর ত্তৌখি। মী হাংলু, মীগী মাংনব তৌ হায়খিদে, পার্টিগি মী কয়াদ কাম্নব মতেং কম্না পীখি। মচিহ্নী হায়নি, পার্টি য়াওদব মী কয়াদদি তেংবাংব ওমজন্নিদে। ঐ হুজিক সিক্যুরিটি ফংদে, লনাই মী থম্মস্থ ওমজদে, মী থরনদি ঐবু লায়রৈবাক্ত চংগ্রো

হায়দুনা বার্স্তোন লাক্লে। চাব হাওদ্রে তৎন য়াদ্রে, পোথাব ফংদ্রে, মতম থরদংদি হিংজনরিই চহি ১০ মুক্তেদি জেলদা হিংজদুনা হারসু য়ামা কুপা তৌখিব্রু।

লায়: মমাদি পার্টীদা কুওচিদুবনা য়ারাই অরুদা করি করি ফংখি?

এক্স: শেল ওইন লুপা লিশ্ত্রীং ১০, স্লিপ্পীং পিল্লা তৎমব শুলীতু কোঁটা ১ গা ফংখি।

লায়: করম্মা শিজিন্নখি — মখোয়দু?

এক্স: লোনদু য়ুংব মুম্বিংকি অরিংদুদা বৈরোই লৈকাইদগী মরুপ মপাং ১০ লাকুন লৌমিখি কারবার তৌনরুগে, নোংমৈ শিংবিগে ভাকপিরম্মি মবুক কৈ, শেন্দোই হাপ্পক্লেসু হারঞ্জম্মি। নোংমৈ পুনবদ তুফুংখি, নোংমৈ পায়জদে খু মথি। থোঙ গম লোনবদ থংজি মখোন্দো অমম্বদ হুই-হৌদোং উচি উত্তাম শ্রোয়স্রোক্রে লাওবদ নিংদোন চোংই।

লায়: করিগিদমক নপ্লেন্দে শেল পুথি, মহাজনদে, বেঙ্কভগী পুগেদি হায়রনা?

এক্স: লোন লৌবগি দরখাস্ত রিকোমেন্দ তৌখিবকান্দ পার্টিগি মীদদ তৌজখি অদুডে; কৈরোই লৈকাই মীশিংদদি মীচং মীথায় নায় হায়গদ্রা থজক অমগু পীজখিদে। মতুগী শাওরসু য়াই। ফংখিবশিংন শেন য়ামদে তামুক লাকাখানি শাওরম্মি, ফংখিদবশিংন পীদে হায়দুনা শাওখি। মখোয়ন শাওখিবগি মথা থাংব ওয়াব জেলগি উক্তমদ লৈজগে চহি ১০ থং। চানবিরু।

লায়: স্লিপ্পীং পিল কৌটাতুদি কানারদা?

এক্স: ননাই ঐ লুপ্লীনি মপামদা মতা পুরুগা লেকখি দুংদাং মুদাং, শিথ য়াওনীংদবনু ঐগী খুমদ পুরু পিলাই যৌনবা শিং মানে।

লায়: হুজিক জেলথানা পুম্মক মী করক করক ইরন লৈ, নও চহি ১৩ং লৈরব রাজি। চংথ্রো লৈদি পুরুগা — ৫ দরখাস্ত কাপাদ

করিনো খর খোংখি) (হয়াওন চংখি)

এম : খেঙ্ক য়ুং মেদাম।

য়াইশিং : মথংদা চংলকপ য়ায়নি : লাঞ্জেনভম ওনপ্রব ঈশিং কংপ্রব লৈবাকসিদ ছজিক খ্বাইদৈ মুংঙাইব মীদ পীব মনা কুমশি ফংখিব মিষ্টর রাইসিংহ।

(মমাইদ পাউদরনা পুংঙৌ পুন, ফি অম ইন কয়েদী পোষাক শেংপ য়াইসিং নমস্তে তৌই।)

লায় : করি পাম্মি য়াইসিং ? কুমশি নঙনা খ্বাইদে মুংঙাইবৈ মনা ফংখিবতু করিদৈনো ?

য়াই : ঐগা ইবেম্মা, ননাই ঐবু হয়েং মুমিং য়ুংবদ ফাঁসী তৌরনি কাংজেবুংদা হায়বিরে। মতুদ নোকপখেব মুংঙাইব ঙমজবগী। হা হা হা ......

লায় : হয়েং শিদৌরব নঙনা করিগি মুংঙাইরিবা ?

য়াই : পোকপগি মহৈ য়াঞ্জরে : ইয়াম্ব লৈখিদ্রবনা হুন্দোক্লম্ব অঙাং ৪ লাইবক থীজরবী ইমাশকপি ইতৈমা থাকপ ঙমদতুন য়ারম্বতু জেন্তুলমেন গুণ্ডা ১ হাংলুবগী শেন্থং লুপা লিশীং য়াখেনা কোকহল্লে। হয়েং সেকেণ্ড খরদং য়ারগ শিদোব ঐন ঙসিদৈ করি য়াভম থোকপগে ? ঐ মুংঙাইজরে।

লায় : নয়ুম পালহৌদ্রা ? নচা লৈত্রা ?

য়াই : য়ুম পানব ঙমজহৌদে ইচা লৈজদে।

লায় : নঙনা ফংদৌব মনাদি — করি ?

য়াই : লুপা লিশীং ১০ ফংগনি হায়, মতুনা ঐগি সেবা তৌবিনব, শরেং থোংবিনব, কা তম্লিনব ঙসি মুপী অম থিরগ পীরমগনি।

লায় : নখোয় সরকারনা হয়েং শিদৌরদ নঙবু ঙসি লুহোংব য়াই হায়ব্রাও ?

রাই : চান্নীংব থক্কীংব অপাম্ব মনীং থংহনব রাই তাকপি, মিন্থংগী থঙ্গ অফবা সরকারনি। চানব্রিতন চুসিন্নবা সেবা তৌবিয়ু যান্না অমুক্ত থিবিয়ু, ঐন ফংজদ্রোব মনা নুপা লিশীং ১০ছু মুঙোন্না খুদোন্না তমুজগে ?

লায় : কুনা কুনা নুপা লিশ্রীং ১৯ প্ত্রায়গে অহিং অমত্তং চাক থোংবৈ সেবা তৌরগি ?

মৌ ১ : অনাথাশ্রমগি ফন্দ ওইনব নুপী মকুপকি সেন্দি দরকার লৈ। ঐহাকপু অহুল ওইরে চাকথোংবদি হৈরম্মি, কা তপ্পদি হৈরম্মোই হায়বিত্রা খঙদে।

রাই লৈত্রবদি লৈত্রে, লৈবিরগদি খর হেন্ন নহা ওইরিবীন পকচনি খঞ্জে।

লায় : অপাম্বগ্ৰ খল্লিনে শক্তাসে।

ছক্কবা : নুপীমচা নঙ, অনাথাশ্রমগি ফন্দ ওইনব লাইবক য়েংউগেরা ? কান্নরব অতাংব এক্সপেরিয়েন্স ১ ওইহৌনি।

নুপী-মচা : খুড়াবু ঐন থোংব শরেং, ঐন তম্ন কা হঙ্গোইবিরোইদ্রাও ? (কে—না)

রাই : থেঙ্কয়ু, মহারাজ কুমারী। (কম্মি হীক হীক)

লায় : নঙ কম্নিগিনো যাদে, মুংঙাইনি হায়নগ কম্নিবদি ?

রাই : য়োর হাইনেশ, ননাই ঐ মুংঙাইমনপ্রহুমা কপচবনি। খর কুইনা হিংনীংলকপশায় পুক্সিং অপংবসিন খক্ক ননাই ঐ রাবগি কপচব নত্তে।

লায় : ফরে অহুদি, মখোয়নী চংমিন্নগ্নো। (চংমিন্নখি, ময়ায় খুবাক খুহৌই)

রাই : মাং থারো, মহারাজ কুমারী।

নুপীমচা : মঙলানচানগী খর্গ য়ৌনব কৈরাক অহুবু কদীয়দ থিনবগে মখোয়ু পাবুং ?

রাহ : কাংজৈবুদ থিন্নি হায়ন তায় সনা, ঐ তাঁরুকে চুমজিং

অতুম চৎলু ।

মুপী-চা : হয়েং মপোকদি পাম্মুবা, নহাক খৈদেন চেকখোঙ মখোঙদা ঙবোং অম ইন ফিরুক খুম ঙায়রম্মু, য়াওশঙ মমাংদ ঐ মুমিদাংঙ্গহি ফনেক জৈপুর লৈব কাজরক্কে।

রাই : অদুদি সনা নশক খঙব রাদনব মুমিৎ অদু সালবার কমিজ সনা মচুগি শেৎলকউ, লিংলকউ। (কপমিন্নর থোকখি)

লায় : লৈবাক্কি লৈত-লায়র, অম্বা অনং, খৎন চৈন থোকহল্লিবগী মরম মরু করিনো, কনাননো, থিগৎপ এক্সপার্ট কমিটিগি রিপোর্ট, অশম্ব পারো তাসি, রাইশিং নংনা চেয়ারমেন ওইরুব নত্রা ?

রাই : শাংগ্রব রিপোর্ট, তেম্ন শমজিনবদ, ভারকপতু পাজাগে : দেমোক্রেটিক গভর্মেন্ত পার্টি সিস্তেম মীয়ামগি লৈঙাক পথাপ, কাংলুপ নায়নব ফন ফব সঙ্গোম ওইরসু বিন্ধা ওনগল্লি। খর তন্দ্রদা, মীচং মীখায় নাইনবদে - থবক্তা, খরনা নংঙাইব অয়াম্বনা রানব নংনব। খরতু লুটপাটি ওম্থোরক্লপ, সঙ্গোম বিন্ধা ওনবগুম ওইগনব জাৎনি।

লায় : অদুনদি নিংথৌশাব প্রেসিদেন্ট অম খল্লগা মেট্রিক সিস্টেম গনতন্ত্রগী চাংয়েংব ফৈ মীয়ামগি নংঙাইনব। ডিস্ট্রীক ১০ খায়দোকপ, নিংথৌমচা ১০ মতিক মহৈয়েং খল্লগা গভর্নর ওইহনব, মখোয় খুদিংনা সেক্রেটারী নত্রগ দিরেক্টর ১০ হাপ থবক পুনহনব মথং মথং। মী মীগি মতিক মহৈদা শক্তি পীরগ শেমগৎহন্সি নত্রগ মাংথহল্লি, খরদ শক্তি পীবনদি শেমগৎপদগি মাংথহনবনা হেল্লি, দায়ীত্ত পুবদ মরালগি, ঐন নত্তে ঐন নত্তে চেনব লায়। মীচং মীখায় নায়ব খরতন্ত্রগি লৈবাক, ঐ লৈররোই পোৎ মমল নংক্কিগি হেক্সংপ ইকাইদব খৈদেনসিদ। মুংশিরবা প্রজাশা ! লৈঙাক পথাপসি শিন্দোকপ কৈ, মীথর রাংলুপা

সঙ্গোম বিদ্ধা ওলহনব য়াই লায়না। মরাল তায়নভম থওনব মী মীদ থবক শিন্নবদদ। মথৌ নিংখিন তৌনরকনি। ঙামচাশা, অনৈব পুক্রীসি থাদোক অক্কব পাৎতা চৎনগ্রসে। বিদায়! ঐ রিজাইন তৌরে! (মখুৎ হায়রগ চৎখি, অতৈন হৌগৎ মখোঙদা তুথ থাম্মি।)

লায়: কাংলুপ, ফুরুপ মরূপ লৈংবা মীয়াম নুংঙাইনবনি, ধর্ম, আইন, কেষ্ট ক্রীদ, জাৎ-বিজাৎ মীয়াম নুংঙাইনবনি, অকনব খুৎনী অশোনব মাইনোরিটিবু ওৎতোবা নত্তে। কনব মান্নরগ খৎনদোবিস্ত নত্তে। য়েংথীনরবদি মীয়াম্বু লাক্সংহন, কিহন রাহনলিমখৈ ঐ রিজাইন তৌরে। থামগনু শান্তি লৈরব কান্দ খৈদেন্ন শেন্নরগে। ঐবু ফানু— (থর চৎখি)

রাইশিং: (লাওই) মীগ মীগ নুংশিনসে!

ময়াম: চান্ন চিন্ন চামিন্নসে, নুংশি নুংওন থকমিন্নসে!

রাই: মীগ মীগ!

ময়াম: হিংমিন্নসে,

রাই: নুংশি নুংওন

ময়াম: থকমিন্নসে —

রাই: চান্ন চিন্ন।

ময়াম: চামিন্নসে।

রাই: খৎন চৈন

ময়াম: তৌনগুমসে।

লায়: (লেপ্পুনা তারম্বদগী) নুচীন্দ নত্তন নপুক্লিং, নপাঙ্গল য়াওন হোৎন মতম খুরর শান্তি থনম্মু। অত্থুগ ঐ হন্নক চাকহোং ঙাহোংহল্লগে। (বিদায়) (ময়াম খুরুম্নহোই)

অরোইব

একলরব্য,

মথাদ শীরিব ইংরাজী সোনেটশি হায়নব পরেং ১৪ না শাব কবিতাসি মুম্ন পারগ নৈনৌ। মীতৈলোন্দ মথোয়গুম্বসি তাঙজি, ইব থর় তন্নব তাঁয়, মশীং য়াম্মিথংনব।

হন্ন হন্ন পারগ মখোন থোন্থাং মখোঙ থোংজেল, মরোল অর্থ, ভাব তানব লাক্নৌ।

Thesis অম পরেং ৬তা শীরব **antithesis** অম পরেং ৬াত অমুক থম্নবা। অদুগা পরেং ২ দা **Synthesis** অম থম্বগী মতৌ নত্রা হেংঙৈ। বনাব্ধ িংথোমচাহম, বনাহু, চাকনিবিগুম ঈশ্বরনা শেম্বি, মীচং-মীথায় নাই হায়ব রাফম অসি থম্নব পরেং ৬ তা। অদুগ অমুক পরেং ৬ অমদা শংজমন নোমিজমন দলাল শাখি, মতিক মখোনা লৈবশিংনি হুংঙাইরিবশিংদো। পরেং অনীদা **Synthesis** ওইন পুন্সিল্লগ-তাইবং অবা হুংঙাই ঈশ্বরন শিনব নত্তে, মান মান ভোজব থবক্কি মহৈ ঙাক্ত চানবনি: পোৎ মাংগ্রগ লায়না লোপ্রে তায়নগল্লি।

(১)

অশিব, চাউথোকচনুহে!

(John Donne 1572-1631)

অশিব, চাউথোকচনুহে, নত্তে
অতৈন নঙবু হায়নরবসু,
মতিক চাউবনি, অকি শক্তমনি,
মরমদি নঙ মহু মক্তি নত্তে।
কৈদোনো হায়বু নঙন ইম্থ বিপ্রে
থজবশিংদো তোম্নবশিবা:

থাজবৈ, ফগ্র মী কয়া পুখি—
খুরেমখৈ থাদোকপি থবাইখৈ
শরুখৈবু পোত্থাহন, নঙদি কো
মীনাইনি লাইবক্কি, থোক্ল থোক্ল
নিংথৌ খঙদে শিরশি-চং খঙদে
নঙ্গ য়ুমদিন্নবশিংন : শা-লান
হু, অশোন-অনাখৈ, অহুগকো
কানীন লাইবান তুমহন ঙম্মি
নঙ্গি চৈফুদৈহু হেন্ন কন্ন
অহুদি কৈদোন পোংজবশাই ?
অশিবা, নঙ মঙাইরে নতিকবৈ
নপা লৈতে মীন কিনবদ !
মীৎকপ' মত্তং ফজন তুম্মুর
মীৎনা শিংনি মতম্ম লৈরিখৈ।
শিব হায়হু অমুক নাইররোই—
তাইবং মীপুম্ব হরাওজরোহে !
অশিবা, নঙ শিবতারে, অতো,
নঙ্গি চেঙ লোইরমানে চৎলোকো।

(২)

ফম্লিঙৈ মতমদ থুম্নব বাখনগি

(W. Shakespeare 1564-1616)

ফম্লিঙৈ মতম্লি অথুম্ব অরোন - বাখলগি
ঐন কৌঅৎখি নিংশিং লাম্নুম হৌপ্রব কয়াই
নিংশামপি হোনখি ঐ, থিগৎলু কয়া য়াওদ

তাঙল মতম ঐ তিংখি, অরিব অৱা লৈকাং
কম্থবদ অনৌব পিরাংন ইমীৎতগি
ঈরুপ্প হৈনজদব মীৎনামবু ঐন
ঈরারুহনব ঙমজরগদ্রা হুজিকপু
তাংজগ্রব মরুপ মপাংগিদমক, অশিবৈ
তারিখ কত্তুন অমম্ব অহিংদ লোৎগ্র
অতুগি নৌহৌন অমুক কপ্পখিগদ্রা থমোই
শোক্ক কপ্প লাওনগ্রব মৈচাকথাংতু নৌন
শিংগৎখিদ্রা হান্ন তেংথাখি মুংশির মরুপ
খম্থরু ঐ শিখিদ্রিবগুম হুজিকমক!
মাংখিবখৈ হজিন্নে, অৱাবখৈসু থকগ্রে।

(৩)

মমীৎ অঙবদুদ

(John Milton 1608-1674)

ঐন খম্থরুই : করম্না মুৎখি
খংমুৎ ওইন মঙান্দো ঐঙোন্দ
ঐ' মুমিংশিংদি তথাইফাও চপ্প্রি
অমম্ব তাইবংপান্ন পাল্লুসিদ
পীথোরকপ ইগুণ অমর্থক্তং
শিবত্তা লোৎগ ঙমগ্গদব
ঐঙোন্দ চিথহৌরে শিঙ্জিনদ
থরাইনদি ফন পামজরসু
শেম্বিব মপুই সেবা মত্থন
তৌজব অমর্মুং ঐগি হিসাব

অশেংব উচ্চব নক্ষত্রগাদি
মপুন চৈবিরক্কনি কিজৈ।
ঈশ্বরনবু নোংমগি খুম্সুমন
খিংগ্রো মতান্দি পীখিদন?
খঙনীংন হংজৈ ঐন, অত্থবু
অথাং কম্ম মুকম মুকম শোনব
তানীংদ খুম্মকই থীজ্জদন:
কানমে ঈশ্বরদ খুংম্নু খুদোন
লাঙ্গোল পাবোং য়াংন পুবখৈনি
মপু মাবু সেবা তৌবশিংদি
মাগি লৈবাক্তি নিংথৌপানজত্রি
ময়াথং ফংদ লিশীং কয়া চেন
লৈকং খঙদে ঈপাকচৌদ খঙদে
য়াঙন চেম্ম মথৌ পুক্লনি
লৈজব পাঙ্গল পুথোক শুজব
পোত্থা খঙদবশিংদুদ নত্তে
মহাক্কি সেবা তৌরিবশিংছ
লেপ্তমক লেপ ঙাইবশিংছুনুনি।

(৪)

অশিরাই

(তোংব্রা — ১৯১৩)

নোংমতদ পোক্কখিব মচানবু
কিন্নী জন শিব হৌনব্রা?
মীঙৈ পাঙরৌ শিব কিসমব

অহল লমন হাক্তক্তে হায়নরল্লি।
তাইবং সনবা ইংরাজী লোন্দসু
সেক্সপীয়ারন হায়হনখি সীজারবু :
অথৌবশিংদি অমুক্তে হেন্ন
শিবগি মহাও তঙ্গে হায়নদে।
নোংথক্ত থাক-খোং নোংথাং নোংমৈ বাং
হিরোসিমা নাগাসাকি হিংহাৎ !
হে অশিরাই ইঙো নঙ্গি অশেংব
নশকপু অতুক তমথীবরাও ?
নচং নরাল খুংশেম লায়শেম নোংদম্ন
ওইরম্ব য়াই, অহিংব হাৎপদি
অশিরাইদি হাৎতে হুদে থরাই
পূমতন তল্লুবদ য়াদ্রে শিরে
মমিং কল্লে লীলা ফম্বাক্তে
ফিথন থাদবদনি অশি-ইথৌ।
হুইসেল খোংব রেফরীনি ঐদি
ফাউল শান্নৌ ইন্সিন্দে প্লেয়ারদ,
ফজন শানৌ, শাংন হিংথখো
হকসেন, লায়সোন লায়েংচুম ঙায় ঐদি।
করি কিনৈ অশিববু লাম্ন
তন্দ তম্ন, শিরসি হায়ররোই।
লাল্লুবৈ চৈরাক অরানা থাংচু
থাংজর ঙম্নব পোথাহন্নে
পূমতন তন পোথা অশিব কৌই
অহিংবৈ মরূপ অশিয়াইদনে।

(৫)

জুরারগি দাওরা ?

(ভোংত্রা— ১৯১৩)

"বিশ্ব জগৎকা চৌবর শানদে
মপু ইণ্ডোদি", হায়খি ঐনষ্টাইন্ন।
তরং মালংবানগি উংচৎ পাইজৎ
খোঙলে খোঙজেন নিয়ম নাইন লৈজৈ
চৌবর জল্লগ অথোক অথোকপ
জুরারীন চৎনবত্থ নত্তে।
অত্থুদি ভাইবং মীরমসিদসু
অরা নুংঙাই ভরৈ লৈত খিবিক
য়াইথী য়াইফ নোংদহিরম পুস্থ
মপুন দেরালী লগাও খাওর
থোরকপ মরু য়েং তম্ব ওইরোই।
মহৈ মশিং নোমর্জমন ফং ঙাক্লে
নিউটনগি আকর্ষন শক্তিন
তরং মালংদ মুমিৎ খা পৃথবী
থরান মৈরা বৃন্দ বৃন্দ কয়া
শাসন তোরি! থেঙ্গাইনদে শান্তি
তাইবং মীরক শারক্তসু লৈজৈ
এনিমেল মেগ্নেটিজম—তিম্ননীং

চান্ন-চিন্ন নুংশি লীপুন পুন্ন
তাম্বোক্লৈ — শা লান, য়েংথীনব
খংন খাম্বদ মীচং মীথায় নাই
হিংসা অমদৈ হিংসা অম পোকল্লল
মীনাই মরম্নাইন প্রলয় মৈজু
থুমহীন থাও ওন পৃথবী চাক্লনি
মীনাই কয়া নোক্লব হিংহৌনি
পৃথবীন মৈচাকখাক মৈতান ওনগা
মুংগ্রব থরান কয়ান লাকপি
মিনিট অনী অরাফোং য়াওরনি !



অইব মশান ইংলিসত হন্দোক্লব

“ঙবোংথাও” (The Flesh Trap)

মীয়ামগী থূৎত শিল্পজরে ।